October-03-March-2004

ইথিল
ত্রৈমাসিক পত্রিকা

# ITHIL

QUARTERLY MAGAZINE



## THE NATIONAL MONUMENT

Sign Of Our Sensibility

A Quarterly Magazine of Bangla, Manipuri & English

CamScanner

ITHIL

*A Quarterly Magazine*
Volume-2 Issue-III & IV
October-03 - March-04

**Editor**
Chandrajit Singha

**Asst. Editor**
Promud Kumar Singha
Md. Sazzadul Haque

**News Editor**
Sushil Kumar Singha

**Commercial Editor**
Shanta Kumar Singha

**Circulation Manager**
Lalit Mohan Singha

**Published by**
M. A. Majid Choudhury
Chairman on behalf of
Manipuri Development Trust.
4 Kathal Bagan Dhanmondi,
Dhaka-1205.
*E-mail : ithil@bangla.net*

**Printed by**
Reliable Printers
76 Arambagh, Motijheel,
Dhaka-1000.

# য়াওরিবসিং

## সূচীপত্র

- সম্পাদকী ৱারোল
- পাবিরিবাসিংগী লামায়
- নোংমাইজিং চিংগোয়রোন ৪
  থোঙাম ইবোতোম্বী
- নূপীলান মতমগী নুপী অমসুং হৌজিক্কী মৈরা পায়বী নূপী ৭
  প্রোঃ ক্ষেত্রি বিমলা
- হেনজুনহা অমদি লাইরেম্বীগী নুংশি ৱারী ১০
  লৈশেম্বা তখেনলম্বম
- চহি তরেৎ খুনতাক্পা অমসুং মৈতৈ ঐখোয়না তমজনিঙায় ১৩
  হাওবম নিপুন
- পাম্বৈদা ঐ ৱাখল মতমগী ৱাফম লায়না কোক্লবা ১৪
  এস. শোরেনশংবম
- ইস্ফালগী খোঙচৎতা ১৫
  এ. কে. শেরাম
- মী ওইগে ৱাশকখিবা বাবুজাউ ১৮
  শেরাম নিরঞ্জন
- অরেপ্প ১৯
  হামোম প্রবিত
- ঈ কাপ্পদগী ওইরকপা এইদ্স - ডাঃ রাইঃ নবকুমার সিংহ ২৩
- জন্ডিস লৈনা মওং - ডাঃ কায়েনপাইবম হীরেন সিং ২৫
- মণিপুরীলোনগী বানান কাঙলোন - দ্বিজমনি শর্মা এম. এ ২৬
- একজন বীর মুক্তিযোদ্ধার কথা - সাজ্জাদুল হক স্বপন ২৯
- The National Monument
  Sign of our sevsibility - M. Suman ৩০
- শৈরেং ৩৩
- ঈ-পাও ৩৪

CamScanner

# সম্পাদকী ৱারোল

খুনাই অমা চাওখৎপদা চেফোংগী তঙায়ফদবা থৌদাং লৈরি হায়ব'সি মিয়াম্না খঙনরবা বাফম্নি। চেফোংনা খুনাই'দুগী মেহৌরোল অমদি হৌজিক-হৌজিক্কী ওইরিবা ইনাৎ, লৈঙাকলোন অমসুং সেনমিৎলোন গী ফিবম তশেংনা তাক্পা ঙম্মি। বাংলাদেশকী মনিপুরী খুনাইদা ঙসিসু চাং নাইনা ফোংবা চেফোং থোয়না-হেন্না লৈত্রি। অয়াম্বনা মশা-মশাগী পুক্চাক তান্নবা হোৎনবনা মথৌদাং ওইরি। বাংলাগী মনিপুরী খুনাইদা সাহিত্য খোঙজংদা চহি কয়ামরুম মমাঙদগী ফোংদুনা লাক্লবসু চাংনাইনা ফোংবা চেফোংগী অওয়াৎপা অমদি লৈরম্মি। মনিপুরী ডেভেলাপমেন্ট ট্রাস্ট-না হোৎনজদুনা থা অহুম-অহুমগী ওইবা চেফোং 'ইথিল' লমদম'সিগী অওয়াৎপা শরুক খরা মেনশিন্নবা ঙমগদরা খন্দুনা পুথোকচবনি। এখোয় খুনাইগী মহৌশাগুম চৎনবি কয়ানা চেফোং'সি তুংকোয়না হিংবা ঙমগদরা হায়বা চিংনবা অমদি নিংহন্নবা পোকহল্লি।

মপুং ফাবা খুনাই অমা শৌগৎপদা চেফোংগী অচৌবা থৌদাং লৈরি হায়ব'সি মনিপুরী ডেভেলাপমেন্ট ট্রাস্ট কী অচেৎপা থাজবনি। 'ইথিল' চেফোং চাংনাইনা পুথোকপদা অইবা অইবী শিংগী ৱাংলবা ৱাখল্লোন মতম পুম্বাদা থম্জরি। ইথিল গী লাইবক অমদি পুন্সি তুংকোয়হনবিনবা হয়েংগী য়ুম্বিরেন ওইরগদৌরিবা ঙসিগি নহারোন অমদি পাবিরিবশিংগী মফমদা থাঙ্গৎচরি।

# পাবিরিবাসিংগী লামায়

## ইকাইখুম্নজরিবা ইডিটর

অহান্নমক্তদা পুরুচেল চাউরবা ইডিটরগী মকামদা নোল্লুকপগা লোইননা ব্রাহে খরদং থমজরি। অসোয়-অরাল সোইদনা চানবিগনী খল্লি। মীওইবা হায়বসে সোইদবা ঙমদে। ইথিল ম্যাগাজিন বাংলাদেশকী ওইনদি য়াম্না থম্মোই চাউখোকনিঙাই ওইবা মতমগী চেফোং অমনি হায়না জাতি কয়াগি মফমদা ব্রখোয়না চাউখোকচে। অদুবু করম্মা নোংদমদগীনো খংদে চিংনজে, হন্দক ইস্যু১/২ থংননা চেফোং অসে পাবা ফংহন্দে। তশেংনমক পুক্রিং থৌগ্যচরকপা ইথিলবু পোথা-হনবিদোবরা? নত্রগা মচাক মথেল ব্রাৎপদগী মতমগা লমজেল তানবা হায়-নখিবদো তুং হনগে খল্লব্রা ? অসিগুম্মা য়াত্তলগা লমজেল মান্নদবদগী অইবা অপাবা কয়াগী থম্মোয়দা অব্রাবা ফংলি। ফুরুপ অমা মশক তাকপদা অসিগুম্মা চেফোং কয়াগী মতেং পিরগনি সোইদনা মরম অদুনা চেফোং অসিবু মতিক চাহন্নাগীদমক মরুওইনা অইবা-অইবা-সিংগী মীৎয়েং চিংশিনজরি। মতম-পুম্মদা অইবা-অইবী-শিংনা চেফোং অসিবু মীৎয়েংগী ব্রাংমদা থমলোই খল্লি। নুংশিবিদ্রুনসু ঙসি ফাউবা ব্রখোয়না চেফোং অসে পাবা ফংলি। মথংদা চেফোং অসে মতম চানা পাবা ফংহনবিগনী হায়বা থাজবা থম্লি। ইকাইখুম্নরবা ইডিটরগী মফমদা অমুক্কসু হন্না অসোয় অরাল চানবিনবা নিংশিংজরি।

হিজম চাউবা
ভানুগাছ।

## শ্রদ্ধাভাজন সম্পাদক মহোদয় সমীপেষু,

পত্রের প্রারম্ভে নিরন্তর শ্রদ্ধা আর বৃষ্টিঝরা বিকেলের কাঠালী আমেজ উপভোগের নিমন্ত্রন জানবেন। আপনি সেই কবে শীতের নিঃসাড়তা আর শিউলীর অভিসারের মৌসুমে আমাদের গাঁয়ে এসেছিলেন, তখন আপনাকে মনের সুবর্টকুন অর্ঘ্যডালি সাজাতে পারিনি। আজ যখন গাছে গাছে পাখির ঐন্দ্রজালিক কাকলি আর মৌসুমী ফলের সুচীসুঘ্রান বহমান তখন আপনাকে আমাদের ছোট্ট গায়ের অসম্ভব সুন্দর উত্তাল ফানাই নদীর ধার ঘেষে হাটতে হাটতে চা বাগান, রাবার বাগান মারিয়ে গ্রামের সুশ্রী টিলার সবচেয়ে উচু জায়গায় বৃষ্টিতে ভিজে ভিজে গল্প করতে সাধ হয়। আপনাকে অকৃত্তিম আবেগে আমাদের গাঁয়ে নিমন্ত্রন জানাচ্ছি এই কারনে যে, সাদা-মাঠা নিরুপদ্রব গ্রাম্য জীবনে আপনার সংকলনের সুপ্রভাবে আমরা (তরুন/তরুনীরা) নিজেদের দারুন ভাবে আবিষ্কার করেছি। বাংলাদেশে মনিপুরীদের ইতিহাস, ঐতিহ্য সাহিত্য ছাড়াও বার্মার এমনকি খোদ মাতৃভূমি মনিপুরের অনেক অমুল্য তথ্য জানতে পারছি। এটাযে কত আনন্দের কত সুখের তা ভাষায় অপ্রকাশ্য! আমরা জানি আমরা কিভাবে আমাদের সাংস্কৃতিক ঢাল দিয়ে নিজেদের এই প্রত্যন্ত অঞ্চলে গৌরবময় জীবন যাপন করছি। গ্রামের সাংস্কৃতিক একাডেমী প্রাঙ্গনে যখন আমরা আড্ডায় মাতি “ইথিল” তখন আলোচনার কেন্দ্রবিন্দু। “ইথিল” এর প্রতিটি লেখা মনোযোগ দিয়ে পড়া হয়। বিগত সংখ্যার কমরেদ ইরাবত সম্পর্কে প্রবন্ধগুলো মনোযোগ দিয়ে বার বার পড়েছি। অত্যন্ত সময়োপযোগী প্রয়াসের জন্য আপনাকে তথা “ইথিল” এর সকলকে বিপ্লবী শুভেচ্ছা আর সংগ্রামী অভিনন্দন রইল। এই ধরনের প্রেরনাদায়ক প্রয়াস আগামীতে অব্যাহত থাকুক। আপনাকে আবারো অবিনাশী উচ্ছাস উপচানো শুভেচ্ছান্তে-

শুভার্থী কৈসাম বিমল
খুনজাও (নলথরী)
কুলাউড়া, মৌলভী বাজার

# নোংমাইজিং চীংগোয় রোন

অইবা থোঙাম ইবোতম্বী

নোংমাইজিং চীং কৌখিবদি = নহাল নোং মালেম্ মীতৈ-লৈপাক্ অসি লাইজ ঈশিংনা তরং-মালং ওইনা লৈরমই॥ মতম অদুদা ইপুরোয় অপোকপানা, খাগী খাগী ঈপাক্ ঈচাও অসিবু ফুন্‌লগা লাইরৈপাক্কা চপ্-মান্নবা লৈপাক অমা শেমৃগে নিংলদুনা ইবুংঙো মহাক্না লাইনিংথৌ শোরারেলগী মফমদা তরং-পাও লাওরক লমই॥ "সোরারেল নংগী মাংদা উরিবা চিংগোয় চিংলেন অচৌবা অসিবু তেমখায়রগা তম্পাক লৈবাক অসি খুনসেম্ লৈশেমউ লাই রৈপাক্কা নংনা তুনা নিংথৌ ওইয়ু" হায়না তরং পাউ লাউরকলে॥ লাইপাউগী মতুং ইন্না লাইনিংথৌ শোরারেলনা লাইয়মসিংগা লোইন্না কৌক্রু চিংগী উয়াইনিবু হায়রিবা উনিংথৌ কোরিবাবু য়ানলগা হিয়াং হীরেল শাখরে॥ হিয়াং হিরেল তোংদুনা, চিংলাইগী মতৌগুম লাইয়ামসিংগা থুংঙরে॥

চিংখোংদা লেপতুনা লাইনিংথৌ শোরারেলনা য়েংবদা নোংগী সমাই ফাওনা ব্াংঙমলে॥ হী থাবা মফমবু হিয়াংথাং হায়না খংনরে॥ লৈশেম্বগীদমক শোরারেলনা নোংগী মমাই ফাওনা ব্াংই হায়দুনা নোংমাইচিং হায়না খংনখি॥ লাইয়ামসিংগী নিংথৌনা মাংথাদুনা কাবা হৌখি হায়দুনা নিংথৌকাবা হায়না খংনখি॥ লাইয়ামসিংনা চিংলেন্-চীংগোয় মতোন্দগী নোংমৈ সিংজং থাদুনা লৈপাক লৈশা তেমথদুনা সেম্বা নুমিৎ অদুবু লৈপাকপেক্পা হায়না খংনখি।

লৈপাক লৈশা ফাওরবা অদুদা লাইয়ামসিংনা য়ুম কৈ শাখি নুমিৎ অদুবুনা য়ুমশাকৈশা হায়না খংনখি॥ লাইগী মতৌ অদু উবদা হাওনা লান হৌরকতুনা শগোন শামু তোংদুনা অকনবা লান সোক্লখিবা নুমিৎ অদুবুনা শগোলশেন হায়না খংনখি। হাওগা-লাইগা অনিনা অকনবা লান শোক্লবদা নাকন অনিমক্কী ঈ-না ঈঙাং -ঈঙাংনা তাখি হায়দুনা ইরায় হায়না খংনখি॥ নাকল অনিমক্কা লান শোক্লবদা পাইখিবা খুৎসু খুৎলাই ময়াম অদুবু অমদি থাং তেলসিং অদুবু চামই হায়দুনা নুমিৎ অদুবু থাংজা হায়না খংনখি॥ মরম অসিদগী চীং অসিবু শৈথাবদা চয়োন তরেৎ থোকপাচিংনি হায়দুনা শৈথানৈ। মরম অসিনা নোংমাইজিং চীংজাও অসিগী চিংখোং হৌজিকতা হিয়াংথাং হায়রিবা মফম অসিদা নোংমাইজিংগী চিংখোং ওইরমই॥

নোংমাইজিং চীং অসি অচম্বা চীং নত্তে, চীংয়াই-য়াইরোইবা চিংনি॥ মরম অসিদগী অসুম্না শৈথানৈ, নোংমগীদি হায়থ চীং,

নোংপোক খনলোং মপুংয়াই॥
পাম্বোইবি ইমানা কোনব-লম,
নোংগী মমাই ফাওনা ব্াংবা চীং
তাইবংগী চয়োন তরেৎ থোক্ল-চীং
নোংমায় হাগবরা হাদ চীং
সেরোয় মানা নিক-কবরা নিকত চীং
লোইবি চিংমায় মাপাল ফংবা চীংজাওনি॥

মরম অসিনা লাইনিংথৌ শোরারেননা মচা-মনাই তায়বংগী- দমক নোংপোক নিংথৌ ইমা পাম্বোইবি ইমাবু মফম অসিদা ঈতুং নফম ওইনবা থমবিরমলবনি।

## নোংমাইজিংগী লাইফম

পনম নিংথৌ লাইরেম্বী= অদ্রোগী মৈ হৌখিবগী মরম অসিদি নহাল নোং তাওরোয়নাই পাখংবনা মতম কুইনা নিংথৌ ওইদুনা পানলবদা মমিৎতা মচা অমৎতা উরকত্রবদা খোইয়ুমগী লাইথোং সুনা চংজদুনা থিজবদ লাইনিংথৌ সনাগী মপাও লৌজা-দুনা "নোংপোক লৈহৌ-চীং" নোংমাইজিং অসিগী নোংপোক থংবা মাইগৈ অসিদা তাওরোইনাই পাখংবা ইবুংঙোনা "লাংবোন পাখংবা" "নোংপোক অচিক" লাইনিংথৌ সোরারেলবু মৈ ওইনা ইরাৎচখি। মসিদা নিংথৌনা মৈরম মাপন মকপু কৌজদুনা ঈরাৎচবদা মপারি মমোম ফংজখি মসিদগী হৌদুনা মালেম মীতৈ লৈপাক অসিদা মফম অসিদা লৈপাক নিংথৌগী ওইনা লাৎখিবা মরম্না মৈ অসি মুৎহৈদে হায়দুনা

ঙসিফাওবদা মুৎতনা লৈরিবসি মরম অসিননি৷

মরম অমনা ইবেম্মা পাম্থোইবী ইবুঙো থৌবগা অনিসু মতম কুইনা চেনলকপাদগী ব্যরদুনা মতম খরা মপা শোরারেলগী নাকতা থুপতুনা লৈরগে নিংঙদুনা ইবেম্মনা লোইরাং পাম্থোইবি কৌদুনা লোৎতুনা লৈখরে৷ মতম অদুদা থৌবনা মপা ইবুংঙো শোরারেলগী হান্নগী মৈ অদুবু মুৎতনবা হায়দুনা শিং য়াম্না পৈসিন্দুনা মৈ অদু হৌগৎখি৷ মতম অসিদা ইবুংঙো ইবেম্মা অনিগী মীংলেনসু হোংখরে। পনম নিংথৌ পনম লাইরেম্বী কৌদুনা লম অদুবুকোনবা লাই ওইদুনা মৈরিংদুনা লৈখরে৷ নোংমদি অথৌবনা অসুম্না হায়খি। ইবেম্মা লাইরেম্বী নহাক্না নয়ুমদা লৈরিঙৈদা নপল নিংথৌ অমদি চিংঙু লাইয়ামগী মাংদা থাবলগী লিরোন শকখিবা অমদি ঔগ্রীচোংবদা ইবেম্মনা শখিবা লৈনেৎ-জগোয়, পরি-লাংসং জগোয় লৈহৌ-নোংহৌ জগোয়, লৈত্রায়-নোংদ্রায় জগোয়, অমদি খুৎলোনগী পাওতাক ময়াম অদু মফম অসিদা অমুকতা হন্না শাও-ওঃ৷ ঐখোই অনিসে ব্যমনখ্রে৷ নমু মীয়াম কৌখৎতুনা ইবেম্মনা শাবা জগোয় য়েংহনখি৷ ইবেম্মনা জগোয় শাবা হৌগৎলকপদা লাইয়াম্না ব্যংলেন পুংখৎ তায়খি৷ মদুদা অশৈবনা পোনা-শরিক খিং-খিং লাওনা খিংদুনা ইবেম্মগী মতিক ময়াই থাদুনা শৈসকলমই৷ মতম অদুদা মী লাই পুম্নমক ইবেম্মগী খুৎলোন ময়াম অদু উবদা পুম্নমক সুমহৎখরে৷

ইবেম্মগী জগোয় খুলোন ময়াম অসি নংন্নবা শারকপদা জগো-য়গী খুৎহৎনা থুমনখিদুনা, ব্যংলেন পুংখৎপগা মতম খরা ফরক চৎন-রকলে৷ মদুদা লাইয়াম সিংনা লাওরকলে৷ “জগোয় শাবিনা শোয়রিবরা, পুংয়ৈবনা শোয়রিবরা জগোয় সোয়রে হায়দুনা ঙাংন- রকলে৷ লাইয়ামসিংনা ঙাংনরিবা ব্যফম অদু তাবদা লাই নুপি-শিংনা হায়রকলে৷ লাইয়াম পুম্নমক তাবিয়ু লোইরাং পাম্থোই- বিদি য়োৎকি চৈসু পায়রিবি, ঈমু নমখাংনরিবি চিংঙুবা মনাক লেপ-লিবি, খোংলম তরেৎতা ফমবাল লাংলিবি ইবেম্মনবু শোইবা হৌন-বরা, ব্যংলেন পুংখৎপনা শোয়বনে” হান্ননা লাওরকলে৷ মদু তাবদা মী-লাই নিপা মখৈনা অমুক হায়রকলে“পুংলোন খংদনা জগোয় শাবদগী শোয়বনে, লাওরকক্লে৷ লাই-নিপা-নুপী ময়াম খৎনরকপা অদুদা চিংঙু লাই মরি কৌদুনা ব্যয়েনহনখরে৷ মসিদা চিংঙু লাই থাংজিংনা ব্যয়েনলে৷ লাই মরিমক্না জাগোয়গী মতুংইন্না পুং য়ৈগদ্রা? পুংলোনগী মতুং ইন্না জগোয় শাগদ্রা? হায়বসিদা খন্নরবা মতুংদা “হন্দক লোইরাং পাম্থোইবিনা শারিবাজগোয়না চুম্মি। মরমদি জগোয়গী খুৎলোন মতুংইন্না পুং য়ৈগদবনি, পুংলোনগী মতুংইন্না জগোয় শাগদবা নতে৷” হায়না চীংঙু লাই থাংজিংনা লাইয়ামগী মমাংদা লাওথোকলে৷ মী-লাই পুম্নমকনা থাংজিং লাইগী ব্যয়েনবদু হরাওনা য়ানখরে৷ মতৌ অসুম্না লোইরাং পাম্থোইবিনা হন্দক মী-লাই অনিমক্কী মমাংদা শাখিবা জগোয় অসিদগীনি ঙসিফাওবদা লাই হরাওবদ শারিবা জগোয় পুম্নমক জগোয় অসিদগী থোরকপনি৷ মরম অমনা ইবুঙো ইবেম্মা অনিনা শান্নখ্রিবা কুম্মৈ অসিসু লাই হরাওবগী মনুংনি৷

মতম খরা ইবুংঙো -ইবেম্মা অনি অসি মতম খরা লোৎতুনা সেল্লোই নোংমাইজিং ব্যংমদা পাম্থোইবি অমদি থৌবা অনি লৈরে খংলদুনা খাবনা অমুক হন্না তান্নরকলে৷ মদু তাবদা, ইবুংঙো ইবেম্মা অনিনা মখোয় অনিগী নুংশিপনম্থুং য়ৌগদবা মতম কয়াম ব্যৎ-লিবগে খংন্নবগীদমক লাংনা পাদম তমদুনা য়েংনখি৷ পাদম তমদুনা অমদি পাদমগী কিশি হন্দুনা য়েংবদা নুংশি পানথুংদি, থুংনরগনি হায়বগী খুদম ফংলে৷ অদুগা কোরৌ মশিং য়েংলকপদদি মতম খরা ব্যথলি৷ হায়বসু খংলে৷ মসি খংলবা মতুংদা অথৌবনা পাম্থোইবিবু য়েংলদুনা হায়রকই৷ ইবেম্মা মতম খরা অসিদি ঐখোয় অনিমক লোৎতুনা লৈনরুখিসি। নহাক্না নোংমাই নিংথৌগী মমোমলোই ওইনা লৈরুরো৷ ঐহাক্না তাংখুল শারম নিংথৌগী মপারি ওইনা লৈরুরগে। ইবেম্মা! মতম অমদা নশক ইশক খংনসি৷ ঙসি ঐখোয় কায়নরমদাই অসিদা ঐহাক্কীনা পুখম নহাক্কীনা ঙকশমদা, শিরিবা, নোংথ্রেং লিকলাং পরেং অসি ফুমদুনা থমলমসি৷ অরোয়বা কাইনরমদায় মিৎকুপতা অথৌবনা নুংশি খুদম ওইনা, মালেম লৈমা অঙাংবা মচেৎ খরদং লৌরদুনা ইবেম্মগী লাইবক খেলাই মতা ফবদা লৈঙাং পাকনম থৌবগী খুৎনিংথৌনা নমবিরে৷ পাম্থোইবিনসু মবুঙো য়েংজরগা চোমলাং নাচোম অমা মবুঙোগী নাপদা থেৎপিরগা মুনা মুনা য়েংদুনাকাইনরে৷

মখোয় অনি কাইনবদা শকখিবা শৈরোন
লানশোম্বীগী লময়াইদা মুনু মুনুনা ব্যরে পোৎথাফম
পামুগী লমদম য়েংঙুবা, নুংশিবা লমদম তামহৌরে
মমাং লৈকায় থমবাল শাৎলে খোইমুনা ইল্লে খোইরাবা
শাবী-লাও-লাও চৎসি লাও,
কনলকপা য়াম্মী কনজাওবা য়াম্মী মাংদা থারো লাও
চেক্লা পাইখরবনা পোম্বী হনজিনলকপদা
চেক্লাগী কায়দোংফম খংদদুনা পোম্বী কঙাওনরে
শাবি ইনেমচা আ পামুবি-দে,আ পামুবি-দে
চিংনুংগী সনা লোকতগী হন্‌লক্‌লো হন্‌ লক্‌ লো দে৷
পাম্থোইবিনা ইশৈ অসি শকলকপদা, অথৌবনা থম্মোয়

কায়না-কায়না তাংখুল নিংথৌগী শগায়দা চংজফম লৌদুনা লৈজখি৷ পাম্থোইবিসু নোংমাই নিংথৌগী মমোম্‌ ওইদুনা লৈজখি৷ মসিদগী পাম্থোইবিনা নুরাবি অমদি অথৌবনা তাংখুল শারম নিংথৌগী মচা ওইদুনা মতম খর লোৎতুনা লৈনখি৷



CamScanner

অরিবা পুয়াগী অখন্নবা রারেং

# নোংমাইজিং চীংগোয় রোন

**অইবা থোঙাম ইবোতম্বী**

নোংমাইজিং চীং কৌখিবদি = নহাল নোং মালেম্ মীতৈ-লৈপাক্ অসি লাইজ ঈশিংনা তরং-মালং ওইনা লৈরমই॥ মতম অদুদা ইপুরোয় অপোকপানা, খাগী খাগী ঈপাক্ ঈচাও অসিবু ফুন্‌লগা লাইরৈপাক্কা চপ্-মান্নবা লৈপাক অমা শেম্‌গে নিংলদুনা ইবুংঙো মহাক্কা লাইনিংথৌ শোরারেলগী মফমদা তরং-পাও লাওরক লমই॥ "সোরারেল নংগী মাংদা উরিবা চিংগোয় চিংলেন অচৌবা অসিবু তেমখায়রগা তম্পাক লৈবাক অসি খুনসেম্ লৈশেমউ লাই রৈপাক্কা নংনা তুনা নিংথৌ ওইযু" হায়না তরং পাউ লাউরকলে॥ লাইপাউগী মতুং ইন্না লাইনিংথৌ শোরারেলনা লাইয়মসিংগা লোইন্না কৌক্রু চিংগী উয়াইনিবু হায়রিবা উনিংথৌ কোরিবাবু য়ানলগা হিয়াং হীরেল শাখরে॥ হিয়াং হিরেল তোংদুনা, চিংলাইগী মতৌগুম লাইয়ামসিংগা থুংঙরে॥

চিংখোংদা লেপতুনা লাইনিংথৌ শোরারেলনা য়েংবদা নোংগী সমাই ফাওনা ব্যাংঙমলে॥ হী থাবা মফমবু হিয়াংথাং হায়না খংনরে॥ লৈশেম্বগীদমক শোরারেলনা নোংগী মমাই ফাওনা ব্যাংই হায়দুনা নোংমাইচিং হায়না খংনখি॥ লাইয়ামসিংগী নিংথৌনা মাংথাদুনা কাবা হৌখি হায়দুনা নিংথৌকাবা হায়না খংনখি॥ লাইয়ামসিংনা চিংলেন্-চীংগোয় মতোন্দগী নোংমৈ সিংজং থাদুনা লৈপাক লৈশা তেমথদুনা সেম্বা নুমিৎ অদুবু লৈপাকপেক্‌পা হায়না খংনখি।

লৈপাক লৈশা ফাওরবা অদুদা লাইয়ামসিংনা য়ুম কৈ শাখি নুমিৎ অদুবুনা য়ুমশাকৈশা হায়না খংনখি॥ লাইগী মতৌ অদু উবদা হাওনা লান হৌরকতুনা শগোন শামু তোংদুনা অকনবা লান সোক্লখিবা নুমিৎ অদুবুনা শগোলশেন হায়না খংনখি। হাওগা-লাইগা অনিনা অকনবা লান শোক্লবদা নাকন অনিমক্কী ঈ-না ঈঙাং -ঈঙাংনা তাখি হায়দুনা ইরায় হায়না খংনখি॥ নাকল অনিমক্কা লান শোক্লবদা পাইখিবা খুৎসু খুৎলাই ময়াম অদুবু অমদি থাং তেলসিং অদুবু চামই হায়দুনা নুমিৎ অদুবু থাংজা হায়না খংনখি॥ মরম অসিদগী চীং অসিবু শৈথাবদা চয়োন তরেৎ থোকপাচিংনি হায়দুনা শৈথানৈ। মরম অসিনা নোংমাইজিং চীংজাও অসিগী চিংখোং হৌজিকতা হিয়াংথাং হায়রিবা মফম অসিদা নোংমাইজিংগী চিংখোং ওইরমই॥

নোংমাইজিং চীং অসি অচম্বা চীং নত্তে, চীংয়াই-য়াইরোইবা চিংনি॥ মরম অসিদগী অসুম্না শৈথানৈ, নোংমগীদি হায়থ চীং,

নোংপোক খনলোং মপুংয়াই॥<br>
পান্থোইবি ইমানা কোনব-লম,<br>
নোংগী মমাই ফাওনা ব্যাংবা চীং<br>
তাইবংগী চয়োন তরেৎ থোক্ল-চীং<br>
নোংমায় হাগবরা হাদ চীং<br>
সেরোয় মানা নিক-কবরা নিকত চীং<br>
লোইবি চিংমায় মাপাল ফংবা চীংজাওনি॥

মরম অসিনা লাইনিংথৌ শোরারেননা মচা-মনাই তায়বংগী- দমক নোংপোক নিংথৌ ইমা পান্থোইবি ইমাবু মফম অসিদা ঈতুং নফম ওইনবা থমবিরমলবনি।

## নোংমাইজিংগী লাইফম

পনম নিংথৌ লাইরেম্বী= অন্দ্রোগী মৈ হৌখিবগী মরম অসিদি নহাল নোং তাওরোয়নাই পাখংবনা মতম কুইনা নিংথৌ ওইদুনা পানলবদা মমিৎতা মচা অমৎতা উরকত্রবদা খোইয়ুমগী লাইথোং সুনা চংজদুনা থিজবদ লাইনিংথৌ সনাগী মপাও লৌজা-দুনা "নোংপোক লৈহৌ-চীং" নোংমাইজিং অসিগী নোংপোক থংবা মাইগৈ অসিদা তাওরোইনাই পাখংবা ইবুংঙোনা "লাংব্রোন পাখংবা" "নোংপোক অচিক" লাইনিংথৌ সোরারেলবু মৈ ওইনা ইরাৎচখি। মসিদা নিংথৌনা মৈরম মাপন মকপু কৌজদুনা ঈরাৎচবদা মপারি মমোম ফংজখি মসিদগী হৌদুনা মালেম মীতৈ লৈপাক অসিদা মফম অসিদা লৈপাক নিংথৌগী ওইনা লাৎখিবা মরম্না মৈ অসি মুৎহৈদে হায়দুনা



CamScanner

ঙসিফাওবদা মুৎতনা লৈরিবসি মরম অসিননি॥

মরম অমনা ইবেম্মা পাম্বোইবী ইবুঙো থৌবগা অনিসু মতম কুইনা চেনলকপাদগী ব্যারদুনা মতম খরা মপা শোরারেলগী নাকতা থুপতুনা লৈরগে নিংঙদুনা ইবেম্মনা লোইরাং পাম্বোইবি কৌদুনা লোৎতুনা লৈখরে॥ মতম অদুদা থৌবনা মপা ইবুংঙো শোরারেলগী হান্নগী মৈ অদুবু মুৎতনবা হায়দুনা শিং য়াম্না পৈসিন্দুনা মৈ অদু হৌগৎখি॥ মতম অসিদা ইবুংঙো ইবেম্মা অনিগী মীংলেনসু হোংখরে। পনম নিংথৌ পনম লাইরেম্বী কৌদুনা লম অদুবুকোনবা লাই ওইদুনা মৈরিংদুনা লৈখরে॥ নোংমদি অথৌবনা অসুম্না হায়খি। ইবেম্না লাইরেম্বী নহাক্সা নয়ুমদা লৈরিঙৈদা নপল নিংথৌ অমদি চিংঙু লাইয়ামগী মাংদা থাবলগী লিরোন শকখিবা অমদি ঔগ্রীচোংবদা ইবেম্মনা শখিবা লৈনেৎ-জগোয়, পরি-লাংসং জগোয় লৈহৌ-নোংহৌ জগোয়, লৈত্রায়-নোংদ্রায় জগোয়, অমদি খুৎলোনগী পাওতাক ময়াম অদু মফম অসিদা অমুকতা হন্না শাও-ওঃ॥ ঐখোই অনিসে ব্যামনখ্রে॥ নমু মীয়াম কৌখৎতুনা ইবেম্মনা শাবা জগোয় য়েংহনখি॥ ইবেম্নদা জগোয় শাবা হৌগৎলকপদা লাইয়াম্না ব্যাংলেন পুংখৎ তায়খি॥ মদুদা অশৈবনা পোনা-শরিক খিং-খিং লাওনা খিংদুনা ইবেম্মগী মতিক ময়াই থাদুনা শৈসকলমই॥ মতম অদুদা মী লাই পুন্নমক ইবেম্মগী খুৎলোন ময়াম অদু উবদা পুন্নমক সুমহৎখরে॥

ইবেম্মগী জগোয় খুলোন ময়াম অসি নংন্নবা শারকপদা জগো-য়গী খুৎহৎনা থুমনখিদুনা, ব্যাংলেন পুংখৎপগা মতম খরা ফরক চৎন-রকলে॥ মদুদা লাইয়াম সিংনা লাওরকলে॥ "জগোয় শাবিনা শোয়রিবরা, পুংয়ৈবনা শোয়রিবরা জগোয় সোয়রে হায়দুনা ঙাংন- রকলে॥ লাইয়ামসিংনা ঙাংনরিবা ব্যাফম অদু তাবদা লাই নুপি-শিংনা হায়রকলে॥ লাইয়াম পুন্নমক তাবিয়ু লোইরাং পাম্বোই- বিদি য়োৎকি চৈসু পায়রিবি, ঈমু নমখাংনরিবি চিংঙুবা মনাক লেপ-লিবি, খোংলম তরেৎতা ফমবাল লাংলিবি ইবেম্মনবু শোইবা হৌন-বরা, ব্যাংলেন পুংখৎপনা শোয়বনে" হান্ননা লাওরকলে॥ মদু তাবদা মী-লাই নিপা মখৈনা অমুক হায়রকলে"পুংলোন খংদনা জগোয় শাবদগী শোয়বনে, লাওরকক্লে॥ লাই-নিপা-নুপী ময়াম খৎনরকপা অদুদা চিংঙু লাই মরি কৌদুনা ব্যায়েনহনখরে॥ মসিদা চিংঙু লাই থাংজিংনা ব্যায়েনলে॥ লাই মরিমক্সা জাগোয়গী মতুংইন্না পুং য়ৈগদ্রা? পুংলোনগী মতুং ইন্না জগোয় শাগদ্রা? হায়বসিদা খন্নরবা মতুংদা "হন্দক লোইরাং পাম্বোইবিনা শারিবাজগোয়না চুম্মি। মরমদি জগোয়গী খুৎলোন মতুংইন্না পুং য়ৈগদবনি, পুংলোনগী মতুংইন্না জগোয় শাগদবা নতে॥" হায়না চীংঙু লাই থাংজিংনা লাইয়ামগী মমাংদা লাওথোকলে॥ মী-লাই পুন্নমকনা থাংজিং লাইগী ব্যায়েনবদু হরাওনা য়ানখরে॥ মতৌ অসুম্না লোইরাং পাম্বোইবিনা হন্দক মী-লাই অনিমক্কী মমাংদা শাখিবা জগোয় অসিদগীনি ঙসিফাওবদা লাই হরাওবদ শারিবা জগোয় পুন্নমক জগোয় অসিদগী থোরকপনি॥ মরম অমনা ইবুঙো ইবেম্মা অনিনা শান্নখ্রিবা কুম্মৈ অসিসু লাই হরাওবগী মনুংনি॥

মতম খরা ইবুংঙো -ইবেম্মা অনি অসি মতম খরা লোৎতুনা সেল্লোই নোংমাইজিং ব্যাংমদা পাম্বোইবি অমদি থৌবা অনি লৈরে খংলদুনা খাবনা অমুক হন্না তান্নরকলে॥ মদু তাবদা, ইবুংঙো ইবেম্মা অনিনা মখোয় অনিগী নুংশিপনম্বুং য়ৌগদবা মতম কয়াম ব্যাৎ-লিবগে খংন্নবগীদমক লাংনা পাদম তমদুনা য়েংনখি॥ পাদম তমদুনা অমদি পাদমগী কিশি হন্দুনা য়েংবদা নুংশি পানথুংদি, থুংনরগনি হায়বগী খুদম ফংলে॥ অদুগা কোরৌ মশিং য়েংলকপদদি মতম খরা ব্যাৎলি॥ হায়বসু খংলে॥ মসি খংলবা মতুংদা অথৌবনা পাম্বোইবিবু য়েংলদুনা হায়রকই॥ ইবেম্মা মতম খরা অসিদি ঐখোয় অনিমক লোৎতুনা লৈনরুখিসি। নহাক্সা নোংমাই নিংথৌগী মমোমলোই ওইনা লৈরুরো॥ ঐহাক্সা তাংখুল শারম নিংথৌগী মপারি ওইনা লৈরুরগে। ইবেম্মা! মতম অমদা নশক ইশক খংনসি॥ ঙসি ঐখোয় কায়নরমদাই অসিদা ঐহাক্কীনা পুখম নহাক্কীনা ঙকশমদা, শিরিবা, নোংথ্রেং লিকলাং পরেং অসি ফুমদুনা থমলমসি॥ অরোয়বা কাইনরমদায় মিৎকুপতা অথৌবনা নুংশি খুদম ওইনা, মালেম লৈমা অঙাংবা মচেৎ খরদং লৌরদুনা ইবেম্মগী লাইবক খেলাই মতা ফবদা লৈঙাং পাকনম থৌবগী খুৎনিংথৌনা নমবিরে॥ পাম্বোইবিনসু মবুঙো য়েংজরগা চোমলাং নাচোম অমা মবুঙোগী নাপদা থেৎপিরগা মুনা মুনা য়েংদুনাকাইনরে॥

মখোয় অনি কাইনবদা শকখিবা শৈরোন
লানশোম্বীগী লময়াইদা মুনু মুনুনা ব্যারে পোৎথাফম
পামুগী লমদম য়েংঙুবা, নুংশিবা লমদম তামহৌরে
মমাং লৈকায় থমবাল শাৎলে খোইমুনা ইল্লে খোইরাবা
শাবী-লাও-লাও চৎসি লাও,
কনলকপা য়াম্বী কনজাওবা য়াম্বী মাংদা থারো লাও
চেক্লা পাইখরবনা পোম্বী হনজিনলকপদা
চেক্লাগী কায়দোংফম খংদদুনা পোম্বী কঙাওনরে
শাবি ইনেমচা আ পামুবি-দে,আ পামুবি-দে
চিংনুংগী সনা লোকতগী হন্‌লক্‌লো হন্‌ লক্‌ লো দে॥

পাম্বোইবিনা ইশৈ অসি শকলকপদা, অথৌবনা থম্মোয় কায়না-কায়না তাংখুল নিংথৌগী শগায়দা চংজফম লৌদুনা লৈজখি॥ পাম্বোইবিসু নোংমাই নিংথৌগী মমোম্ ওইদুনা লৈজখি॥ মসিদগী পাম্বোইবিনা নুরাবি অমদি অথৌবনা তাংখুল শারম নিংথৌগী মচা ওইদুনা মতম খর লোৎতুনা লৈনখি॥

# "পাম্থোইবি শাফোংবা"

থৌবা অমদিপাম্থোইবি অনিনা মখোয় অনিগী মতমগুরে হায়বা খংলদুনা শাফোংলগে হায়দুনা শান্নবা কুম্মৈ অদুবু মচা - মনাই তায়বংগী য়াইফনবগীদমক শানরম্বা কুম্মৈ অদুবু হৌজিকতা লাই হরাওবগী লাইরোয় নুমিৎতা শান্নরিবা কুম্মৈ অদুবু নুরাবি তাংখুল হায়দুনা শান্নরিবা অসিনি॥

পাম্থোইবিগী লৈফম খংলকতুনা, খাবনা অমুক হন্না মনাই-মশন ময়ামগা লোইন্না, তান্নরকলে॥ মতম অসিদা ইবুঙো-ইবেম্মা অনিনা মতম গুরে হায়বা খংলদুনা "অচিবগী" শোরারেলগী শগায়দা চংজখরে॥ অচিবনা অথৌবা অমদি পাম্থোইবি অনিবু সিদ থৌজন পিনরে॥ অচিবনা মখোয় অনিবু, অমনা নোংপোক নিংথৌ অমনা নোংপোক পাম্থোইবি হায়দুনা সেল্লোই নোংমাইজিংদা পানহৌরো। অসুম হায়না শিদা থৌজাল পিরমলগা মশাদা মশা চংখরে॥ মৈদা-মৈনা তিনখিবগুম ঈশিংদা-ঈশিংনা তিনখিবগুম মশাদা মশা তিনখরে॥ মতম অসিদ খাবনা মনাই মশন ময়ামগা লোইন্না ইবুঙো-ইবেম্মা অনিবু চিংউবা লাইকোনুংদা চংখিবদগী থিবা খংদ্রদুনা কক্‌ঙাওনদুনা লৈরিঙৈদা, ইবেম্মনা শরিক চোমজাও খিংলদুনা লাইকোলনুংদগী চিংউবা মপাও চেনলকলে॥

নাহাল্লে তাইবং ইনুংয়াই চাওদবা
ইদায়রেম-খাবা ঈয়েকচা পুন্নমক
ঙসিদগী খংহৌরো॥
নবেম্মা ঐনা তাইবংদা কুমদুনা লৈবা মতম লৌইরে
নবেম্মা ঐদি, নমুপোংগী য়ুমদা
চংদুনালৈবা য়াবা নৎতে॥
নবেম্মা ঐদি লাইনি
নয়ুম মোংবা নরানয়াই য়ৌরগা
নবেম্মা ঐহাকপু চাকলোন কৎচৌও:
চাককুবিগে লনকুবিগে......॥

লাইপাও অদু তাবদগী খাবা ময়েকচা পুন্নমক মোংবা মরান-য়াইদা হনখ্রগা, পাম্থোইবিবু লাইনি হায়বা খংলদুনা, ইবেম্মগী খুবম য়াদুনা চাকলোন কৎপা হৌজখি॥ ইবুঙো-ইবেম্মা অনিনা মালেম সিনবা থুংনা কোইরম্বা অমদি মতম খর-খর পন্দুনা লৈরম্বা মফমশিং অদুবু তাইবং মীওইবনা খুবম য়াদুনা হরাও তয়ামনখি॥

হৌজিকতি খাবা ইয়েকচা পুন্নমক পুক্লিং চংনা তারো নবেম্মা পাম্থোইবিগী মতিক ময়াই শৈথারককে॥

ইবেম্মা মহাক্কী মতিক ময়াইদি কনানা সিংথাদুনা লোইরুনি॥
ইবেম্মা মহাক্তি, নোংদোন পক্লা ৱাংবি, ৱাংবগী ঙমখৈ নাইদবি
মচুনা, চুমথাং খানলিবি, সাগৈ-সনলাই খাইরিবি
থৱায় পানবগী মরু লেমফু ওইবিনি॥
হে-তমফা ৱঙমলোন–মী–ওইবনা খুদোংথিরবা মতমদা
পাংগন ওইরিবি॥

হে ইবেম্মা লাই মরকতগীসু অথোইবিনি মহাকতি
নমু পোং-মী মরকতগীসু অথোইবি ওইদুনা লৈগদৌরিবনি
তাইবংপানবা পুন্নমকপু লংসুং অমৎতদা লেংদুনা লিকলাংগুম খাৱোলনরিবী
হে তমফা লাইরেম্বী লৈরোন-নোংলোন অনিবু লুইগুম্না লেংদুনা ফারিবী তাইবংপানবগী পোকপা-সিবা অনিমকপু নোংদমলিবি
থুমলৈমবু ওইদুনা নোংদম-নোংখাই ওইরিবী
ঙা-লৈমসু ওইদুনা তাইবংপানবা য়োকলিবী
ঈরৈমসু ওইবিনি, ইবেম্মগী মতিক ময়াইদি সিংথাদুনা লোইবা নৎতে॥
লাই নুপী পুন্নমকতগী অহেনবী লৈমরেন লাংৱোন চংখোনবী
অরাপ্পাদা-অনকপদা শিন্না থুংনা লৈরিবী।
হে-খোয়মোম লাইরেম্বী-নোংথাং লৈমসু ওইবিনি,
শারমসু খংবিনি লানঙম পাজেং থেৎপিনি॥
মীওইবগী সমু হকচাংদা নহাক্কী লাংৱোন তরেৎনা
তোংলগা মীবু ঙাওহনবা ঙম্বী ইবেম্মনি॥
নুংশিৎ তরং খোম্বীনি, মৈ-তরং চাওবিনি
মালং-মমাং থারিবি, লনগী মবেম্মা ওইরিবিনি মহাকতি॥
হে-তমফা ৱাঙম্বী, য়েক্লা তিংখং লৈতবি,
লংৱোন তরেৎ শায়োনবী তাইবংপানবা য়োকলিবী॥
অচৎ-চৎতা পুন্নমক্কী মমা ওইরিবী,
নোংদোন থকতা লৈরগা কোরৌ পাম্থোইবি কৌবিনী॥
মালেম থকতা লৈরগা পানেম্থাইবি ওইদুনা

মীরমলেন্দা কুমদুনা মী-মরকতগী মীথোয়বী ওইরিবিনি॥ লাংৱোন অমনা অয়াং-লৈমা পাম্থোইবি ওইরিবিনি, থাংজিংগী লোইনবি ওইদুনা লাংৱোন তরেৎ শানরিবিনি॥ মরম অসিনা ইবেম্ম পাম্থোইবিগা নোংমাইজিং চীংগা য়াম্না মরি লৈনৈ॥ ইবেম্মগী হৌরকফমসু চীং অসিদগীনি॥ অদুগা ইবেম্মনা লাই ওইদুনা মচা মনায় তাইবংবু থৌজানবিগে হায়দুনা চীংদোন অসিদা লাইফমলেন ওইদুনা লৈরিবনি॥ মরম অসিনা মালেম মীতৈ লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খুংদিংমক্লা লমদা-থাগী কুলনিপালনি পানবা নুমিৎতা ইবুঙো ইবেম্মা অনিবু খুরুম্বা চৎনরিবসিদি, খাবা শাগৈদা অমদি মচা-মনায় তাইবংদা থৌজাল পিনবিখিবা নুমিৎনি হায়না হায়নরি॥

ইবুঙো ইবেম্মা খুরুম্বা চৎপদা অহানবমকতদা চিংগোয় তুরেলন্দা হান্না ঈরু শাদেংগনি॥ মসিদা ঈরু শাদেংদনা ইবেম্মা খুরুম্বা কারবদি মহৈ ফংবদি লাইরদনা লংজবা তেকচাক ফংই। চিংগোয় লোক ইচম-চম্বা লোক নৎতে॥

মথং মথং-

# নুপী লাল মতমগী নুপী অমসুং হৌজিক্কী মৈরা পায়বী নুপী

প্রোঃ ক্ষেত্রি বিমলা

মনিপুরগী নুপীশিংগী মতিক মগুন, থৌনা লিংজেল শিংথানরকপা মতমদা ঐখোয়না ইংশোক ১৯৩৯ গী নুপীলাল তত্তনা নিংশিংলি। মসি নিংশিং বগা লোয়ননা ঐখোয়না অমুকসু হংলি মদুদি নুপীলানদা য়াওখিবা নুপীশিংদুগা হৌজিক্কী মনি-পুরী খুন্নাইদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মৈরা পায়বীগী নুপীশিংগা করিদা মান্নবগে অমসুং খেন্নবগে হায়বগী ৱাহং। নুপীগী ওইবা ঈহৌ হায়বসি মনিপুরদদি অনৌবা বাফম নত্তে। য়েলহৌঙেদগী মনিপুরগী শেল-থুম অমসুং লৈবাক ঙাকলোনগী হীরমদা নুপীনা অচৌবা অকনবা ঈহৌ শাগৎতুনা লৈবাক মীয়ামগী অফবা, মরা তপ্পা, অইংবা খুন্নাই অমা পুরক্লবা তত্তনা হোৎনৈ হায়বসি মাংলমচৎকী অইবা কয়ানা তাক্লি। মনিপুরদা থোকখিবা নুপীগী ঈহৌ কয়াদগী ঐখোয়না ঙসি ফাওবদা ইংশোক ১৯০৪ গী নুপীলান অমসুং ইং শোক ১৯৩৯ দা থোকখিবা অনিশুবা নুপীলান শীংথানরি। ঐখোয়না মনিপুরগী হৌখিবা খুন্নাইসিগী লামায় ফাক্তুনা য়েংলকপদা হায়রিবা নুপীলান অনিসি ময়েক লানা চোংথোক্তুনা লৈরি। মসিগী মতুংদা চাওরাক্লা চহি ৫০ মুক্কী মতুংদা ঙসি ঐখোয়না মনিপুরদা অনৌবা মওংগী । ঈহৌ 'মৈরা পায়রবী হায়না খঙনবা অমা থেংনরি। ঙসিগী মৈরা পায়বীশিং অসিগা ২০ শুবা চহি চাগী হৌগৎলকপদা থোকখিবা নুপীলান অসিগা করম্বা হীরমদা মান্নবা অমসুং মান্নদবা হায়বসি খঙনবা হোৎনবদা খরমখৈদি ঐখোয়না হৌজিক হৌজিক চন্ননা লৈরিবা মনিপুরগী খুন্নাইগী ওইবা হীরম কয়া খন্নবদা মতেং ওইনগনি।

**নুপীলান অমসুং মৈরা পায়বীগী মতমগী লৈঙাকলোনগী শক্তমঃ**

ইংশোক ১৯০৪ অমসুং ইংশোক ১৯৩৯ গী নুপীলান অনিমক্কী মতমদা লৈরম্বা লৈঙাকলোনগী ফিভমসি বৃটিশনা মনিপুরগী লৈঙাকলোনগী মরু ওইবা হীরম পায়শিন্খ্রবা মতমনি। লৈবাক অমগী ওইবা হীরমশিং হায়বদি ঙাকশেনবা, মপান- অমগী ওইবা হীরমশিং হায়বদ ঙাকশেনবা, মপান- গী লমগা মরী লৈনবা, শেলগী অমসুং ,লম্বী থোংগী সাসন বৃটিশকী মখুত্তা মপুং ফানা লৈবা মতমনি। মনিপুর অসি পেলিটিকেল এজেন্টকী মখাদা লৈদুনা মশাগী মনিং তমজবা মাংখ্রবা মতমনি। বৃটিশকী লৈঙাকপশিংনা লৈঙাক্কা মরী লৈনবা হীরমদদা নত্তনা মনিপুরগী ওইনা শেল থুমগী হীরমদা ফাওবা খুৎ থিংজিল্লকখি। মনিপুরগী মহারাজনা লৈবাক মনুংগী ধর্ম্ম-কর্ম্মগী হীরমদা অয়াম্বা ওইনা শক্তি পায়রম্মী।

অহানবা ইংশোক ১৯০৪ গী নুপীলান থোক- খিবগী মরম এসিস্টেন্ত সুপরিনটেণ্ডেন্দকী য়ুম মৈ থাবদগী হৌখিবা ওইনা উরবসু ঐখোয়না য়ুম মৈ থাখ্রিবা অদুগী মরম করিনো হায়না অমুক্কা থিজিল্লবদি বৃটিশকী অফিসারশিংনা মনিপুরগী খুন্নাইগী চৎনরোলদা খুৎ থিংজিল্লকপদগীনি হায়না খঙগনি। অনিশুবা ইংশোক ১৯৩৯ দা থোক– খিবা নুপীলান অদুসু মনিপুরদা চেং তাংবদগী থোকখিবনি হায়রবসু মতম অদুদা পাল্লম্বা বৃটিশকী ওইবা শাসন মনিপুরগী শেল থুমগী হীরমদা অচৌবা হক পায়শিনখিবদগীনি। মনিপুরগীওইবা শেল থুমগী হীরমদা মনিং মখা তম্বা লৈরমদে হায়- বগী অচৌবা প্রমাননি। থোকখ্রিবা নুপীলান অনিমক্তা নুপীশিংনা অচৌবা থৌদাং য়াদুনাবৃটিশ-শিংগী মথক্তা অকনবা ঈহৌ শাগৎখি। নুপীলান হায়না খঙনবা নুপীগী ঈহৌ অনিমক মতম অদুদা লৈরম্বা বৃটিশকী মায়োক্তনি। মনিপুরদা মৈরা পাইবী থোকলকখিবাঅসিনা ২০ শুবা চহি চাগী ময়াই লোয়রমদাই হায়বদি ইং শোক ১৯৭৯-৮০ অদুৱাইদনি। হায়রিবা মতম অসিদি মনিপুর অসি ভারতকী মনুংদা মপুং ফাবা ষ্টেটহুড ফংলবা মতুংদনি। মনিপুরগী ওইবা আইন শেম্নবা, মেম্বর ৬০ না শাবা এসেমব্লি লৈরে। ভারতকী লৈঙাক চুক্তি পায়রবা মতমদনি। মনিপুরগী মীয়াম্নসু ভারতকী লৈঙাক পথাপনা পীরিবা "হক খুদিংমক ফংলবা ' মতমনি। বৃটিশনা পাল্লিঙৈদা ফংবা ঙমখিদ্রবা হক কয়া মীয়াম্না ফংলবা মতমদা মনিপুরগী নুপীশিংনা "মৈরা পায়বী " হায়না কৌদুনা মনিপুরগী খুন্নাইবু ঙাক শেনবগী মওংদা চৎথরকপা ঈহৌ অমনি।

**নুপীলান অমসুং মৈরা পায়বী থোকলকপগী মরম অমসুং মওং ঃ**

নুপীলান অমসুং মৈরা পায়বী থোক্লকপগী মরম অমসুং মওং খেন্নে। ইং শোক ১৯০৪ গী নুপীলান থোকখিবগী থোইদোকপা

মরমদি বৃটিশনা ইম্ফালদা লৈবা নুপাশিংবু নমদুনা কবোদগী উ লৌরুনবা য়াথং অদুগী মায়োক্তনি। মসিনা তাকপদি মনিপুরগী লৈঙাক্তা লৈবাক মীয়ামগী হক শোকচিল্লবা মতমদা হায়নরুবা লৈতনা নুপী খুন্নাইনা চোংথোক্লকই হায়বা অসিনি। ইং শোক ১৯৩৯ গী অনিশুবা নুপীলান অদুনা মনিপুরদা, মপান্দা চেং থাদোকপনা মরম ওইদুনা, চানবা চেং ফংলক্তবনা মরু ওইবা মরমনি। বৃটিশনা শেন্দোং তান-বশিংগা খুৎশন্নগা চৎথখিবা মপান্দা চেং থাদোকপগী থৌশিলদা মনিপুর মীয়াম্না চাবা ফংলক্তবদগী খাইরমবন্দগী কৈথেল নুপীশিংনা সুলচংদুনা, কনা-মত্তনা ইনশিল্লুবা তৌদনা,অকনবা নুপীগী ঈহৌ থোকখিবনি। মথক্ত পনখ্রিবা নুপীলান অনিমক্কী থোকখিবা মওংসি মনিপুর খুন্নাইদা বৃটিশকী থৌশিলনা মরম ওইদুনা লৈবাক মীয়ামগী পুন্সিদা অকায়বা লাকপদগীনি।

ইংশোক১৯৮০ দগী হৌজিক ফাওবা মনিপুরগী খুন্নাইদা চৎথরক্লিবা'মৈরা পায়বী' থোরকপগী মরমনা মথক্কী নুপী লান্দগী তোঙানবা অমদা লাকই। মসি মরু ওইনা মনিপুরগী নহারোলশিংনা লৈঙাক পায়রিবশিংগী মথক্তা হৌরকপা ঈহৌদগী নাকোইননা থোক্লকপনি। মরু ওইনা মনিপুরদা। আর্মদ ফোর্সেস স্পেসিএল পাওয়ারস এক্ট ১৯৫৮ পুশিল্লকপদগী মরাল লৈতবা মী কয়াগী অরা-অনা, অশি অনা নংলকপদগী; খঙহৌদনা মনিপুরগী নুপী খরনা খুত্তা মৈরা পাইদুনা অহিং মিৎশেল খাঙদুনা মখোয়গী নুপা, মরু ওইনা মচানুপাশিংবু ঙাকশেঞ্জখি। মসিগী মতুং তাবা ওইনা লৈকাই খুদিংদা নুপী কাংবু কাংবু থোরক্তুনা, মৈরা পায়বী হায়না খঙনদুনা, হৌজিক ফাওবা মনিপুরগী খুন্নাইবু ঙাক শেল্লি।

**নুপীলান অমুসুং মৈরা পায়বীদা করম্বা মখলগী নুপীনা লুচিংলি অমসুং য়াওরি ঃ**

ইং শোক ১৯০৪ অমসুং ইং শোক ১৯৩৯ গী নুপীলান অনিমক্তা লুচিংবী নুপীশিং অসি অয়াম্বনা ইমুংদগী মপান থোক্তুনা, কৈথেল, ফমদুনা ইমুংগী শেল-থুমগী ফিভমদা অচৌবা শরুক য়াবীনা অয়াম্বনি। নুপী লানগী মতমনা, মনিপুরগী নুপী অয়াম্বা লৈবাক্কী অকুপ্পা হীরম থোইনা খঙলমদে। অদুবু পংখৈ অসিগী মনুংদা কৈথেল ফম্বী নুপী শিংনা মখোয়গী মপোৎ য়োম্থোক য়োনশিন তৌনা তৌনা লৈবাক্কী হীরমদসু খন্ন নৈনবগী খুদোংচাবা ফংখি। মরম অসিমক্লিনি নুপীলান অনিমক্তা কৈথেল ফম্বী নুপীশিংনা লুচিংবী ওইখিবসি মনি-পুরগী নৌনা থোক্লক্লিবা মৈরা পায়বীশিংদা অসি-গুম্বা মনিপুরগী হান্নগী লিক্রম অসিগী মমি অমা উই। লম অমসুং লৈকাই লৈকাইগী ওইনা থোক্লক্লিবা মৈরা পায়বীশিংগী লুচিংবীশিং অসি অয়াম্বনা ইমুংদগী মপান থোক্তুনা নোংম নোংমগী চারা তাল্লিবী নএগা ইমুং মনুংগী শেল থুমদা অচৌবা থৌদাং য়ারিবীশিংনি। লুচিংবীশিং অসি ইবা পাবা নত্তন, থাক বাংনা লাইরিক হৈরবী নুপী যাওবা উদে। থবক তৌবী, লাইরিক হৈবী নুপীশিং খরদি চুন্নগী মৈরা পায়বীদা য়াওবা নত্তনা লুচিংবী ওইনা থোকলকপা হৌজিক ফাওবদি উদ্রি। লাইরিক হৈবী থবক তৌবীশিং অমসুং মৈরা পায়বী নুপীশিঙগী মরক্তা রারী শান্নবা, তোৎন-তিন্নবা উদে। মৈরা পায়বীদয়াওরিবী নুপীশিং অসিগী মনুংদসু ঐখোয়না মখোয় মখোয়গী ইমুং মনুং শেম্থোক, নুপা, মচা মগুশিংগী সমস্যাদা য়ুক্ফম ওইরগা নৈনবা য়াই। অদুগা করিগীদমক্তা থবক তৌবী, লাইরিক হৈবী নুপীশিংন মৈরা পায়বীদা হকথেংননা য়াওবা ঙমদ্রিবনো হায়বগী মরমদসু খরদি লৈরম্বা য়াই। মখোয়নামৈরা পায়বীনা তৌরিবাথবকশিংদা, থৌরমশিংদা য়ানিং-দবদি নত্তে। মরম অদুনা মনিপুরগী হৌজিক খুন্নাইদা চৎথরিবা ফত্তবা থবকশিং, খুন্নাই অসি ফহন্নবা হোৎনবদা নুপী থবক তৌবী লাইরিক হৈবীশিংগী  মৈরা পায়বীশিংগা পুন্না চৎমিন্নদবা য়াদবগী তঙাইফদবা ফে।

**নুপীলান অমসুং মৈরাপায়বীগী শন্দোরক্লিবা মফম অমসুং মতম ঃ**

নুপীলান অনিমক্কী ইহৌ অসিগী থবক ওইনা চৎথখিবঅমসুং শন্দোকখিবা মফমশিং অসি অয়াম্বনা ইম্ফাল সহরদানি। লুচিং খিবী নুপীশিংসু অয়াম্বনা ইম্ফাল সহর অমসুং মনাক নকপা মফমশিংদগীনি। ইম্ফালান মনিপুরগী লৈঙাকী ময়াই ওইবা মরমনা মতম অদুগী বৃটিশকী মরু ওইবা লোয়শংশিং লৈখিবনা নুপী লানগী ঈহৌগী থবক ওইনা চৎথখিবা অমসুং শন্দেকখিবা মফমশিং অসি ইম্ফাল অমসুং মসিগী অকোয়বা মফমশিংদা ওইখিবনি। অদুগা নুপীলান্না লৌখিবা অমদি থোকখিবসি অতেনবা মতমদনি।

**মথক্তা পনখ্রিবা অসিগী ওন্ন-তৈনবদা মৈরা পায়বীদি ঐখোয়না মনিপুর তম্পাক্কী মফম খুদিংমুক্তা লৈ হায়বা য়াই। মনিপুর তম্পাক্কী লম লম, লৈকায় লৈকায় খুদিংদা মৈরা পায়বী লৈ। লম অমদি লৈকায় খরদদি যুমযুম খুঙ্গংগী নুপী অমমম মৈরা পায়বীদা য়াওগদবনি হায়বগী চৎন রোলসু লৈ। অদুনদি নুপী লান্দা য়াওখ্রিবা অমসুং শন্দোক্লিবা মফমশিংদগী হৌজিক্কী মৈরা পায়বীনা পাক চাওনা যাওবা অমসুং শন্দোকপা হেল্লি হায়বসিনি। মৈরা পায়বীনা লৌরিবা মতমনা নুপীলানগী মতমদগী হেন্না শাংবসু হেল্লি। মনিপুরগী খুন্নাইদা মৈরা পায়বীশিং থোরক্তুনা ঈহৌ অমা শাগৎলক্লিবা অসি চাওরক্লচহি**

১৪/১৫ রোম শুরক্লে। মতম কুইনা ঈহৌ অসি লৈরক্লবসু মসি হৌজিক হৌজিক তপথখিবা অমসুং নেতথখিবা লৈত্রি। ওন্ন তৈনবদা নোংম মোংমগী মৈরা পায়বীগী ঈহৌ অসি কনখৎলক্লি।

## নুপীলান অমসুং মৈরা পায়বীগী পান্দম ঃ

অহানবা নুপীলান ইং শোক ১৯০৪ দা থোকখ্রিবা অদুগী পান্দমদি বৃটিশনা নুপাশিংবু কবোদগী উ-ব্বা লৌহন্দবা অদুগী পান্দম অসি অহানবদা নুপীলান্না য়াম্না মপুং ফানা নত্রবসু থুংবা ঙমখি। অনিশুবা নুপীলান ইং শোক ১৯৩৯ দা থোকখ্রিবা অসিগী পান্দমনা মনিপুরগী মপান্দা চেং থাদোকপা থিংবনি। পান্দম অসি অনিশুবা নুপীলান্না অব্বাবা কয়া মায়োক্নখ্রবসু মপুং ফানা ফংবা ঙমখি।

ঐখোয়না মৈরা পায়বীগী পান্দমদি করিনো হায়না হংলবদি অহানবদা মরাল লৈজদবা মীশিংবু পুলিশ, সিফাই অমসুং পেরা মিলিটরি ফোর্স-শিংদগী কনবা হায়বসিনি। হৌখিবা চহি তরা-মাথোই তরানিথোইমুক্কী মনুংসিদা মনিপুরদা চরাং- নবা তং তাদবা পুন্সি মায়োক্নবদগী পুলিস, সিফাই অমসুং পেরা মিলিটরী ফোর্সকী মখুত্তা অসি আনা করাসু য়াওখি অমদি য়াওরি। মৈরাপায়বীনা অসিগুম্বা ফিভম অসিদগী মরাল লৈজদবা অচম্বা মী কয়াবু কনবা হায়বসিনা পান্দম ওইনা থোকরকখিবনি। অহানবা পান্দম অসিগা লোয়ননা মতমগী মতুংইন্না মৈরা পায়বীশিংনা য়ু থকপা থিংবা, ড্রগ চাবা জুব্বার শান্নবা থিংবা, মসিদা নওনা নুপী নুপাগী অকায়বা খুন্নাইদা চৎনদবা লমচৎ-শাজৎ কয়া থিংবগী থবক কয়াসু পায়খৎলি। মসিগী মথক্তা সহর অমসুং খুঙ্গংশিংগী মৈরা পায়বী শিংনা মফম অমসুং মতমগী মতুংইন্না খুন্নাইগী ওইবা চাওখৎপদা মতেং পাংবা থবক কয়াসু লৌখৎলি। সহরগী মৈরা পায়বীশিংনা'মরুপ' তৌদুনা মখোয় মশেলগী মরক্তা শেল থুমগী অব্বা অনা কয়াসু মতেং পাংনবা হোৎনরি। খুঙ্গংগী মৈরা পায়বীশিংনা লম অহাংবা লৈবা মফমশিংদা ইনশাং নাপী থাদুনা ময়ামগী ওইবা অচৌবা ফার্ম লিংখৎতুনা শোৎথনা লৈহৌরবা খুঙ্গংশিংবু শেল থুমগী হীরমদা চাওখৎপা পুরক্লবা হোৎনরি। শম্না হায়রবদা মনিপুর তম্পাক্কী মৈরা পায়বীশিংনা খুন্নাই- গী ওইবা ধর্ম্মনিতী, অর্থনিতীগী মরমদা অচৌবা থৌদাং অমা যারি হায়বসিনি। মথক্তা হায়জখ্রিবা পান্দমশিং অসি মতম মতমগী ওইনা মৈরা পায়-বীশিংনা খর খরদি খংবা ঙম্মী। অদুবু মপুং ফাবা পান্দমদি সরকারগী, মনিপুর খুন্নাইগী, মীয়ামগী মতেং ফংলবতদা ফংবা ঙমগনি।

## নুপীলান অমসুং মৈরা পায়বী ঈহৌগী খেন্নবা ঃ

নুপীলান অমসুং মৈরা পায়বী ঈহৌ অনি অসি ঐখোয়না চাংদম্ননা য়েংবদি খেন্নবা খরা ফংগনি। ইং শোক ১৯০৪ অমসুং ইং শোক ১৯৩৯ দা থোকখিবা নুপীলান অনিমক বৃটিশ সরকারগী মথক্তা হৌবা অকনবা নুপীগী ঈহৌ অমনি। মখোয়গী পান্দমদি মতম অদুদা লৈরম্বা মনিপুরগী খুন্নাইবু শেমদোকপা নত্রগা অনৌবা খুন্নাই অমা পুরকপা নত্তে। খুন্নাইসিগী হক্তা শিংনরকপা অমসুং মনিপুরগী মপান্দা চেং থাদোক-পা অদুগী মায়োক্তনি। বৃটিশকী চেং থাদোকপগি পোলিসি অদু অমদি খুন্নাইসিগী হক্তা শিংনরকপা অদু মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না শেমদোকপা অদুতনি।

হৌজিক্কী মৈরা পায়বীগী পান্দমদি মনিপুরগী হৌজিক লৈরিবা ডেমোক্রেসিগী লৈঙাক শাসনগী মথক্তা হকথেংননা হৌবা ঈহৌদি নত্তে। হোজিক্কী মনিপুরী খুন্নাইদা শেমদোকপা নত্রগা অনৌবা মওংগী খুন্নাই অমা শেমগৎপসু নত্তে। হান্না মনিপুরগী মরা তপ্পা ইংনা চিক্লা লৈজরম্বা খুন্নাই অদুদা অমুক হজ্জিন্নবা হোৎনরকপনি। মতাং অসিদনি ঐখোয়না পৃথিবীগী ভারতকী মফম অতৈদা হৌবা নুপীগী ঈহৌগা খেন্নরিবসি। অতোপ্পা মনিপুরগী মপান্দা হৌবা নুপীগী ঈহৌনা, লুহোংবা, সতি, নুপা–নুপী খায়নবা, নুপী লাইরিক তম্বা য়াহনবা, অউনপোৎ, নুপী লোনবা মরমশিং অসিগী মরমদনি। অদুগা মনিপুরগী নুপীগী ঈহৌনা ইতোপ তোপ্পা মনিপুর মীয়ামগী, খুন্নাইগী ওইবা হীরমদা নুপীগী ঈহৌ থোরকই।

নুপীলানগী মতমদগী হৌজিক্কী মৈরা পায়বীগী মতম ফাওবদ ঐখোয়না উরিবা অসি মনিপুরগী নুপীনা, মীয়াম্না লৈথোক্তে হায়বসিনি।লৈবাক্কী লুরবা চিরবা মতমদা, নুপীশিংনা কনামক্তা হায়-রুবা হৌনরুবা লৈতনা মীয়ামগী ওইবা ঈহৌ অমা থোরকই হায়বসিনি। চহী কয়া কান্নরবসু নুপীলানগী মতমদা লৈরম্বা নুপীশিংগী মথৌনা মরিংজেল অদুম লেংদনা লৈরি হায়বা তাকই। তৌবতবু হায়রিবা মথৌনা মরিংজেল অসি মফম, মতম অমসুং ডেমোক্রেসিগী লৈঙাক শাসন কয়াদা হৈশিংনা শিজিন্নবগী মথৌ তারকই। হৌজিক্কী মৈরা পায়বীশিংগী পান্দম অসি নুপীলান অনিমক্লা মতম খরগী মনুংদা ফংখিবা অদুগুম্নদি ফংগদবা নত্তে। মরমদি হৌজিক্কী ডেমোক্রেতিক ওইবা খুন্নাইদা নুপীশিংনা, মরু ওইনা মৈরা পায়বীনা কুপ্পা খঙদবা ঈচেল কয়া চেন্থরি। নুপীগী ঈহৌ অসি হীরম খুদিংমক্তা থুংনা শাগৎপা তাই। মৈরা পায়বীনা, মরু ওইনা লুচিংবীশিংনা হৌজিক্কী ডেমোক্রেসিগী লৈঙাক্কী মওংশিং মচা খায়ন পুন্না খঙবগী মথৌ তারকই। মৈরা পায়বীগী মনিপুরগী ওইবা অকনবা লুপ অমগী মথৌ লৈ। লোয়না লোয়ননা মনিপুরগী তোঙান তোঙনবা হীরমদা লুচিংবী ওইরিবী হায়বদি লাইরিক হৈবী, আইন খঙবী, লায়েংলিবী ডাক্তরশিং অমদি মনিপুরগী খুন্নাইগী মীয়ামগী মরক্তা থবক তৌরিবা এন, জি, ও শিং পুন্না চৎমিননবা, মতেং পাংনরগা অপুনবা অমগী পান্দমদা ময়াম পুন্না চংশিন- মিন্নরবদি মতমগী মতুংইন্না, হীরম কয়া মায়োক্ন-দুনা অচৌবা ঈহৌ অমা ওইনা মনিপুরগী খুন্নাইদা অফবা পুরক্তুনা মায়পাকপা ঙমগনি।

# হেনজুনহা অমাদি লাইরোৌরেম্বী গী নুংশি ব্রারি

## লৈশেম্বা তখেলম্বম

কেগে মোইরাং লৈবাক্তা মথং মথং ওইনা খোইয়ুম লাইনা নিংথৌ ওইদুনা পানবা হয়িচক্কী কুমশিং লোইরবদা লাংবনচক্কী কুমশিং লোইরবা লাংবনচক্কী কুমশিং ৩৩৬৫ সুবদা ননু তাইবংগী মীনা নিংথৌ ওইনা পানবা হৌই।

খোয়ুম লাইগী নোংদমখোলদগী কেগে মোইরাং লৈবাক্তা নুংশি শাইওন অনিখক খোংদারকখি মখোয়শিং অদুদি লাংলেন হনবা ১দি খোইদোম লুখ্রাবীগি পলেম পম্থৌ অনিগী অমত্ত ঙাইজরবা মপারিনি নাইতোম পানবা তাউজিং হৈদোমপোককুম্না মশক মতৌ চংখোনবা শওংশাদ অতাংবা মাঙ্গোদগী হেনবা কনাসু লৈতে পারিগী কোলোয় মিংলেন হেঞ্জুনহা হায়না মিংথোল্লে। সায়োন অমনি কেগে খোয়য়ুম লৈকায়দা লৈবা মোইরাং লৈবাক্কী অঙম্বা নিংঙোল লাকপা খোউজু হোংবগী মমোম মথক্তা মচেম শাৎতবী মখাদা মনাও পোমদবী লাংবন চেংগুম গুম্না পন্দোমগুম্না তোমশাৎনবী মখাদ মনাও পোক্তবী লাংবন থোংনো লাইরমলেম্বীগি শাইওননি।

অসুম্না খোইয়ুম লাইগী নোংদম খোনদগী নুরা পাখং অনিসে নোংমা নোংমাগি শারেপ কাংদোন ফারকখি কৈরোল লৈকায়গী শাংমান লেংমান্নবা মমানবশিং হৌমিন কামিন্নরকপাশিংনা মখোয় উবদা য়েংনিংদবা য়াওরমদে। মখোয় অনিবু পোকপা পলেম পম্থৌশিংসু অৎয়ুমআত থোকপা শজিকগুম্না নুমিদাংগী থবানগুম্না য়েংজখি। হেঞ্জু অমদি লাইরৌলেম্বী যৌবনগী পুন্সি হায়বদো লাক্লবদি নোংমা লমতা থাগি থাংজনুমিত্তা লাইরৌলেম্বীগি শঙ্গায়দা তাঙলৌ অহিং অথেংবদা লাকউ হায়নাখিবদগী মশাবী উনিংবনা পলেম মমাগী য়াথং হীতোক্কুনা লাইরৌলেম্বীগি য়ুমদা খোংদাইরকখি নুংশি মসুং লাঙগিদমক্তা অদুবু লাইবক থিবা থৌদোক ওইরে। নুমিৎ অসি লমতাগী থাংজনি নুমিৎ অসি লাই কোটি কুন্ত্রাহুমদোই খুনতিন্নবা নুমিথনি। অমত্তা পোকপী মমোম লাংলেন লাইরৌলেম্বীদি অব্রাৎ অপা লৈতনা চানিংবদা চাদুনা শেৎনিংবদা শেৎতুনা মনিং মখা তম্না পাল্লি। মতম অদুদগি কেগে মোইরাং লৈবাক্তা। নুরা মাগী শকমান্নবা ফজবী কুচু কুমেন লময়ৌবী শওং শাদা চুংখোনবী চনু নিংঙোল অতাংবনি কক্তা য়েংই ব্রাৎতবি কুচু য়েংই লময়ৌবী শেৎলি চারিমখৈ পকচবী ব্রাঙাং ব্রাতা নুংশিবী য়েংথোরকপা মিৎয়েং শুমহৎপী নুংশি তনৌ তনৌবী চেদা য়েকপা লাইগুম্বী নাইতোম শাৎপী লৈরাংগুম্বী নুরা থম্বাল মানবী থোংনা লাইরৌলেম্বীনি। নুরা মাগা পাগদবা শিংঙেল লৈরাংদি লোইবী চিংশাং নাপোম লৈ চীংঙাই হেন্নলৈ। নিঙোল মপা ঙান্নালৈ শিঙেল ম-উ তবনা পামেন উগী মওংনি লৈরাং লৈনা শংবনা অশংবা হেন্না কুন্দো লৈ লৈরাং ঙেম্মা শাৎপনা লুপা মানবা লৈ শিংঙেল ঙাংঙু ঙাংবালৈ। লৈরাং শংঙু য়ুবীলৈ শিঙেল লৈখোকনা নইবনে লৈরাং লৈতোন পুংমনে মালং ফৌয়োম ইন্দবী তাইবং খোঞ্জেল তারগা লিংঙেল মদোম হাইবলৈ কৌরৌ মৈশা লাংলগা লৈরাং খোয়য়ুমচন্দবা লৈ ব্রাখল মৈশা খাংলগা শিংঙেল লৈশা হেনবা লৈ শাবি শানৌ কয়া মমল থানরৈ কুম্বদা কয়া থক্তা হেনবা লৈ করৌ থক্তা ঙানবা লৈ অথেবা থাগী লৈচিল্লক্তা শিঙেল মায়োকনা শাৎপা লৈ লৈরাং কোলোয় মিংলেদি শিংঙেল নৌব্রা মমোমলোই শিনৌ লশিং লৈরাংগুম্না ইনেমচানি। নোংমা মোইরাং হাইহুল্লি তুরেন নৌব্রা হিদেন্দা লাইরৌ লেম্বী ইবেম্মগী মায়োকনৌ মাতা অনিবা চেংগী শাম্বাল লাংদুনালৈরিঙৈদা পাখং হেঞ্জুনহানা লায়রবনা লঙারি হি তোংদুনা।

হল্লকপদা ইরোইদুনা শান্নরিবা নুরাগি নুংশি চেংলৌ শক্তম উরুবদা পাখং হায়দোক্কুনা চৎপা ঙমদ্রে শজি মিতা ঙমজবী খোইরুম মিনোক শুমহৎপী নুরাগী মিৎয়েংদু পাখংগী থম্মোয় হুখ্রবই হেঞ্জুনহানা লূকাই হী পুরগা চৎপা ঙমখিদ্রে অদুগা লাইরৌলেম্বীসু পাখং মাবু লোন্না য়েংদুনা লৈখ্রে। চিংঙুনা পুনখ্রবা লৈপুন্নি খোয়য়ুন্না য়োমখ্রবা খয়োমনি উমবদা নুংশিনখি য়েংনবদা পেন্নাখি নুংশি পুকনিং খোয়দাজখি অপামইরাং হুনখি লাইরোইলেম্বী মাতারোইনা খোয়দবা লৈরাং য়াওরবদি ইচেমলক্তা। পাউ থাবিরকউ ইনমলক্তা পাউদমবিরকউ নিঙোল চাদা পাউদমজগে খোয়নৌ মাতাগী য়াব্রা মপাউ তারগা লাইরৌলেম্বীগি ইবেম্মা চিংঙু থাংজিং লাইবু চেৎনা থৌগন্নদুনা শকখংদবা পাখং মহাক্কা নুংশি লৈপুন ওইজগে চিংঙু নংনা কুম্বিয়ূ। খোয়য়ুম নংনা নোংদমবিয়ু নুরাগি পুকনিংনা চপয়ুংনা লেপখ্রে। লাইরৌলেম্বীসু তুরেন্দগী কাখৎলক্লে য়াম্না চৎনিং চৎনিংদনা মতাশিংগী মতুং ইনখি পাখং হেঞ্জুনহাসু নরা মনেমমচা চৎখিবা মাইকৈদা নুংবংন্ননা য়েংদুনা লৈহৌখি। চিংঙু মাগী নোংদমখোল নোংমা কৌরৌ নুমিৎ অয়ুক জেন্দা অঙনবদা লাইরৌলেম্বীনা লাকপিনবা হেঞ্জুনহাগী মফমদা। লৈ হৈক্কনি হায়বা ফাওবা যাওনওে। চৎন-চৎনা লম্বীদা নুরা পাখঙ অনিদো লোন্না-লোন্না য়েংনজৈ পুক্লিং ব্রাদি অরোনবা নুংশি যাব্রা কয়াবু ফোঙদোক্কে খনলকই। ইবেম্মা ঙসি কোরৌ নোঙদ্রি শানৌ নঙগী নফমদা পুক্লিং ব্রাদি অরোনবা পাইমা নুংগী য়াব্রাবু ফোঙদোকচনিংববু মানজা নঙবু লোয়ুম্বা লৈরাংগী মপোক্তা পেকচনি নিঙোল শানৌ ইবেম্মা নুংশিবী নুংশি চেংলৌ উবদা পাখং থম্মোয় নুঙোন্না নুঙশিবনা হানলুরে শখংবনা কোনলুরেদো। পাখংনা পুক্লিং লেপ্পীরবদি নিঙোল শমায় লৈজরোই মানজা নহাক্লা

লেংদবা পামেল গুম্না নুরা ইনাক্ত লেপ্লীয়ু শিংঙেন লৈশক খংদনা নুংশি ইখৌ লাংদুনা পাইমা নুংদা ওমচাকন্না য়াদৌয়ে। নুরাগী মপাও তারগা পাখং পুক্লিং পেনখ্রবোই। কোরৌ থক্তা ঙানলিবা য়োইমনা তাউদল ঙানবা চিঙু মামা পালেপসনু নুরা নসুং-লানগীদমক্তা পাখং সমাই লৈজরোই য়াইবী থব্রাই থাজগে। পুক্লিং অরোনবা নুংশি য়াবা থম্মোইবু পুকমেন পাওমেন্নসি সাবী সানৌ অনিদো অপাম কাদা ব্রাইথুংনসি নুঙশি কাদা য়ৌমিন্নশি হাইদুনা সরী ব্রাশক পন্দোম লোম্নরে পলেম ইমা অপোকপী নমোম লাইবক চাওবীবু পন্থোগী য়াথং ইনদে খনবীনু মপোক লাংওন অসিমদি অপাম কাদা থুংনশি নুংশি কাদা য়ৌমিন্নসি চিঙু থাংজিং লাইবু পনলেপ্পা পাখং মাদা সরি পন্দোম লোম্নখ্রে সানৌ ইবেম্মা নুংশিবী নুরানদি মানজা নিঙোল কাদা পাখং ঐবু ব্রানা ঙাইরমগনিদো ইচিক ইহুন তম পুন্না য়াইমুক চিখরে নুরাগী পাইমা নুংদা মওন মওন খনলক্লে অব্রাবনা পনদোম লোমলক্লে মীৎলু পীরাংনা থুমহৎলে নুরা পাখং অনিগী অব্রাবা কোকহনলগে খোয়মু তেংবাংবিগে খনলক্লে সজিক গুম্না ঙানলুরো থবা গুম্না থোক্লুরো হাইদুনা চিঙুনা শেমখ্রবা লৈপুন্নি খোয়ুম্না য়োমখ্রবা খায়োমনি নুংশি পরৈ হনফরোই অপাম লঙলা য়েংলক্লে নমু তাইবং মীসু খরাই থোঙ্গাল ব্রাংমা লানফদে নুমিৎনি হেনজুনহানা মপানা থম্নম্বা কাংজৈ য়াইহু পাইদুনা লাক্লে লমলোং অহুম ফাংবদা লাই কোটি ৩৩ না খুনদিন্নফমদা চংলুরে লাইময়াম্না চাকলুক-লা থারকপা ফমলুরে লাইয়াম্না য়েনলক্পা পোৎতু য়েংলুরে লাইয়াম্না য়েনলক্পা পোৎতু য়েংলুবদা ননুতাইবংমীগী খুৎশা ওইরম্বদগী ইস হাইদুনা চেনলকপদা লাইয়াম্না শাওদুনা ঙসিগী নুমিৎতা লাইয়াম না খুনদিন্নরিঙৈদো ননু তাইবং মীরা কনানো হে য়েংশি তানৌ ফাসি হাইদুনা লাইয়াম হুপ্পুনা মাইগৈ শলাই খংদনা তান্নরকলে হেনজুনহা না মাগিকাংজৈ য়াইহুদা হাই-হাইদুনা চেনলকপদা লাইয়ামনদি চংবা ঙমদ্রে অদুবু লাইয়ামনদি পল্লোন শানা কোউশিনখ্রবদা। লাইরৌলেম্বী কৌদুনা পাখং গী য়াব্রা ইপাও খোল তারবদি হাইদুনা খরাই থোঙ্গাল গী শম্থোং কোম্থোং লান্নবা হোৎনরিঙৈদো কাংজৈ য়াইহু তাহৌরে লাইয়াম্না হেনজুনহা বু তানশিনলকপদগী লাইরৌলেম্বী গী খরাই মোংবা মরান য়াইগী তান্না চেনলকলে। চরাগী পৌরোল শাৎ থোজি নাতৈ কাংদুনা পলেম পন্থো খংহন্দনা চিক্লা চাগুন্না থোরক্লো লাওজখি। লাইরৌলেম্বী গী মোংবা মরান য়াইগী চুরি তাফমদা লাইয়াম্না য়াইবী থব্রায় লৌখ্রে। সাবী ইবুঙো নুংশিবা থংলেন মানজা পামুবা ননাও লাইবক চাওবীনা ব্রাংলেন মীকুপ খরদং পামু নঙবু ঙাইজরম্নবদি য়াইবী থব্রাই মাঙলমলোইদবনি মীৎলু তরং ইরা হৌ মখোন হোক্লা তেংথারক্লে নশাবীনা খোমলাং তোইনা কৌরিবসে তারিবরা হাইদুনা নোংখোংবগুম্না তেংথারক্লে মশাবীগীমতুং ইনসি ইনঙমদা পলেম পাম্থৌ থাদোক্লুনা চৎশি চৎঙমদা নুঙ অনিগী মরক্তা হা ওইরে অব্রাবা ইপাক্তা ইরাক্লরে ব্রাখন লম্মুকনরে লাইরৌলেম্বী গী পলেম পম্থৌ অনিনা খোমলেন মীকপ থোরক্লুনা মনোম লাঙলেন অমত্তা পোকচবী মচাগী নুঙশিরবা খোন্‌জেলনা মীচিক মীরাওখোনতাদ্রবা থেংলবা অহিং তাংলৌ অসিদা তেংথোরকপদা করমনো হাইদুনা চেনশিন্দুনা কোনখৎলে ইস কেগে মোইরাং কনাগী য়াইফববু হাইগদ্রা নত্রগা কনাগী য়াইফবী ওইগদ্রা পলেম পম্থৌ কনাগী য়েৎকী লমদাংনো ইপানা য়েংবদা অচম্বা মী মানদে ইচাসে।

হেনজুনহা না লেমলৈ ঙাগুন্না অমদি লারৈ লা লফু লাতুপ তাবগুন্না তাদুনা লৈরিবা হেনজুনহাবু য়েংদুনা লৈরে মমোম লাংললেনগী মতৌ য়েংলগা অমুক্তা হেন্না থম্মোই শোক্লা নিঙমদনা মখোন থোক্লা কপলকলে। পুর্ণিমা থাজগুম্নবা লাইরৌরেম্বীগী মাইথোং থম্বালসু অশাবা পীরাংনা অমদি লুপা মচ মানলবা লিকলাংগুম্নবা পীরাংশিংনা পুমলুপ লুপখ্রে অসুম তৌনা বিধিগী নোংদম্না কনমনখীবনা লাইরৌরেম্বী অমদি হেনজুনহা গী পুন্সি গী অরোইবা মীৎকুপগী নুংশি পম্থুং য়ৌরমদাইদা তৎখ্রবা লংলাগুম্না বিধিনা নোংদম থীনা তমলম্নে। মপাং কাইনরবা চেক্লাগুম্না কঙাওননা লৈহৌরে। হনলক্লরোইদবা চৎখিবা খোংচৎ অমা য়েংবগুম্না নিঙমদনা য়েংদুনা লৈহৌরে। মখোয় অনিনা কেগে মোইরাং লৈপাক্তা খোয়ুম্না শায়োন অমা ওইনা থারকখিবা ওইরবগনি অসুম্না শায়োন মথং-মথং লাক্লুনা কেগে মোইরাং লৈপাক খুমন পুংদা পুরেম্বা অমদি ঙাংখৌলেম গী মপারি নোংয়াই খম্বা অমদি চিংখুবা জুবরাজ মহারাজ গী মচা অমত্তা পোকচবী মমোম লাংলেন চরৈহান থৌইবীসু লাংওন ওহনা কেগে মোহরাং লৈপাক্তা ইবুধৌ থাংজিং গী লিলা য়াওবা খোংদারকখি। নোংমা থাংজিংনা নখোয় অনিগী লিলা মপুং ফারে হনলক্লো হায়না কৌরবদা থোইবীনা খরা তপথবা য়ারোইদ্রা হাইনা হংবদা তাংজিং মমাই ঙাংখি হাইরি থোইবী না মবুঙো খম্বদা ঙসিদি কোইথোকপীরগনু হাইজবদা খম্বনা য়াদবদগী সন্ধ্যা কোইথোকখি হনজিনলকপ মতমদা খম্বনা থোইবীগী মতৌ য়েংগে হাইদুনা পাম্বা কৈ শারগা লক্লবদা থোইবীনা মতম অদুদা তরা লুকোই থোঙদুনা লৈরিঙৈ মতমদা থোইবীনা ঐনা অশেংবা শক্তি মক্তা ওইরবদি ঐনা পাইরিবা শোরি অসিনা লংবদা পানলো পাম্বা কৈদা হাইদুনা লংলকপদা পাম্বা কৈ ওইরমদবনা মবুঙো খম্বদা ওইনা পানলমলে চংশিন্দুনা য়েংবা মতমদদি নোংয়াই খম্বানা য়াইবী থব্রায় য়াওরমদ্রবদা ইস করমনো হায়দুনা মাগী মবুঙো খম্বা লৈত্রবদা ঐগী ইশ্বর মক্লি খনজরম্বা মহাক্লা লৈত্রবদা পুম্নমক অরেম্বা ওইরে খনলক্লুনা থোইবী মহাকসু মবুঙো খম্বাগী মনাক্তা লেপ্তুনা শোরিনা থিন্দুনা মহাকসু য়াইবী থরায় লৌজদুনা খম্বগী তুং ইনখ্রে। ঙসি ফাওবদা মোইরাঙ কঙলৈরোন্দা খম্বা অমদি থোইবীগী নুঙশি ব্রারিনা য়ুমথোং খুদিংদা কাওঙমদনা সনাগী পুকৈগুম্না ইরং-লংনালৈহৌরে। লাইহাক্তকতগী ঙসিফাওবদা মী গা লাইগা সম্নরিঙৈ মতমদগী হৌনা পোইরৈ-মৈতৈ সনা লৈপাক্তা লমতাগী ৫ নি পানবা থাংজা নুমিৎ অসিবু

লমতা থাংজা হাইনা খংনৈ। নুমিৎ অসিবু চহি কুমজা খুদিংগী লমলোং অহুম ফাংবা মফমদা পাংথোকই থৌরম অসি সনা কোনুংগী অমাইবা অমাইবী অঙম অথৌ শিংনসু লৈবাক্তী ওইনা থৌরম অসি য়াম্না চাওনা পাংথোকই কুম অমগী দোষা লাংবন ফত্তবা থৌদোক ব্যাথোক অমদি শা লান লাক্কদবা পুন্নমক হাওরে মখা পাংনা হোই লাওদুনা তিনমু লাইমু ফত্তবা লাইয়াম শিং চাকথাক পিদুনা হোই লাওনা তানথখি হাওরে মখা পাংনা। খুন অমগী ইমা-ইবেনশিংনা খাংদা খাচেৎ চেৎনা লাক্কুনা কোক্তা কোশেৎ য়েৎতুনা খনা-য়াঙকোক অমদা হৈরম তরেৎ লৈরম তরেৎ ঙারম তরেৎ লাংদ্রে মতোন তরেৎ হৈবিমনা শিংজু অমদি লাইগী ওইবা পোৎচৈ শিং শুনা হাপ্পুনা কুম অমগী লাই কোতি ৩৩ খুনদিন্নফম লমলোং ৩ ফাংবদা তিনমু লাইমু পুন্নমক শিংগী লাই চাকথাক থাদোকই চহি কুমজা খুদিংগী। লমদা থাংজা নুমিৎ অসিদা নুংথিগী মতমদা অহন লমন ইমা ইবেন শিংনা য়ুমগী মচা মগুশিংদা ইরু মাইথজবদা লাইতিন ওক্লদনবা ঙাপ্রম মহিনা ইরুজৌ হাইনা তাকপি। সন্ধ্যা মতম য়ৌশিনলকপদা মোংবা মরান য়াইদা লৈরিবা লাইনিংথৌ অমদি সনামহি গা লোইন্না ফুঙগা লাইরুনচিংবা মফমশিংদা নুমিৎতুদা থোংগদবা অনৌ অতেক অথুম অহাও শিং অথেন পোৎ সিদা -থিন্দুনা অমদি মৈতৈ ঙমু চঙ-চঙ লাওবা অহুম সু সিদা থিনবদা য়াওহনলি। নুমিৎঅদুদা দোষা লাংবনগী খেন সু য়েংলম্মী।

সন্ধ্যাগী মতম য়ৌরকপা মতমদা অহল-লম্নশিংনা মচা মগু শিংদা কোইথোক-খোতোকপা অমদি লৈকাই পানলানবা য়াদে হাইনা বারি লিবি। মখা তারকপা ওইনা পোইরৈ মৈতৈ সনা লৈপাক কংলৈপাক লাইগী লৈপাক লাইরেপাকনী হাইনরিবনি অব্যাং কৌব্র অসুপ্পা লাইয়াম খুদা অহানা চিংলোন মপাল না পোরোন খাবা চিংমীনা কোইনা পনঙাকপা রিতু তরুক্কা থৌগনলিবী পোইরৈ লমদমনি। স্বর্গগী হৈকোন লৈকোন গুন্না মনি মুক্তানা ঙানবগুন্না সনাগী তেংগোৎ কুন্না ফজরবা অশংবাতনা সনাগুন্নবা লৈবাকনি। লোকতাকনা সনাগী মীংশেন ওনরিবনি, কংলানা খোইদৌনী হাইনরিবনি। অকন অথৌ মমোম পোকপি ইমা মণিনি মতম অমদা অব্যাৎ অপা লৈরমদে শেৎনিংবদা শেৎ চানিংবদা চারম্মী খুয়া তুশিৎনা পানলম্মী। লায়ামশিংগী খুনদিন্নফম হৌজিক ফাওবা লৈরি কৌব্রনা লেমফুনি হাইরিবা সনজিংগুন্না ব্যাংলবা মফম অসিদা লাইয়ামশিংনা খুনদিন্নবদা ফমলম্বগী মোরা হৌজিক ফাওবা চরোৎ হাবুং ওইনা হৌরি। অসিননি লাইরৈপাক হাইনরিবসি আ! মৈহৌরোলদগী হৌজিক ফাওবা ইনাৎপু য়াম্না কন্না ঙাকশেন্দুনা লৈরিবা অদ্রো হাইরিবা খুন অসিদা পানম ইপা নিংথৌগী লাইশং অমা লৈ লাইশং অসিদা নুমিৎ খুদিংগী মী অমামম পালি নাইদুনা শিং ইনশিল্লি মৈহৌরোলদগী হৌনা মৈ মুৎত্তনবা। মৈ অসিগী উট শিং অসি কনাগুম্বনা ইশিং অশেংবদা থারগা থকপদা লাইথুং লাইনা কোকই হায়না হাইনরি। মৈহৌরোলদগী লৈরকপা অসি অতোপ্পা মালেমগী লৈপাকশিংদা লৈরমগনি হাইদুনা থাজদে পোইরৈ মৈতৈ সনা লৈবাক্তা মাগী মাগী কৈরোই লৈকাইশিংদা অমদি খুনশিংদা কোনলিবা লাইনিংথৌ লাইরেম্বী উমংলাইশিংনা লৈকায় অদুদা মচা মনাই শিংবু অহিং নুংথিন খাক্তনা করিদা শোইখিগদগে  হাইদুনা চিখোন নাওকোনবীদুনা তিমু লাইমু ফৎতবা পুন্নমক ঙাকথোকপী মতম চাদনা মোংবা মরানয়াইদা হনলকপদা য়াম্না কিররুবা মতমদা লৈকাই অদুদা কোনলিবা লাইনিং থৌ লাইরেম্বীনা মীগী শায়োন ওনথোকতুনা ময়ুম ফাওবা থিনবী হায়না থাজনৈ। পুন্না সনালৈবাক অসিদা লৈরিবা উমংলাই ৩৬৫ বু  ঙসিফাওদা ইরাৎ-থৌনিদুনা লৈরি চহি কুমজা খুদিংগী মাগী মাগী কৈরোয়-লৈকায় শিংদা হরাও মথোই কাদুনা লাইজা ইরোননুংদগী মাইবা মাইবীনা লৈমাং ফমদুনা লাই-ইকৌদুনা য়ৌবোটি মথোৎ কারকপা য়েংবদা ফজবা য়োবোন শিংনা লাই ইকৌবদু য়াওই। অমাইবা-অমাইবীনা ইশাইফু অদু নহা ওইরিবা ফজরবা পাখং শিং অদুদা ফিগাও সানা হাপতুনা পাইদুনা ঈশৈ শকপা পেনাওজা শিংনা নুংশিরবা পেনা খোংদুনা ধোন পুং য়েদুনা থাং-চুঙ্গোই পাইদুনা পে খন্দুনা য়ন্না বানা ইশিংদগী পুখৎলকই খোয়ুমলাইশিংবু ইরাৎ থৌনিবগীদমক্তা। মচা মনাই শিংনা লাইশঙদা থমই পুরকপা মতমদা পুরক্লিবা ইশ্বোর দুনা অমুক খংকুম লুমথরক খংয়াং য়াংবা মনাইশিংদা লাই কুম্মৈ (লাইশান্নবা) তৌই। লাইশংদা য়ৌরবা মতুংদা আমাইবা অমাইবি অহন লমন ইমা ইবেনশিংনা ইবুঙো ইবেম্মাবু লেংশিনলবা মতুংদা মাগী মাগী ঙমজবা হৈ-রা অথুম-অহাও ময়াম অমা চরৈ ফিনা চিংবা কৎনরি। অয়াম্বনালাইদা কৎপা মতমদা তরেৎনা খুজিং ওইরগা কৎনৈ লফোই লফাঙ কৎলবসু চঙথোকপা কৎলি লাংদ্রে মতোন কৎলবসু তরেৎ না খুজিং ওইবা অয়াম্বনা কৎলি য়াম্না থম্মোয় শেংনা ইশ্বোর দা কৎপা মতমদা হৈ লৈ মনা অমতং ওইরবসু মীৎলুগী পিরাংগা লোয়ননা কৎলবদি মমল মৈতে নুপা লাক লাক কৎপদগি মমল হেনলী হাইনৈ মতাং অসুব্যাইদা পননিংবা অমনা লাই তিন খুরুম্বদা তরেৎ না খুজিং ওইদুনা কৎলিবসি অখং অহৈ ওজা গুরু শিংনা থম্বীবদা য়াম্না অর্থ লৈবা ব্যাফমনি হাইনা থম্মী। খুদম ওইনা হাইরবদা হৈরম তরেৎ লৈরম তরেৎ চয়োম তরেৎ তরেৎ/তরেৎ না খুজং ওইবা পোৎ শিং অসি হেক লৈরিবা মখৈদি মালেম অসিদা পোইরৈ মৈতৈ সনা লৈপাক্তা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংমক কৈদৌনুংদসু মাংলোই হাইরি।

ব্যাফম অমনা ভারতকী হিন্দু সিফাই সিংনা পোইরৈ মৈতৈ সনা লৈবাক্তা লাক্লগা তিনখেৎ লাইখেৎ লাইরম তিনলম থওই ব্যাওইদবদগী মোংবা মরান য়াই (য়ুমদা) য়ৌবা ঙমদনা য়াইবি থব্যায় মাংখ্রে হাইরি।

# চহি তরেৎ খুনতাকপা অমসুং মৈতৈ ঐখোয়না তমজনিঙাই

## হাওবম নিপুন

বাহৌদোকঃ "চহি তরেৎ খুনতাকপা" মৈতৈ ঈজাতি ঐখোয়গী পুন্সিদ য়ামনা মরু ওইরবা পথাপ অমনি। চহি তরেৎ খুনতাকপা অসিদা-থমোয়দগী নুঙাইতবগ লোয়ন লোয়ননা ঈজাতি নুংশিবা, মৈতৈ মচা অমগি থাওনা লিংজেল, মানরবদি ফজরবা খুন্নায় অমা শাগৎপ ঙম্মি। অসিগুম্বা তঙাইফদরবা মৈতৈ ঐখোয়গি পুক্নিংদ অচেৎপা থাজবগ লোয়ননা নোহৌনা থওয়াই হাপিবনি হায়বসি য়ামনা হায়মনলোই।

**চহি তরেৎ খুনতাকপাঃ** মতমদুদা মনিপুরগী ইনিংথৌ মহারাজ চৌরজিৎ সিংনা প্রজা মিয়ামগী অচেৎপা থাজবগা লোয়ননা নিংথৌ খুবম চেৎশিলহনবগী থৌদক কয়াদা, মীতৈ নিংথৌ মচাশিংনা অমগা অমগী য়েংথিনরকপা, লিংজেল মানদবা, নিংথৌ খুবম মুন্নরকপা অদুদা অবাগী মতেং নিজবদা, অবানা মৈতৈগী অশোনবা খুদোংচাব তানজানি খল্লদুনা লাল তারকখি। অবাগী মশিং লাকপা ঙমদ্রবা অবা লাম্মী কয়ানা মনিপুরবু লৌশিলগে হায়না লান তরকখি।

অদুবু লাইবক থিবদী মতমদুদা নিংথৌ মচিন মনাও লিংজেল মানদবন, লালগী ফিরেপ লেপপদা মপুং ফাদবনা, অসিগুম্বা অসোন্না তানজাদুদা অবাগী অকনবা লান মাইয়োকপদা মীতে লাম্মীনা মাইপাকপা ঙমখিদে।

অসুম্না হে-লৈকোলনা লৈত্রেং ওইরবা, শাংবানবা মচুনা শক তাকলবা- ইমা লৈবাক মনিপুর ১৮১৯ ইং দগী অবানা খুদোমচশিনবা হৌখি। অবানা মনিপুর খুদোমচনশীনবগা লোইনা লোইনানা মীতৈ মীচম প্রজা কয়াবু ওৎনৈব হৌরকখি। অরোৎপা ওয়া লৌথকপগীদমক মীৎতা মোরোক অশুবা চাইশিনদূনা চৈরাগ পিখি হায়বসু ইতিহাসগী চেমায়দা উবা ফঙঙি। আসিগুম্বা ওৎ নৈব মরকতা লৈব ঙমদ্রদুনা আয়াম্বা মীপুম ইমা লৈবাক মনিপুর থাদোকতুনা মফম মফম কয়াদা কাছাড়, ত্রিপুরা, হৌজিক হৌজিক্কী বাংলাদেশরমদা খুনদারকখি।

অসুম্না মৈতৈ জাতি অসিবু মাঙহল্লগে খল্লদূনা মৈতৈগী ফিজেৎ লোনশা, অমসুং কালচারনা চিংবা ইকনোমিক্সতসু য়াম্না শোকসিনব হৌরকখি। অসুম্না অবানা মনিপুরদা ১৮১৯ ইংদগী ১৮২৬ ইং ফাওবা মনিপুরবু লৌশিন্দুনা চহি তরেৎ চুপ্পা ওৎ নৈখি। হায়রিবা মতমসিবু (১৮১৯-১৮২৬ ইং) ইতিহাসগী চেমায়দা "চহি তরেৎ খুনতাকপা" হায়না ইদুনা লৈরি।

**নিংথৌ খুবম হঞ্জনবাঃ** অবাগী ওৎনৈবা মরকতা লৈবা ঙমদ্রদুনা-মহারাজ চৌরজিৎ, মহারাজ গম্ভীর সিং, নরসিংহ, হেরোচন্দ্রনা চিংবা ইনিংথৌশিংগা লোইননা মীতৈ প্রজা কয়াসু ঈরৈবাক মণিপুর থাদোকতুনা মফম মফম কয়াদা কাছাড়, ত্রিপুরা, হৌজিক হৌজিক্কী বাংলাদেশে রমদা খুনতারকখি। মথংদা মহারাজ চৌরজিৎ সিংনা বৃটিশতা চংজদুনা মখোয় মচিন-মনাও পুম্না সিলেট তানা য়ৌরকখি। মতমদুদা মনিপুরদা লৈহৌরিবা মীচম প্রজা কয়াবু অবানা ওৎ-নৈবা অসুম-অসুম হেনখল্লকখি। ঈজাতি নুংশিরবা মহারাজ গম্ভীর সিং মশাগী ওইবা খুদোংচাবা ফঙলবসু, লৈহৌরীবা মীচম প্রজা শিংনা অওয়াব ওইরে খুল্লুবদ মতম খুদিংদা মহারাজ গম্ভীর সিং থমোয়দা নুঙাইবা পোকখিদে। অসুম্না ঈজাতি নুংশিবনা মায়ায় চল্লদুনা বৃটিশকী মতেং লৌরগা মহারাজ গম্ভীর সিং অমুক্কা হন্না মৈতৈ লাম্মী শেমবা হৌখি। মৈতৈ মচা অমগি-থাওনা লিংজেল, লৌশিংনা, চিংবা মতিকচানা শেমলগা মহারাজ গম্ভীর সিংনা মনিপুরবু কল্লগে হায়না অবাগী মাইয়োকতা লান তাখি। লাল অদুদা মতিক মগুন মপুং ফারবা মীতৈ লাম্মীগী মখুৎতা অবাগী লাম্মীশিং লান মাইয়োকপদ খাঙবা ঙমদ্রদুনা কনানা হান্না মাঙ থানা চেল্লগা হিংবা ঙমগনি হায়বদা অবা লাম্মীশিং মনিপুর থাদোকতুনা চেনবা হৌখি। অসুম্না ১৮২৬ ইং কুমজাদা মনিপুরগী নিংথৌ খুবম হঞ্জনখি। মথংদা চহি খরা মহারাজ গম্ভীর সিংনা মনিপুর পাল্লমলগা ১৮৩৪ ইং জানুয়ারীগী তাং ৯ দা মহারাজ গম্ভীর সিং লোন্সখি। মহারাজ গম্ভীর সিংগী স্মৃতিগা মরি লৈননা অবা লান ঙম্বা অমসুং ঈজাতি নুংশিরবা ঈনিংথৌগী মফমদা ঈকায়খুম্নজবা উৎপগা লোইননা জানুয়ারিগী তাং ৯ নুমিৎসিদা মালেম অসিদা লৈবা মৈতৈ খুদিংমকনা "চহি তরেৎ খুনতাকপা" হায়না নিংশিং নুমিৎ পালন তৌবনি।

**ঈজাতি নুংশিবদা মতিকচারবা গম্ভীরসিং ঃ** "চহি তরেৎ খুনতাকপা" অসিদা মরু ওইনা য়েংশল্লুবদা মহারাজ গম্ভীর সিংবু ঈজাতি নুংশিবদা মতিকচারবা ইনিংথৌ অমা ওইনা উবা ফঙঙি। মহাক্না মশাগীদমক ওইনা নুঙাইবা পাম্বা মীওই অমা ওইরম-লবদি কৈদৌঙেদসু ঙসিগী মনিপুর মৈতৈ লৈপাক ওইনা উবা ফংঙমগদ্রা হায়নসু চিংনজে। মহারাজ গম্ভীর সিংনা ঈরৈবাক নিঙবা ওইখিবনা কায়থরবা মেতৈ প্রজা কয়াবু লিংজেল মাননা চৎপগী থৌদাং কয়া লৌরকখী। মহাক্না তশেং তশেংনা ঈরৈবাক ঈজাতি, নুংশিখিবনা-অবাগী অকনবা লান মাইপাকপা ওইখি।

**ঐখোয়না তমজনিঙাই অমসুং তৌগদবাঃ** মহারাজ গম্ভীর সিংনা ঈজাতি নুংশিবগী ঈচেল থব্রিবম্বা অসিবু, ঐখোয়না চপচনা তশেংনা লৌশিন্দুনা, সমাজকী চাওখৎ খোঙথাংদ শিজন্নরবদী খুন্নায় অসিগী মরেপ ওইরসু হেন্না চাওখৎলক্কনী হায়বসি ঐখোয় মৈতৈ খুদিংমককী অচেৎপা থাজবনি। অদুবু হৌজিক হৌজিক্কী মতমসিদা অচুম্বাবু নমথরগা অরানববু শৌগৎপীবা, চিন্না অমা ঙাঙলগা তৌথোকপনা অমা, তৌহৈদে হায়বদুত তৌনিঙবা অসিগুম্বাসিনা সমাজগী ফিরেপ ওইরবদি ইমা লৈবাকগীতমক, ঈজাতিগীতমক থওয়ায় কৎখরবা পালৌশিংনা কৈদৌঙেদসু ঐখোয়বু ঙাকপীফম থোকতে। অদুনা ঐখোয় হৌজিক তৌগদবন, লিংজেল মানবতাই লোইননা সমাজকী ফজবা ফিরেপ অমা লৌবদা ঐখোয় খুদিংমকনা চপচানা ফিরেপ লৌবা লাইরিক লাইসু মহে তমদুনা মৈতৈগী ইতিহাসপু খঙজনবা, ঈসাগী কালচারবু ঙাকনা চৎপা, অসিগুম্বা কয়াবু অপুনবা অমসুং মপুং ফান চৎলবদি, মালেম অসিদা লৈবা মৈতৈ ঐখোয়গী চাওখৎ খোঙথাং ওহোয়সু য়াঙসনগনি হায়বসি ময়েকনা তাদুনা লৈরবনি।

**বারোইবাঃ** চহি তরেৎ খুনতাকপদা মৈতৈ ঐখোয় মায়কৈ খঙদনা মালেমসিগী মফম কয়াদা চোইজাইনখ্রবনি। অসিগুম্বা ইতিহাসকী থৌদোকশিংদগী তমজনিঙাই ওইবা মচাক কয়া লৌশিন্দুনা সমাজ অসিগী য়াইফা লম্বৈলদা শিজিন্নরবদী মীতৈ খুন্নায় অমগী ফজবা লিংজেল অমা সোয়দনা পুরক্কনি অমসুং ঈজাতি নুংশিবা পাথৌশিংগি তৌবিমল মপুং ফাব ওইরগনি।



CS CamScanner

# পাম্বৈদা ঐ ৱাখল মতমগী রাফম

## (লাইনা কোক্লবা) এস.শোরেনশংবম

মতমগী ঈচেলদা তাওথরি চাওখৎপগী লমজেল। মপাল নাইদ্রবা মতমগী ইরোলনুংদা ইরাক্রদুনা সভ্যতাগী নিংশিংফুরা কয়া অদুমক মাংথি। অমুক্কসু শিংস্থানিঙাই ওইবা য়াবা ফুরা দালাল কয়াসু শেমগৎলি। প্রকৃতিগী অৱা নুঙাই য়াওলগী খুশেমদা তাইবং মীওইবা ১মসুং থৱাই পনবী খুদিংমক য়াওল খোংচৎকী মতুং ইন্না তাইবং পান্দা কাংলুপ পুম্বগী পন্থংফম অমত্তা ওইরবসু লৈশেমলোন গী (সৃষ্টিতত্ত্ব) তোঙান তোঙান্না ৱাখললোন পিনরি।

সিভিলাইজেশন গী মডেল ওইনা মালেমদা মীংচৎ উরং থিনবিরম্বী গ্রীক' সভ্যতাগী-কবি ৱাখোং মালেমগী মীওইবা জাতিনা ঙসি কাওনরক্তে। নৈনরুরাদি ঐখোয়না মসিমা খৎবা ঙামই খুদিংমক মশা-মশানা লোইশন খোমজিনাবিদবা ১মসুং মতমচানা প্রিজার্ব তৌবদবা অসিনা মরম ওই। মৈতৈ জাতি ঐখোয়গীসু পামহৈবা সানা হাক্ততা পুয়া মৈ থদোকখি-চৎনাপথাপ অয়াম্বা মাংহনখি হাইনরি। অদুমক ওইদুনসু থম্মোয়নুংদা শগোন্নরিবা চৎনালোন, ময়েকপু করম্না কাওথোক্পা, মুৎথৎপা ঙামগদবগ? য়াওলগী পালেপফম লৈএবা মালেমসিদা মীওইবা জাতিনা ধর্ম, লাইনিং লাইশোন, ময়েক শেংনা ঙাক্লরি ইকাইখুম্নরি। মৈতৈ ঐখোয়গীদি অদুমক ওইদুনসু চয়েৎনবা অমগী ঈরোল নুংদা ইরাকদুনা পলেপফম খংদনা ঙাওরি। ধর্ম হাইবসিমক জাতি অমগা থানবা য়াদ্রবা মরু ওইবা পাম্বৈ অমনি। মালেমদা রিঙোফনাইদ ওইরিবা শিংস্থনরিবা হিন্দু মুসলিম, বৌদ্ধ, খৃষ্টান চৎতবা লাইনিং লাইশোন ময়াম অমা লৈরি-অদু নিংতম্না চৎচনবা অধিকারসু লৈ'। মৈতৈ লৈবাক মৈত্রেবাকতা ১মাসুং মালেমদা চোইজাইন দুনা খুনদরিবা মেতৈশিংগী মনুংদা লাইনিং লাইশোননী (ধর্ম) চয়েৎনবা অমা উবা ফংই। মহারাজ চোরাইরোংবা সানা হাক্ততা মৈতৈগী ঈদা মীতোপকী ঈ য়ানশনখি হাইবা ইতিহাসনা হাইরি। ঈ-গী মরিদগী ইনিংথৌ পামহৈবা সানাহাক্ততা ইরৈপাকতা মৈতৈ অয়াম্বা ফোর্সলি হিন্দুনাইজেশন ওইখি।

সানামহি/অপোকপা লাইনিং লাইশোন মৈতৈগী য়েলহৌঙেদগী শাগোননরকপা ধর্মনি মসি য়েৎনদবনি। ইপুথৌ লাইওইখ্রবা মাইচৌ খোংনাংথবা, ৱাগোই লুখোই। অমসুং অতৈ অতৈ মাইচৌ শিংনা ইকাইখুম্না কংলা ৱায়েল, লৈপাক ৱায়েল কয়াদা শিজিন্নরম্বা চৎনলোন অসি জাতিগী শুরোন ঐখোয়না কাওথোক্পা ঙমলোই। খুদম ওইনা ঙসিসু মৈতৈ য়ুমথোং খুদিংদা সানামহি, অপোক্পা লাইনিং, চৎতবা মৈতৈ কনা য়াওরি। ধর্ম খুদিংমকপু ঐনা ইকাইখুম্নজে। তাংকক অসিদা ঐহাক্না ঐখোয়গী নহারোলশিংগী মীৎয়েং - থোইনা দায়িত্ব লৌবিগদবা এনতেলেকচুয়েলশিংদগী অচুম্বা পাওতক্কী মাকৈদা য়েংজরি কলম পাইবিগনি মরমদি কলম্না থাংদগী থৌবা হেল্লী।

হিন্দু লাইনিংদা মীংখৈ চন্দ্রিঙেদা মৈতৈ লৈপাকতা মশাগী ওইবা লাইনিং লাইশোন অমা লৈজরম্বী হাইবসি শেংলে। লৈরমলিবা অশেংবা লম্বী অসিবু থৌনা ময়েক শেংহনবদা চয়েৎনিঙাই লৈতে। ঐখোয়না ঐখোয়গী সমাজবু, জাতিবু নুংশিরবা-ইশাগী লাইনিং লাইশোন ধর্ম মশকখংবা তঙাইফদে। এশিয়াগী অৱাংনোংপোক ভারতকী চিদাইদা বাংলা তোম্মথিল ঙাললিবী মৈতৈ লৈপাক্কী নতোন নেম্বা, মীৎ খুবা মঙ্গোলীয়ান শাগৈগী মনুং চনবা ঐখোয়বু এরিয়ান গী ধারাগা মরি মতাই ওইজল্লে। আর্য বংশগী অকনবা ভীম, অর্জুন, ভীষ্ম কর্নগী ধারা ওইরুবদা মীতোপ্পা খুদোংচবা লৌবতা নৎতনা লাইনিং লাইশোন লম্বীদসু মীৎয়েং তৌবিরে য়াই থবিখ্রি। মৈতৈ ঙাওরী ঙসিসু হিন্দু লাইনিংদা লাইমিং লৌখ্রবা মৈতৈ হিন্দুশিংনা শ্রীকৃষ্ণগী সংকীওনগী মখা পোন্না মখল মথেলগী লাইকয়া ঈরাৎপুজা তৌনরি। অমারোমদা সানামহি/অপোক্পা লাইনিং লাইশোনগী মখা পোন্না ইমোইনু ইরাৎপা, লাইহারাওবা, থাবলচোংবা পাংথোক্লরি। মসিনা ঐখোয়দা লাইনিং লাইশোনগী লম্বীদা চয়েৎনবা লাংতক্লবা ৱাহং অমা পোকহল্লী। লাইনিংথৌ সানামহিগা ভগবান শ্রীকৃষ্ণগা করম্বা মরি মতাইনো? লাইনিং লমবেল অনি চৎপা জাতি মালেমগী মফম কদাইদসু উবা ফংদে, মৈতৈ নৎতনা। মসি নৈনবা ১মসুং চুমথোকপগী মতম চারে। মশা মশাগী লাইনিং লাইশোন চৎতবা করম্বা জাতি লৈবগে? লাইনিং লাইশোনগী (ধর্ম) লমবেল চুম্লবা জাতি অদুতনা জয়গী ফিরাল পাইবা ঙম্মী।

উজাও অমগী মরমদা ইংনা উরুম লাওলিবা খোংম্বী অমগি ধর্মদি নুংশিৎ নুংশাদগী কনবিরিবা পামেল অদুবু মক্কা লাম্না হিংহনবদা মতেং পাংবা অদুনি। ওইসনু সানামহি, হিন্দু মুসলিম, বৌদ্ধ, খৃষ্টান-থম্মোয় শেংনে। লাইনিং লাইশোন অমখকতা নিংজবা জাতি অদুতনা মহৈ চাবা ফংগনি হাইনৈ নৎএবদি শেক্পিগুম্না য়ানদুনা পুন্সিলেনবা তাঙাই ফদবা ৱাফম্নি।

মতমগী থৌনা ফরবা মৈতৈ ইমাগী মপারী মমোম ঐখোয়না কনাগী করিগীদমক থৱাই কৎথোক্কানি। অচুম্বাগিদমক কৎথোকপা মহৈ য়ানগনি। ঐগী, ইশা-ইশাগী অশেংবা লাইনিং লাইশোন, চৎনলোন ঙাক্পদা থৌনা পুথোক্পা, কৎথোক্পা তম্বা খক তারোই। মৈতৈ অয়াম্বা লাইচল্লনা চেল্লে। ওইনা লাইরোল চোইরোলসু ঙাংলে।

হিন্দুগী লাইনিং লাইশোনদা ঙাওদুনা লৈরিবা মৈতৈশিংদা য়ু-য়োনবা, থক্পা, হিন্দি ফিল্ম, ঈশৈ থিংবা মতমগী চানরবা খোংথাংনি থাগৎনিঙাইনি। অদুবু মীপাইনিঙাই ওইবা ৱাফমদি-মৈতৈ অপুম্বগি থম্মোয়নুংদা তারিবা ফিল্ম, ঈশৈ, য়ুদগী হেন্না ময়াই কারবা চৎনরোনগী চয়েৎনবা লাইনা অসিদি কননা থিংবিগনি? লহিনা অসি কোক্লনবা অরোইবা পাম্বৈ ওইনা "তুলসিমানা" নৎত্রগা "তাইরেনপুংফাইমনা" মশিজিন্নসি। মদুতনা জাতিগী মঙ্গল পুরকপা ঙমগনি আশা তৌই।



CS CamScanner

# ইম্ফালগী খোঙচত্তা [অহুমশুবা শরূক]

## এ.কে.শেরাম

জুনগী তাং ২৮। মনিপুরগী ইতিহাসতা শাথীনাময়েক লীরবা নুমিৎমনি। চহী খরগী মমাঙদা খৃষ্ট কুম ২০০১ গী জুন ১৮ মনিপুরী খুন্নায় নৌহৌননা অনৌবা মীকপ অমা থোকখি। মরৈবাক মরমদমবু থম্মোয়নুংদা লোৎনা নুংশিজরম্বা লোৎনা লাঞ্চরম্বদু মপান থোক্লা মকা লামকখি। ভারত সরকার অমসুং নাগা লালহৌবা কাঙলুপ অমগী মনুঙদা ইনখিবা সিজফায়ারগী মতাঙদা অরোনবা য়ান্নচে অমগীমতুঙ ইন্না মনিপুরগী ভমখৈ থুগাইবগী লৌনম লাং অমা শব্দোরক্রেবদা মনিপুরগী মীয়াম প্রজানা মনিপুরগী ভমখৈ কায়বা য়ারোই' হায়বগী অকম্বা খোলাউদা ইম্ফালগী শহর থক থক নিকহনখি। প্রজা মীয়ামগী থম্মোয়দগী থোরকপা অশাউবগী মৈরীনা তুম্না চাকথেকখি এসেম্ব্লী হোল। মীয়াম মমাঙদা খোঙগোইনখি রাজনীতিগী লল্লোনবা কয়া কয়াবু। ইম্ফালগী লৈরক-কোম্থোং পুমনিল নিলখি মীয়ামগী মমালৈপাক নুংশিবাগী নোংশা মীরাওখোলনা। মনিপুরগী ভমখৈ ভাকপনী অকম্বা ঈহৌসিদা থওয়ায়গী পোম্থা পিখি অথৌবা অথৌবী ১৮না। ঈহৌসিগী ঈপোম লৈভাকলোনগী পল লান্দুনা য়ৌরকখি বাংলাগী শংবানরবা তম্পাকতসু। বাংলাগী মনিপুরীশিংসু মনিপুরগী ভমখৈ কায়বা য়াবগী লাংক্রবা ফিবমসিদা তুমিন্না লৈথোকপা ভমখিদে। অদুনা মনিপুরগী ভমখৈ কাইহনবা য়ারোই হায়বা খোল্লাওদা অমসুং মণিপুরগী মীয়াম প্রজাগী মথক্তা মীত্তৎ মীনৈ তৌবগী মায়োক্তা জুনগী তাং ২২ দা সিলেটতা ইন্টিগ্রেটেড মনিপুরী এসোসিয়েশন (ইমা) বাংলাদেশ না কৌদুনা সংস্থান কয়াদংগী লুচিংবশিং য়াওনা তিনবা মীফম অমদা অকন্বা প্রতিবাদ তৌখি অমসুং থওয়ায়গী পোম্থা পিখ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংবু শ্রদ্ধা উৎথখি। লোয়না লোয়ননা জুনগী তাং ২৫ দা বাংলাদেশকী রাজধানী ঢাকাদা 'ইমা' গী লুচিং মখাদা অচৌবা র‍্যালী অমা পুথোক্লুনা ইম্ফালদা থোকখিবা জুন আপরাইজিংগী মতাংদা সরকারগী মীওৎ-মীনৈগী অকম্বা প্রতবিদ তৌখি অমসুং ইন্ডিয়ান হাই কমিশন, ফরেন মিনিষ্ট্রি অমসুং ইউএন অফিসনাচিংবদা মেমোরেন্ডাম না চিংবা পিশিনখি। জুন ১৮ গী থৌদোক অসিনা মনিপুরী খুন্নায়দা অদুক্কী মতীক অনৌবা ইহৌ অমসুং ঈনোৎ অমা পুরকখি মুদুদি সাহিত্যগী থাকতসু অনৌবা য়াওল অমা লাকখি। জুন ১৮ গী ইহুনগী মরীকতগী চোংথোরকখি মনিপুরী সাহিত্যগী লামায়দা শৈরেং কয়া ঈশৈ কয়া কয়া।

হন্দক ঐখোয়ানা মনিপুর চৎপগী মরু ওইবা পান্দমসু জুন ১৮ গী থৌরম অসিবু ওবজার্ব তৌবদা সবুক যাবা অমসুং বাংলাদেশকী মনিপুরী শিংগী মায়কৈদগী মনিপুরগী ভমখৈ ভাকপদা থওয়ায় কথোকখ্রবা অথৌবা-অথৌবী শিংগী নিংশিং খুভমদা শ্রদ্ধা কৎপনি। অমুক ঙম্না হৌগৎলগা ইরুজদুনা ফৈজোম পুময়াৎ শেৎলে। শেংলবা ওয়াখলগা লোয়নবা কেক্রুপাৎ তম্না খোঙশাল্লে, ঐখোয় ময়াম। খৃষ্টকুম ২০০১ গী জুন ১৮দা নুংশিরবা মমা লমদম মুনিপুরগী ভমখৈবু ভাকপগীদমক ইচংথৌনা চোংথোরক্লুনা থওয়ায় না পোম্থা পিখ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংগী নিংশিং-খুভমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বা চৎপনি। লম্বী চৎনা চৎনা ঐখোয়ানা তোংলিবা গাড়ীদুগী ক্যাসেটতা খোংলকই

"য়া- রো-ই- যা- রো-ই-য়া- রো-ই/ মনিপুরগী ভমখৈ কায়বা য়ারোই/ যা- রো-ই, যা-রো-ই/ ইমাগী শরুম কায়বা য়ারোই।/ হকচাং মচেৎ তারবসু/ ইরমদম মচেৎ তাহল্লোই/ শিংলিদা ঈ-না চেল্লিভৈ/ লৈতুম অমা চোইহল্লোই/ ইমা লৈপাক নুংশিজে/ উযুল ফাউবা পাম্মুজে।

মমা লমদমবু নুংশিদবা কনানো? অদুবু থৌনা ফবদি পুন্নমক মান্নদে। মমাবু নুংশিজবী মচা লাক্ষা কয়াগী মনুঙদগী ইচং থৌনা চোংথোক্লুনা থওয়ায় কথোকখ্রবা অথৌবা-অথৌবী ১৮দুবুদি মনিপুরগী ইতিহাসনা কৈদৌনুংদা কাউররোইদবনি। মখোয়গী সনা মিংলেনদী মুৎনাইদনা য়েক্লুনা লৈহৌরগদবনি মীরোল মীরোল কয়াগী থম্মোয়গী লামায়দা। ক্যাসেটতা মখা ঈশৈ শকথরকখি-

পোইরৈ ভমখৈ ভাকপদা
থওয়ায় হকচাং কৎখ্রবা
পারী নওয়া য়োইহেনবা
নখোয়গী থৌনা কাউররোই।
মৈনা ঈশিংনা চামদুনা
নখোয়গী মিংলেন মুৎলরোই।

গাড়ীদগী কুমথরগা মতেক'মা খোঙনা চৎলি। কেক্রুপাৎ মী-না ফিভৌ ফৌখ্রে অতৈসু মী পরেং পরেং লাক্লরি মায়কৈ মরীদগী। জুন ১৮ দা থওয়ায় কথোকখ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংগী নিংশিং খুভম পরেং শানা শাদুনা থম্লি। মীয়াম পুন্নমক্না চীং-লেম্বা পরেং নাইনা লেপ্লুনা মথং মথং হৈ- লৈ কৎলি নিংশিং খুভমশিংদা। মচা-মানাউ কাইনা মৈচাক্কী ফোং ফোং শারবা স্মৃতিনা থুম্মৎলবা মরী মতাই কয়ানা লাউ খোংনা কপ্পি নুংশিবা মীত্তইশিংদুবু নিংশিংদুনা। মিৎলুগী পিরাং শিন্থখিবা খঙহৌদে। কায়না মৈশা লাংলবা মীয়ামগী তেংথারোল-অওয়াবগী নুংশাশোরনা লুমথরকখি কেক্রুপাৎকী নুংশিৎ-অহাংবা আতিয়া। অথাপ্পা মাইককী খোঞ্জেলদগী ফাউরক্লি থম্মোয় নৌথোকহনবা ঈশৈগী সুর-

'লাইবক ফৈদা কেক্রপাৎ নঙসে
লাইফমলেন ওইরে লেপাকসিগী।
হৈকৎ-লৈকৎ লোইরগা গান্ধী মেমোরিয়েল হোলদা লাক্লে। 'মদুদা'



CS CamScanner

ওল মানিপুর ইউনাইটেড ক্লাবস ওর্গেনাইজেশন' (আমুকো) না শিল্লাংদুনা জুনগী ১৮ 'মনিপুর ইউনিটি ডে' পাংথোক্লি। হোলগী মমাঙদমুক শহীদ ওইখ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিংগী খুভমদা হৈকৎ-তম্মে। হাইফেৎ চাউবা হোলদু মী-না পিক থল্লি। মনুঙদা চন্দদুনা মপালদা প্যান্ডেল খন্দেক্লগা চেয়ার থানা মী ফম্নবা শিল্লি। মনুঙদা ডায়াসতা ঙাংনবা পুন্নমক লাইভ টেলিমার্ট তৌদুনা মপান্দা অচৌবা টেলিভিশন অনী/অহুম থিল্লগা ময়াদা য়েংহল্লি। আমুকোগী প্রেসিডেন্ট জগৎ থৌদামনা সভাপতি ওইনা পাংথোকখিবা 'মনিপুর য়ুনিটি ডে'গী থৌরমদুদা প্রেসিডিয়াম মেম্বার ওইনা ডায়াসতা লৈতেংখি -ডঃ এন সানাজাওবা, এস এমপি কিং গাংতে, রিটায়ার্ড অই এ এস প্রোঙো কৈশিং, রিটায়ার্ড আইপিএস পি গাংতে, রিটায়ার্ড প্রিন্সিপাল এমডি রিয়াজ উদ্দিন, আর চন্দ্র হাওমৈ,বুল্লা মার, থাম্বালজাও চোথে, রেভারেন্ত সিটলৌ, ইমা-বাংলাদেশকী চেয়ারম্যান এ.কে শেরাম, অতে ওয়া ঙাংখিবসিংদি প্রোফেসার ঙাঙোম মহেন্দ্র, থৌনাউজম ইবোয়াইমা, ডঃ লাইশ্রম ধনবীর, আমুকোগী সেক্রেটারী জেনারেল এনসি খুমন, বাংলাদেশ মনিপুরী সহিত্য সংসদকী সভাপতি শেরাম নিরঞ্জন, বাংলাদেশ মনিপুরী ছাত্র সমিতিগী জেনারেল সেক্রেটারী অয়েকপম বিজন-না চিংবা। রূপরাগকী শিল্পীশিংনা শৈহৌ ঈশৈ ওইনা লৈপাক নীংবা ঈশৈ শাকপিখি। থৌরমগী অহানবদা তিল্লিবা মীয়াম্না মিনিট অনী তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ইকাই খুম্নবা উৎখি থৌরমগা মরী লৈননা মনিপুরগী ঙমখৈ কন্ননবগী খোঙজংদা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুঙদা অমুকো-না খুদোল তমখি। অমুক পুঙ ১০ দগী হৌবা থৌরম অদো নুংথিল পুঙ ৫ ফাউবা কাইদনা চখখি।

নুমিদাং ওয়াইরমদা হোটেল প্রম্মেলেন্সিদা আমুকো অমসুং অতে লোয়নবা সংস্থানশিংগা বাংলাদেশতগী লাকপা 'ইন্টিগ্রেটেড মনিপুরী এসোসিয়েশন(ইমা) বাংলাদেশকী মনুঙ চনবা মেম্বার ওর্গেনাইজেশনশিংগা অপূনবা মীফমঅমা ফম্লি। ডঃ এন.সানাজাওবানা সভাপতি ওইবা থৌরমদুদা ইরাবোত ফাউন্ডেশনগী প্রেসিডেন্ট থৌনাউজম ইবোয়াইমা অমসুং ঐনা গেষ্ট অব ওনার ওইরে। মনিপুরগী মায়কৈদগী মরু ওইনা ওল মনিপুর য়ুনাইটেড ক্লাবস ওর্গেনাইজেশন (আমুকো), ওল মনিপুর, উইমেন্স ভলান্টারী এসোসিয়েশন (আমুভা), মনিপুর স্টুডেন্টস ফেডারেশন (এমএসএফ), মনিপুর ইউনিভার্সিটি স্টুডেন্টস ইউনিয়ন (মুসু), ন্যাশনাল রিসার্চ সেন্টার (এন আর সি) না চিংবা সংস্থানশিং অমসুং বাংলাদেশকী ইন্টিগ্রেটেড মনিপুরী এসোসিয়েশন (ইমা) বাংলাদেশ, মনিপুরী সম্প্রদায় কল্যান পরিষদ (মসকপ), বাংলাদেশ মানিপুরী সাহিত্য সংসদ (বামসাস) মনিপুরী সাংস্কৃতিক পরিষদ, বাংলাদেশ মনিপুরী, ছাত্র সমিতি (বামছাস), রামনগর মনিপুরী নুপী চাউখৎ খোঙথাং লূপ, আম্বরখানা সোস্যালফেয়ার এসোসিয়েশন (আমসফা) না চিংবা সংস্থানশিংগী মীহুৎশিংনা ওয়া ঙাংখি। ওয়ারোইশিন ওইনা ডঃ এন. সানাজাওবানা মনিপুর অমসুং মনিপুর মপানদা লৈরিবা মনিপুরীশিংগী ফিবম য়াম্মা কুপ্পা নৈনদুনা জাতি অমা ওইনা মপুঙ ফানা হিংননবগীদমক মনিপুরীশিংগী তৌফম থোকপা থৌদাং কয়াগী মরমদা মাগী মমল লৈবা মোত ফোঙদোকপিখি।

জুনগী তাং ১৯ গী অয়ুক্তুদি লোক্তাক চৎপগী হরাওবদা ময়াম ইরাং লাংনরে। লোক্তাক মনিপুরগী খ্বাইদগী চাউরবা পাৎনি-মনিপুরগীতা নত্তে ভারত মনুংদা খ্বাইদগী চাউবনিসু হায়নৈ। মাইল ১৬ রোম হেন্না পাকই হায়নবা লোক্তাক য়েংবতা নত্তে মোইরাংদি মনিপুর ইতিহাসকী চংখোল্লবা তাঙ্কক অমনি। ইপুধৌ থাংজিংগী মন্দির, আই এন এ মেমোরিয়েল না চিংবা মনিপুরী নাৎ অমসুং ইতিহাসকী মচাক কয়াদং চংখোল্লা লৈরিবা মোইরাং অমসুং লোক্তাক চাউরবা ট্যুরিষ্ট এট্রাকশন অমনি। অয়ুক পুং ৬তা গাড়ী থাবগী ওয়ানি। অদুবু অয়ুক্তা ঙন্না হৌগৎনরগদি নোং পিদিৎ পিদিৎ চুরম্বা উবদা ময়ামগী পুক্নিং খরদিমকশিন্নরে। মনিপুরগী মিংচৎলবা কবি কয়াদং য়াওনা খরা থেংলপ্পা যাত্রা তৌরে লোক্তাক পাংনা লোক্তাককী সেন্দ্রাদা মনিপুরী সাহিত্য পরিষদ অমসুং আমুকো-সংস্থান অনীসিনা খুৎশন্নরগা কবি সম্মেলন অমা পাংখোকপগী ওয়ানি। মনিপুরী সাহিত্য পরিষদ, বিষ্ণুপুর মশা অমসুং কেগে খেঁজে লূপ, মোইরাংনা তেংবাংখি। লোক্তাক চৎপগী লম্বীদা উৎলৌদা চংদুনা এমপি শ্রী টিএচ চাউবগী ফিরোল ফিশাগী অমসুং শান্নবগী কমপ্লেকস য়েংঙি। ফিরোল কয়াদং লৈনরকপসু য়াওই। লোক্তাককী সেন্দ্রা য়ৌবদা মতমদি খরা থীনখরে। নোং হাংখ্রে। নুংশা মঙাল খরা খরা থোরক্লে। সেন্দ্রাগী চীংদোন্দা লেপ্পগা লোক্তাক য়েংথোকখিবদদি মাগী খমনাইদ্রবা ইশিংগী ইপাক, তাউদুনা লৈরিবা শংবানরবা ফুমগী মপাক মথক্তা শারিবা য়ুম-নুংশিংকা লোয়ননা হিগুম তাউদুনা চৎপা-লিরি শিংপা নুংশিংতা শংবানবা আতিয়াগী মমি তারবা লোক্তাককী শংবানবা ঈশিংদা হৌরিবা ইথক ঈপোম-পুন্নমক্লা থম্মোয় পুমগুম শুক্ষখ্রে। কল্পনাগী আনোক উপ্পবদি মোইরাং থোইবীনা মতারোইশিংগা লোয়ননা ইন চিংবগী দৃশ্য ফাউবা উবা ফংঙি। ঙহাক লৈরগা কবি সম্মেলন হৌরে। মনিপুরী সাহিত্য পরিষদকী সভাপতি কবি নোংথোম্বম কুঞ্জমোহননা সভাপতি ওইবা কবি সম্মেলন'দুদা মনিপুরগী কবি ২৯ অমসুং বাংলাদেশকী কবি ১৩ পুন্না কবি ৪২ শরূক য়াখি। মনিপুরগী শাক্লাইরব কবিশিংগী মনুঙদা শিংথানিঙায়দি-এন.কুঞ্জমোহন, বি. জয়ন্ত কুমার শর্মা, সালাম তোম্বা, যুগেশ্বর, ওয়াইখ্বা, মোইরাংথেম রাজেন্দ্র, রাজকুমার ভুবনস্না, নন্দ হৈক্রুজাম্বা, অরাম্বম মেমচৌবী, ক্ষেত্রিময়ুম সুবদনি, এল. ইবেমহল. জি. সানাতোম্বা শর্মা, থাংজম ইবোপিশক, দিলিপ ময়েংবম, রঘু লৈশাংথেম, প্রহলাদশর্মা, দোনেশ্বর, কোন্সম, শরতচান্দ থিয়াম, থিয়াম বীমাবতী। অদুগা বাংলাদেশকী কবিশিংনা -এ.কে.শেরাম, এল. পদ্মামনি দেবী, শেরাম নিরঞ্জন, নাম্ব্রম শংকর, এম. উত্তম সিংহ রতন, এন. যোগেশ্বর অপু, কৈশাম বীরলাল, মাইস্নাম রাজেশ, মুতুম অপু, পুথেম মিনতী দেবী, কৈশাম বিমল, অয়েকপম বিজন অমসুং খোঙাম চন্দ্রকীর্তি। কবি সম্মেলন লোইরকপদা খম্বা-থোইবী ডান্স ইন্সটিটিউটকী অর্টিস্ট অনীনা খম্বা থোইবী জগোই অমসুং লৈমা জগোই উৎপগা লোয়ননা মনিপুরগী আর্টিস্ট প্রিয়ারানী অমসুং বাংলাদেশকী আর্টিস্ট হিজম খুশী দেবীনা ঈশেগী খুদোল তমখি।

নুংথিল পুঙ অহুমদা হোটেল এক্সেলেন্সীদা ইম্ফালগী সাহিত্য

সংস্থান কয়াদংনা পূন্না রিসিপশান প্রোগ্রাম অমা শিনবগী ওয়ানি। মদু নংননবা হোৎনবদা সেন্দ্রাদা মনিপুরী সহিত্য পরিষদ, বিষ্ণুপুর মশা ফুরূপনা শিনবা চাকলেন পূন্না চামিন্নরগা ফজবগী চাক্তফম ওইরিবা প্রকৃতিগী মরানথাই লোক্তাকপাৎ অমসুং মানিপুরী ইতিহাসকী ময়েক লারবা খুদম মোইরাং থাদোক্তুনা য়াম্না তহা তহা ইস্ফাল পাংলকখি। পুঙম রীরোম তারে ঐখোয়না থুংঙবদা। ময়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরম্মে। রিশিপশন প্রোগ্রাম অসি মনিপুরগী শিংথানিঙায় ওইরবা সাহিত্যগী সংস্থান কয়দংনা পুনশিল্লগা শিনবনি। মনিপুরী সাহিত্য পরিষদ, নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি, নহারোল সাহিত্য সভা, রাইটার্স ফোরাম, লিটারারী সোসাইটি, লৈকোলনা চিংবা সংস্থান কয়ানা পূন্না শিনবা থৌরমসিদা ইস্ফালগী শক্লাইরবা কবি/সাহিত্যকার অয়াম্বা হয়ফেৎ শূনা তিল্লরে হায়বা যাই। ১৯৮১ ইংদা বাংলাদেশতা অহানবা ওইনা লেংথবিরক্লম্ব তুংদা ১৯৯৭ ইংদা'মুক বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদকী থৌরম অমা য়াউবা লাকপিরম্বা কবি এস. নীলবীর শাস্ত্রীসু মীফমদুদা লেংথবিরকখি। ঐজ্ঞা শাস্ত্রীনাঐবু হেক উবদা থোম্মায়দা চেজেৎ কোনশিনবিরগা মিৎলু পিরাং শিন্থনা নুংশিনা আশীর্বাদ তৌবখি। ঐজ্ঞাবু হেক উবদা থুক লাউবা'মা পোকখি। মরমদি ঐজ্ঞাদো হান্নদগী খরা শোন্না উরমই মনিপুরী সাহিত্যগী আতিয়াদা ময়েক লানা মঙাল ফুদোক্লিবা থওয়ানমিচাক্লম ঙান্থোইরিবা সাহিত্যকার এম.কে. বিনোদিনী, খাইদেম প্রমোদিনী, ডঃ প্রনতোম্বী, রাজকুমার ঝলজিৎ ডঃ আই.এস.কাঙজমনা চিংবা পুম্মমক শরূক য়াখি। মৈতৈপাঙন ইচিনাউশিংগী মনুঙদা থোয়দোক্লা শিংথানিঙায় ওইরবা সাহিত্যকার কয়ামুদ্দিন পুখ্রীময়ুমসু শরূক য়াখি মীফমদুদা অমসুং মমল লৈরবা লাইরিক কয়া খুদোল তম্বীরকখি। অদুবু য়াম্ন নুংঙাইতবদি ঐখোয়না ইস্ফালদগী হল্লকপগী খরনি মতুঙদা রোড এক্সিডেন্ট অমদা মৈতৈ পাঙন ফুরুপকীদা নওনা মনিপুরী সাহিত্যগী থোয়দোক্লা শিংথানিঙাই ওইরবা কবি মনিপুর ইমাগী অচানবা মপারী ঐগীনুংশিজরবা মরূপ কয়ামুদ্দিন পুখ্রীময়ুম তাইবং পুন্সি থাদোকখি। মাগী লৈখিদ্রবা আত্মা বেহেস্ত ফংবা ওইসনু। মনিপুরী সাহিত্য পরিষদকী সভাপতি নোংথোম্বম কুঞ্জমোহননা প্রিসাইড তৌরে। ডঃ এন তোম্বী অমসুং ঐনা ডায়াসতা গেস্ট অব ওনার ওইন লেংশিল্লে। নুমিদাং ওয়াইরম পুং ৬তা গভর্নরগী বার্তোননি। শুমাং লীলা য়েংবগী। অদুনা মতম খুয়ৌনবনা প্রোগ্রাম খরা তেনশিল্লে। ওয়া ঙাংবগী শরূক তেনশিন্দুনা রিশিপশনশিল্লাংবিবা সংস্থানশিংগী মাইকেদগী পূন্না নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিগী প্রেসিডেন্ট রা:কু: মনি সিংহনা অমসুং বাংলাদেশ ডেলিগেষ্টশিংগী মায়কৈদগী ঐনা ওয়া ঙাংঙে। মদুদগী সংস্থান কয়া অমসুং লন্নায়গী মায়কৈদগী মমল লৈরবা লাইরিক কয়াদং খুদোলওইনা তম্মে। নেপালী সাহিত্য পরিষদকী মায়কৈদগীসু নেপালী সাহিত্যগী লাইরিক কয়া খুদোল তম্বীরকখি। মদুগী মমাঙদসু তোঙান তোঙান্না হোটেল এক্সেলেন্সিদা লাক্লা উন্নবিদুনালাইরিক্কা খুদোল কয়াদং তম্বীরকখি মিংচৎলবা সাহিত্যকার হিজম গুনো, প্রোফেসার চোংথাম মনিহার, কবি থাংজম ইবোপিশক না চিংবা কবি সাহিত্যকার কয়াদংনা। ইস্ফালদা লাকচবগী ঐখোয়গী খ্বাইদগী লাইবকফবসি মনিপুরী জাতিগী হৌরকফম লমদম ওহরিবা মনিপুরগী মেইন স্ট্রীমদা লৈরিবা মীয়াম প্রজা, সরকার অমসুং মিডিয়াগী অমকপা লৈতব নুংশিবা অমসুং মমল নাইদ্রবা লাইরিক মপৈ মপৈ খুদোল ওইনা ফংজবসিনি।

রিসিপশন প্রোগ্রাম লোইবগা করিমত্তা পোথাদবমখৈ ফিরোল হোংদোক্তুনা রেডী ওইরগা গভর্ণরগী প্রোগ্রাম য়াউবা চৎলে। মনিপুর রাইফেলসকী ব্যানকুয়েট হোলদনি শুমাং লীলাগী থৌরাং শিল্লিবসে। আর্টস এন্ড কালচারগী মিনিস্টার ডাঃ এম.নরানা শিনবীবনি। মনিপুরগী য়াম্না কুইদ্রিবা অনৌবা গভর্ণর শ্রী অরবিন্দ দেব অমসুং মাগী লোইনবী শ্রী মতি মীনাকী দেবনা গেস্ট অব ওনার ওইনা শরূক য়ারে। গভর্ণরনা বাংলাদেশকী ডেলিগেটশিংবু তরাম্না ওকতুনা ইস্ফালদা ঐখোয়না লৈবা মতম নুংঙাইবা ওইসনু হায়না ফোঙদোকপিখি। লোয়না লোয়ননা মহাক্লা বাংলাদেশতা য়াম্না তাম্না লৈরিবা মনিপুরী শিংগী সংস্কৃতিগী শক্তম য়োকখৎপদা মনিপুর সরকারগী মায়কৈদগী তৌবা য়াবা তেংবাং পুম্নমক তৌগানি হায়না থাজবসু ফোঙদোকপিখি। ঐনা গভর্ণরবু মাগী পূকচেল চাউবা ওয়াহৈগীদমকতা খাগৎচবগা লোয়ননা হায়জখি মনিপুরসিদি ঐখোয়গী পোক্লফম লমদমমক নত্রবসু হৌরকফম লমদম ওইবনিনা ঐখোয়দি মতম 'পুম্বদা মনিপুর পাংনা য়েংদুনা লৈরিবনি। অদুনা হন্দক ঐখোয়না লাকচবসি ঐখোয়গী 'রুটস' থিবা লাকচবনি। মথংদা আর্টস এন্ড কালচারগী মন্ত্রী ডাঃ এম.নরা না নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিগী মীফমদা লউথোকপিখিবা মতুঙ ইন্না মনিপুরী ডিকশনারী পকেট অনী প্রেজেন্ট তৌবিরকখি। হায়রিবা ডিকশনারিসিনা মনিপুর মপান্দা লৈদুনা মনিপুরী লোন-সাহিত্য নৈনজরিবা ঐখোয়দদি অনৌবা মতেংমা ওইখি। ঙসি 'ইস্ফালগী খোঙচত্তা' ইবা মতমদসু মতাং মতাংদা হায়রিবা ডিকশনারি' সিগী মতেং লৌরকপা তাঞ্জাদা অমুক নৌহৌননা নিংশিংলকখি ডাঃ এম. নরাবু অমসুং মাগী মমল লৈরবা খুদোলসিগীদমক অমুক্কা হন্না ওজাসিগী মফমদা তৌবিমল খংবা ফোঙদোকচখি।

শুমাংলীলা হৌরে। শরৎচন্দ্রগী 'দেবদাস'নি ঙসিগী প্লে-সে-মৈতৈরোন্দা হন্দোকপা। উপন্যাস ওইনা দেবদাস য়াম্না তোইনা পাজখ্রে বাংলা লোনগী সিনোমাসু উজরে। হিন্দীনা শেম্বা দেবদাস সিনেমাসু উরে। অদুবু ঙসিগী শুমাং লীলাসিদি পুমনৌ নৌবা মখল 'মনি। শুমাং লীলাগী হেন্দোক থোয়দোকপা মওংমা'না শুমাং লীলাদা নুপী য়াউদে–নুপী শাবসু নিপানা। ঈশৈসু নিপানাঙাক শকই-নিপা খোন্থোক অমসুং নুপী খোন্থোক অনীমক্তা। অদুবু অঙকপদি নুপী শাবীশিংদো কয়ামুক্কী মতিক ফজৈ-নুপী মাল্লি হায়বদা নিপানা শাবনি হায়না মাংজৌননা লাউথোক লাউথোক্লা পার্বতী অমসুং চন্দ্রমুখী শাবীদো অওইবমক নুপী নত্তে হায়বা শুকথা থাজবা ঙমখিদে। অভিনয়গী শরূকসু য়াম্না ফৈ। দেবদাসকী উপন্যাস খরা তেনশিন্না-মীশিং লিকহল্লগা শুমাংলীলা ওইনা শেমদোকপনি। য়াম্না নিংথিজৈ-শুমাংলীলাগী পুঙ অনী মথাইরোমগী তাঞ্জাদো শুক্ষৎপা'মগা লোয়ননা ময়াম ঙক্ল য়েংনৈ। লোন খঙদ্রবসু প্লে অদো য়াম্না ফজৈ থম্মোয় হুবা ঙম্মি হায়না গভর্নরনসু থাগৎলম্মি। ওন্থোক্লা নুংঙাইবগী অপেনবা থম্মোয়মগা লোয়ননা হল্লকখি ঐখোয় হোটেল এক্সেলেন্সীদা ।

মথং মথং

# মী ওইগে ৱাশকখিবা বাবুজাউ

❑ শেরাম নিরঞ্জন ❑

বাবুজাউ য়াম্না ঈশৈ পামজবা মীওইনি। ঈশৈশকপদি হৈজদে। খোল্লেক-খোম্থোক, সুর-তালগী মরিকমা'ফাউ মশাদা নপচদবা হায়বদুনি। অদুবু ঈশৈ ঙংবদি তোকচদে। মহাক্কী সুর তৎলবা ঈশৈ তাবদা মহাক্কী লোয়নবী নুপীনা 'ভাল ভাল' হায়না ইতৎ তত্তনা করেম্নবী। ঙায়হাক্কী ওইনা খরা ইকায়রবসু বাবুজাউ থোয়দোক্লা নাচুথবিদে, ঈশৈ মখা' সুম শমথৈ। স্কুলদা তম্লিঙৈদো এনুয়েল পরীক্ষা ময়াদা লাইরিকতি ঔরাইদ্রদুনা ঈশৈগী লাইরিকতগী মা'না অপাম্বা ঈশৈশিং খাতাদা থাঙথলিঙৈদো মপানা থেংনরুবদগী খুবাক্কা খুনমগা মফম মরাং নাইদনা মমাই মমিৎ খঙদনা ফুজনখিবদো বাবুজাউ কাউদে। মহাক্কী নুপীনা করেম্নবা তারগা বাবুজাউনা খল্লি– 'ঈশৈগীদমক চৈ চাখিবা মীওইনি ঐ। ঈশৈদা কয়ামুক হাক্লা খোয়দাজবা মীওইনো হায়বসে অপংবী নুপী নঙনা খঙলম্মগদি অদুম্না করেম্মোয়দবনিকো করি তৌনি, জ্ঞান ৱাৎপননি। বারৌবা য়াদে।'

বাবুজাউগী ঈশৈগী ৱারী নত্তে ঐনা লিগদৌরিবসে, বাবুজাউগী ইমুং মনুংগী ৱারীসু নত্তে। বাবুজাউগী পোক্লফম খুঙ্গং মচা অদুগী ৱারীনি। অদুনা বাবুজাউনা ঈশৈ ঙংলিঙৈসিদা ঐখোয় মহাক্কী খুঙ্গং মচাদুদা চৎসি..........

বাবুজাউনা পোকপা বিশগাঁও লমদমগী পিক্লবা খুঙ্গংদুদা বাবুজাউ অনি সুই। বাবুজাউ অমদি হৌজিক লৈখিদ্রে। বাংলাদেশনা নিংতম্বগী চহী তরামুক মতুংদা নুঙায়না লৈরুরগে নতাগুম মহাক বাংলাদেশ থাদোক্তুনা মণিপুরদা খুল হোংখিবনি। বাংলাদেশ নিংতম্বগী চহী তরামঙামুক'সিদা খুল হোংবগী ঈহৌনা মকা ফন্না পাল্লম্বা বিশগাঁওগী মীতৈ খুঞ্জাসিং ইতাক তাকশিনখিবসি বাংলাদেশকী মীতৈ ঐখোয়গী য়াম্না শোকচিল্লবা মওং অমা ওইখি। নুঙায়গনি খন্দুনা পোক্লফম লমদম্বু থাদোক্তুনা চৎখিবা মখোয়দুগী ৱারীসি তোক্লেসি........

বাবুজাউগী খুঙ্গং অদো অচং অথৌ য়াম্না পোক্লম্বা খুঙ্গথনি হায়নৈ। অদুবু ঐখোয়গী বাবুজাউসে অঙাং ওইরিঙৈদো থোয়দোক্লা অচং অথৌ ওইগদবা মওং উখিদে (হৌজিকসু অক্ষানি)। পিক্লিঙৈদো চক মশাং অমা তুম্না খোৎলফাউ 'ঈ' ময়েক'সিমা ইবা ঙমখিদে হায়না মহাক্কী মচে অহলনা হায়খি। য়াম্না ইকায়বগী মওংনি। লাইরিক লাইশুদা খুদোং চাদ্রে, অদুদি শান্নবদা থৱায় য়াওরব্রা? মদুসু নত্তে। স্কুলগী এনুয়্যাল স্পোর্টসদা মীগী কুম্মেতা য়েংদুনা লাক্লবা বাবুজাউনি। পরীক্ষা ময়াদা ঈশৈ ইবগীদমক চৈ চাখিবা বাবুজাউবু ঐখোয় কুম্মৈ অমত্তফাউবদা ঈশৈ শকপা উখিদে। অদুদি বাবুজাউ মশাদা খঙ্গথনিঙায় হায়বা করিমত্তা লৈত্রবরা? মহাক্কী অফবা অমদি লৈ– মহাক লাইরিক পাবা য়াম্না থৱায় য়াওবা নিপামচানি। স্কুলগী লাইরিক নত্তে– নভেল, ৱারীনা চিংবনি মহাক্লা য়াম্না থৱায় য়াওনা পারিবদি। অঙাং ওইরিঙৈদো বাবুজাউবু পোকপা অহলদুনা ইতৎ তত্তনা মহাভারত-রামায়নগী ৱারীশিং মখোয়দা লিদুনা তাহনবি। বাবুজাউগী থম্মোয়দা চুশিন্দুনা লৈখি মহাভারতগী ৱারীশিং মতেক-মতেক। মহাক্লা শ্রেণী তরুক তম্লকপা মতমদদি মখোয়গী ময়ুমদা লৈবা কাশীরামদাসনা বাংলাদা হন্দোকপা মহাভারততা বাবুজাউগী থম্মোয় লুপখি। অর্থ পুন্নমক লৌখৎপা ঙমদ্রবসু নিংহন্নখিদে বাবুজাউ। অসুম অসুম হেনগৎলকখি বাবুজাউগী লাইরিক পানিংবগী ঈহৌ। অদুবু লাইরবা ইমুংগী অঙাং মহাক্লা লাইরিকতি কদায়দগী ফংলুনি? অদুবু নিংহন্নদে বাবুজাউ। অফং অফংবা মফমদগী লাইরিক লৌদুনা রস চুপ্পা ঙম্বা-ঙমদবা পাবগী লাক্লে। শ্রেণী তরেৎ য়ৌরকপদা বঙ্কিমগী কপালকুন্ডলা, দুর্গেশনন্দিনী, কৃষ্ণকান্তের উইল, শরৎচন্দ্রগী শ্রীকান্ত, মেজদিদ, মাসুদ রানা সিরিজ, দস্যু বনহুর সিরিজ, নীহাররঞ্জন গুপ্তগী গোয়েন্দা সিরিজনা চিংবা লাইরিকশিং নিঙায়দনা পাদুনা চৎখি। রোমেনা আফাজগী কাগজের নৌকা পারুবা নুমিৎতো বাবুজাউ হিক্লা হিক্লা কপখি। মহাক্কী তাতোননা সিলেটতগী লাকপদা সত্যজিং রায়গী 'বাদশাহী আংতি' কৌবা লাইরিক অমা লৈদুনা পুবিরকপদা বাবুজাউ হরাওবগী ঙমথৈ লৈখিদে। লাইরিক অদো তরেৎ/নিপালরক হঞ্জিন পাখি। ক্লাস নিপাল তম্লিঙৈ এ্যনুয়েল পরীক্ষাদা অংক পরীক্ষাগী নোংমা মমাং নুমিদাংগী অহিং অথেংবদা অংক তৌবা শাদুনা সেবা প্রকাশনীনা ফোঙবা 'ড্রাকুলা' পারুবদা কীবনা থক্ থক্ নিক্লবা বাবুজাউনা অহিং নোংশোয়বা তুম্বা ঙমদদুনা লৈবদো মহাক হৌজিকফাউবা কাউবা ঙমদে।

বাবুজাউগী লৈকায় অদো মীতৈ য়ুমনাক ৬/৭ রোমদা লৈজে। মমাঙৈদা য়াম্না চংখোন্না পাল্লম্বগী ৱারী কয়াদং অহল লমনশিংনা মরক মরক লীবা তাই। বাবুজাউদদি মঙগুমনি। ইস্, মীতৈনা ৱা-ৱা লৈমিন্নরম্বদো কয়াদা নুঙায়রিগদবা! খুল হোংদুনা চৎখিবা কাংবুদুগী মথক্তা অঙাংওইরিবা বাবুজাউগী ৱারৌবগী ঙমথৈ লৈখিদে। বাবুজাউগী মীৎমাংদা মুথখিবনি– বামন লৈকায়, মাইমোম লৈকায়, কারাম লৈকায়, সাইখোম লৈকায়, চিরোম লৈকায়, য়াইখোম লৈকায়না চিংবা মীতৈ খুঞ্জা কয়া। মতম অদুগী ৱাখল খল্লুবদা য়াম্না নিংঙমদে বাবুজাউগী পুক্লিং। হৌজিকতা থোকখিবা থৌদোকগুম মীৎতা শং-শং উবা ফংঙি কাইয়ুম, জালাল কৌবা ময়াং লংজা খরনা কারাম লৈকায় খুদুম চনবগী চক্রি তৌখিবা, য়ুম-মৈ থাখিবা। মী-না হায়নৈ, ময়াং লৈপাকতা লৈবগী মনানি। অদুবু, বাবুজাউগী ৱাখলদা ফাউরকই তোপ তোপ্পা ৱাহং অমা–'মমাঙৈগুম মীতৈ য়ুম্নাক লিংনা পাল্লম্মবদি থৌদোকসি থোক্লমগদ্রা?' থৌদোক'সিনা বাবুজাউ। বাখলদা অহোংবা অমা পুরকখি। পুন্সিসে লানফমনি হায়বসে থৌদোক'সিদগী ময়েক শেংনা খঙবা ঙমখি বাবুজাউ।

লাইরবা ইমুংদা পোক্‌পা বাবুজাউ মথৱায় চংনা লাইরিক তম্বা হৌখি। বুদ্ধি-লৌশিং য়াম্না চাওখৎপা নত্রগসু চক্রি কনমনবনা রেজাল্ডসু হায়ফেৎ ফরকই। মথং মথং বি.কম পাশ তৌরক্লে। সরকারগী কেরানী ওইরে। মীনদি য়াম্না অফবা চাকরী তৌরি, বাবুজাউসে মী ওইজরে হায়, অদুবু বাবুজাউদি খঙবা ঙম্মি মী ওইবা তরাই তরাইবা থবক নত্তে হায়বা। শেলথুম মরাং কায়দবা মীবু মীনি হায়বা য়াত্রা ঙসিগী যুগসিদা? নিংশিংলক্ই পিক্লিঙৈদো নোংমা মমান্নবা ময়ামগা ঈশিং ঈরূপ্লিঙৈদো মপানা শাজৈনা মথুনদা ফর ফর কল্লগা-'লাইরিক লাইশুদি তৌদ্রদুনা ইরোই বাঙ্গরগুম ঈশিং ঈরূপ্তুনা, লৈরিবা, লবায় মচা নখোয়সিবু করি নুমিৎ মী ওইগদবা খঙদ্রে' হায়খিবদো।

মী ওইগে ৱাশকখিবা বাবুজাউ মী ওইবা ঙম্লবরা? লাইরিক'সিদা হৈরবদি পূন্সিসে মপুঙ ফারনি, 'কনাগী মতিক লৈ ঐবু লাকচবগী' হায়না খনখিবা বাবুজাউ লাইরিকতি হৈরে অদুবু মী ওইবা হায়বমক্তি ওইবা ঙমদ্রিবরা খল্লি। মী ওইবগী তশেংবা পাম্বৈসিবু করিনো? লাইরিক লাইশু হৈবরা? লুপা পৈশা পায়বরা? করম্বনো? ... থাবল ফরবা অতিয়াদা য়েংঙ য়েংঙগা থৱান মীচাক মশিং খংহেন খংহেন হেনগৎলকপগুম হেনগৎলকই বাবুজাউগী পুক্লিংগী ৱাহং। মী ওইগে ৱাশকখিবা বাবুজাউ ৱাখল চমম্নে।

# অরেপ্পা

## হামোম প্রবিত

কালেন থা লোইখিবতা মঙাইরি। মতম্ন শজিবু কালেন্গী নোংলৈ নুংশিৎ ইঙা থাদা পান্দম্নরক্লে। নুমিৎ চুপ্পা নোংচুবগা থাসি ওইবগা লম্বি লমখাং ইশুক শুক্লে। অহিং সিদা-নোংসু থিৎলি থিৎলি চুরি, মীওইবগী পুক্নিংদা অৱাবগী মংফাউনহল্লে। অহিংগী তানজা অয়াম্ব য়ৌখ্রে, চীক্'মা লাউখিদ্রে। মীওইবগী অলাংগদদু খোইনিংদা ওইনা শিনহৌরে। মাইকৈ পুন্নমক্তগী নীঙ নীঙ হায়বা মখোন। নিঙ্লুবদা পুক্নিংদা অকায়বা ফাউরক্লে কমদৌনা লেল্লিবা মখোয়গী মমা মচা। ইবুধৌ সনামহি মপাগী ইকূপ খরসুনোংলৈনা হুমদোক্ পিখ্রে। তাইবং মীকপ্ থোক্লবা মতম, নুমিৎনা য়াহৌদ্রিঙৈ চেক্লা শিংগু মকোলদগী পাইথোক্কদগী মশা নিক্তুনা সেম সানাখ্রে। তরং তরং নুমিৎকী মৈঙাল সনাখোম্বী গী শাঙ্গাইগী সেগায়রবা ফাক্ললাংদুদা তাররে। হৈদোকপুমা পাইরগা খুঙ্গংগী অহল অমা লাকই ঙরাং অহিংগী নোংলৈদদু য়ুমকৈ সোক্‌খিবা হংগদগী ইমুংগী লময়াইদুদা তাররিরা নুমিৎকী মমি অদু উরুবদা হনুবদুনা হায়রকই -ইচা সনা নহাক্কী ফীভমসি উবদা ইপা ঐদী পাপ লাংললিনে। পিক্লবা অঙাংসিগা নহাক্ক পান্গদৌরিবা য়ুম্বান ওম্থোক্পা হায়দু তারেদো। ইশ্বরনা সেমক্পা তম্নক্পা তাইবংনী করিমত্তা নুঙায়তবা নিঙলুনু। অফা ফত্তা লোইপুম্বা ঈশ্বরনা উরিবনি।

পিক্লবা অঙাংদুগী খোমলাংনা মচিঞ্জাক ওইরবা অদুগী মখল্লুরগা ইমুংদগী মপান থোকনিংদ্রবনী। লৈকায় লান্দুনা খুল্লক ফাউবা তঙাওনরবা নুপাসিংগী সনাখোম্বিদা মিতাফম ওইরে। পিবুক্নুংদা অঙাং থমন্নগা সনাখোম্বীগী মপুরোইবদু হার্ট অ্যাটাক্তা মাইথিখি। মদুদগী সংসারদুদা মহাক মদোমতা মঙাইহৌরি। লুহোংফান্দা পুন্না ফম্বিনখিবদু নিঙলুরগা সনখোম্বিগী মমিত্তা ঈ-রা চেনবগুম তৌই। শম্বল য়াওদনা লৈকোল মনুংদা হৌবা লৈরাংদী কয়ানী শাৎখিনি, মী গী মীতাফম থোক্পনী। লুক্‌খ্রাবিমক্ ওইরবসু সনাখোম্বি লৈশাবী' মগী ফিভমদা মশা তেক্ কায়দনা লৈরী। মহাক্কী য়ুমদুদা খুঙ্গংগী লমচৎ থিরবা নুপাশিংগী পোখাফম ওইরে। নোংমদী উশিৎ থওইদবা লমহেন্না দীপক হায়বা নুপা অদু লাকই। মদুঙৈ মমাংদা সনাখোম্ব দীপক্কী মরমদা বারেম কয়া তাখ্রে । দীপক্ক হায়রকই---

ইচে, ইচে গীদা ননাও খোয়না লাক্লিবসী ইচেদী অদুম খৎবিরম্নি। বাহৈ অদুনা সনাখোম্বিগী মপাঙ্গল সোম্থহনখি। নুপি ওইরুবনা খুমনিংলবসু খুম্বা ঙমখিদে। অদুবু মতৌদুদা খুমখিদবা ঙমখিদে।

-ইনাওনী শক্তুনা নচেনা অসুক কুইবা নখোয়গী থৌদোক সাদোক অসিবু মীনমদুনা থম্লিবনী। হুজিক্তি মতিক লানখ্রে, মসিনা ঐগী অরেপ্পনী। সনাখোম্বীগী ৱাতাদুদা দীপক্ অতৈগসু হেন্না লাইথোক্লা খন্‌খি, হায়রকই হয়েংগী নুমিৎসিদা মসিগী অসেংবা পাউখুম পীরগনি মসিগু ঐগী অরেপ্পনী।

অয়ুক ঙন্তাসিদা কাক শঙ্গু'মা খোংঙরি। করি করম্বগী খুদম্নো। তুম্লিবা নবা অঙাংদুদা। মমায় ওনশিন্দুনা ইন্দ্রি সোক্লা মমায় অদু নাম্থবি অদুগা হায় -- ইচাদী খংঙমলোয় ইমাগী পাপ ইচানা পুরিবসে। নঙবু নাওহোংদা পোবিগদবদু পাপ্‌না নঙগী মহুত্তা পোদুনা লৈরেদো। শুমাং মতোন লাম্থোক্‌পগা মীয়াম্ন ঙাংনগদগী লমচৎ ফজদবী, লমচৎথিরবী বাহৈ অসিনা কয়ানি লাংখিনি। হায়নগদগী মাইকৈ মরিমক পলোয়ননা খারিবা মীগী মচিন্‌বান্। মীয়মদা হুজিক্ সনাখোম্বিবু লমচৎথিবী ওইনা লাংহন্‌লে।

ওক্তবা দীপক্লা চিন পুথরমলবনী সনাখোম্বিগী মফমদা। সন্ধ্যাগী উচেক ৱায়া হঞ্জনবা মতমদা কনা গুম্বা'মা লাক্‌পগী শউম তারক্লে। মপানলোমদগী দীপক্ক থোঙ ইল্লক্‌পদা সনাখোম্বি অঙাং শুমম্বদগী ইফিং ফিংনা হৌগৎলকই। য়াম্না য়াক্ল দীপক্ল কৌরকই--

-ইচে থোং হাংদোকউ

-করিগীনো?

-ৱাফংনবগী, অঙম অথৌ শিংনবগী। হুজিক'মক ইচেনা মফম সিদগী থাদোক্তুনা চৎখিবা তায়।

দীপক্কী খোঞ্জেল্‌নী খঙলদুনা থোং হাংদোকই। মদোম তরক ওইরমদে মমানবা শঙ্গু ময়াম পুদুনা লাক্লম্মী। সনাখোম্বিনা হায়রকই-

-করিগীনো ইম্বা ময়ামসিনা? কনাবু চাংয়েং য়েংগে লাক্‌পনো, নুপি ঐঙোন্দা নপাঙ্গল উৎকে লাক্লিবরা। নুপি' মগী থৌনাদী নুপা'মনা শরুক অহুম হেন্‌লিবনি। অদুগা শঙ্গু ময়ামসিনা--- সনাখোম্বি অতৈ ৱা মখা তাখিদ্রে।

অকন থৌনা উৎতুনা সনাখোম্বিবু ইমুংদগী চিংথোরকই। য়ুমদোংনবা, লৈকাইগী, খুল্লকী কনা গুম্বা'মনা উখিবা লৈতে মাইথিরিবি নুপিসিগী অকায় থৌদোক দীপক্কী খুত্তগী। মসিগী ৱাহং কননা পাউখুম পিররনী ঙমখৈ নাক্তা। মালেমনা উবিরে খৎবিরে নুপি'মগী থৌনা লিংজেল কয়াম নেম্না লৈ হায়বসে। লাউরে মসাদা চৈনা ফাউহললি। তুংলোমদগী মশক খংদবা নুপা অমনা হায়রকই- -'অঙাং পোখৎলো, য়ুম অসিদা নমা নচা লৈবা য়াররোই। নমা নচাবু কন্‌বিনবা কনাসু লাক্লোই কুইথবা য়াদ্রে।'

মখোয়দা য়াম্না চম্না হায়জা নোনজৈ সনাখোম্বিনা--- ঐগীদি য়েংঙু সংসারসিদা কনাগুম্ব মতং হায়বদা ইচা সিমক্তংনি। লৌ



CamScanner

ইংখোন হায়রে লৈজদা, ফিশা লোনশাদুনা য়োঞ্জরগা ফংলক্পা লুপাদুনা লেঞ্জবনী। কনা গুম্না তেংবাবিরক্নী খন্না সংসার অসি পান্না নত্তে। ৱাফম অমাহিক্তি দমক্লি, মপাগী খুমন ইচাদা খংহন্লমগে মসিনি ঐনা লেপচবা হুজিক ঐঙোন্দগী করিনো নখোয়না পাম্লিবা, ইকূপ্না মেল্লবা য়ুম অসিরা নত্রগা ঐগী হাকচাং অসিরা।

দীপক্কী অয়েৎপনা য়ুম অসি থাদোকপা তারে। হয়েংদগীদি য়ুমসিগী অসেঙবা মপু কনামত্তা লৈররোই, লম- লান্বা কয়াগী মপু ওইহৌরনি। নোংঙাল্লে, অমনা অমদা পাউমেন্নরক্লে লমচৎথিবী সনাখোম্বি য়ুম থাদোক্তুনা হুরান্দুনা চেনখ্রে অমনা হায়রকই লৈকাইসিদা মচু তৈরম্লগা চৎখ্রবা। চৎথিবসিনা য়াইফা মঙ্গলনী। কদাইদবু চৎথিবা, কদাইদবু লৈরুগদৌরিবা হনুবা অদুনা মদোমতা চাকচৈ।

কিলোমিটার কুন্থ্রানিথোয় খোংলৈ খৃৎপু তান্দুনা মতারোয়মগী মফমদা থুঙলুরে। পীরক্লিঙৈদা য়াম্ন লুনা ইতা ইতা হায়না লাইথিবী সানাবিরক্মী । চারে চাবিনৈ, থকলে থকপিনৈ, চৎলে চৎমিনৈ, কোইরে কোইবিনৈ মদুম্না যৌবনগী মতম ফাউ হৌমিন্নরক্পনি। হায়নাথি ইতা ঐখোয় অনিসে হাওমক ওইরম্মদী কয়াদা নুঙাইরমগনি। আ-হনুথুং ফাওবা লৈমিন্নবা য়াবা। হাওনুবিদি য়ুম পাল্লবসু ময়ুমদা অদুম লৈদো, নুপাদুনা লাক্নুনা লৈররে। অদুনা মখোয়গীদী নুপি ফংলগা য়াম্না হরাউ-ই। ঐখোয়নিদি হাওনুবিসু ওইদে জাতসু তিন্নদে অমনা অমদা য়ুম পান্নখ্রদী উননী নিংদ্রে।

সরম্পতিনা সনাখোম্বিবু কোনশিন্দুনা কপ্লে, অনিমক পীরাংনা মীৎথুম্লে। মহৌসাগী বারীসিংদু নিংশিংনদুনা অতৈসু মহেন্না অকপ্পগী খোঙ্গেল হেন্নরকই। ওইথোক্লবরা অতিয়াবু লৈবাক্ক তিন্নবা, মালেমবু জয় তৌদুনা লাকপগুম অদুঙৈ পুন্নমক্তগী হেন্না বাংলবা এভারাস্ট কী মতোন্দা ফীরান চৈশু য়ুংলুদুনা হল্লকপগুম।

সরম্পতিনা হায় -- অসুক কুইরা মতুংদা উনবসি ঐদী হুজিক ফাউবা থাজদবগুম তৌই। অদো ইতা অহিংসিমক্তংদী চাক চাবিনদুনা লৈমিন্নখিসি। করি কায়বা ইতা।

করিগী য়রোইনিংঙি? সনাখোম্বিনা খুম্নকই। ইতানা ঙসিসিমত্তং লৈমিন্ননিংঙিবা মতম অদু করিগী অদুক খুয়ৌনরিবা।

হুজিক কমদৌনা হায়নি তুম্নবগী ফীদা মচেৎ মতং পীযু হায়না, কমদৌনা ফোংদোক্কনী অফা ফত্তা পুনশিল্লবা পুবারী। অমারোমদা তাইবং মপুং ফাদ্রিবা মচাগী মখল্লুরদা মতামক্ ওইরবসু মতম খরনিগী ওইনা মীনাই ওইগে খনখি। চেংলৌ তান্না মপুজেং ফাবা ফাউবা লৈগে খন্লি। অদুবু কমদৌনা হায়খিনি তুম্নবগী, লেন্নবগী, চাক চাক্লুক'মগী মফম মচেৎ মতং পিযু হায়না। সরম্পতিনা য়াবিরক্দ্রা মৈতে নুপি অমগী ইজ্জত ঙাকপা। অদুম ওইরবসু মহাক্কীসু খনফম থোকই। খুল্লক্কী মী'না খংন্খ্রবদী মরান শিন্থবিরনি হায়বসে। অদুবু হায়বা তাব।

- করিনো ইতা শকলাং মাইথোং হন্থরিবা ? স্বরম্পতিনা হঙকই।

-লাকপদা নুংসা খরা লাংলকই অদুননি। মরাইনা -হন্থজখিনি, নুংসাথিরুনু।

ইতাগী নপুরোইদী করি থৌদা চৎথিবগে।

-মহাক্তি শহরদ ঠিকাদারগী থবক তৌই। মতম পুংশিন নাইদে হুৎ হুৎ হেক্তা লাকই। ইতাগীদি।

-চহি ফনা সাংখ্রে লৈখিদবা, অনাবগী মায়োক্তগী ঐনা কন্না ঙমখিদবনী। হুজিক ঐগী হায়বদা ইচা নুপা সীমক্তংদনী । তুংগী খল্লুরগা .... ।

--- তুংগী খল্লুরগা করি ওইখ্রবা।

মতমসীদা ব্রা কাংখৎকদবনী। চিন্নান থেংননা লৈবা য়াদ্রে। অহিং তাংখায় হুনলক্লে। সনাখোম্বিনা হায়--- ইতা, ইতাগী নফমদা ঐ করিগুম্বা ভিক্ষা মতং নিজগে। ইতানা হাপ্পিদবা তৌবিগনু। ঐনা ঙসি ইতাগী নফমদা খোংফম তান্লকইবসি ইচা অসিগী মায় য়েংদুনা লাকইবনী। খুল্লক্কী ওক্তবা মীওই খরনা ঐবু ওৎ নৈবিদুনা তাম্থোক্পিরক্পনী। অদুবু ঐগী পেন্দবদী খুল্লক্তা ঐবু ওক্তবিনি হায়না খংবিখ্রে। তশেংনা ঐ শাজৎ থিবি ওইরম্লবদী মদুগী লমন ইচানা ঐঙোন্দা সিংজসনু। করিগুম্বা ওইরমদ্রবদী মখোয়গী থক্তা মমা'গী লমন সিংগনী হায়বসে ঐগী অচেৎপা থাজবনী। ইচাগী মপুংজেন ফদ্রী ফাউবা হায়রিবা ৱাহৈশিংসি ইতানা পুকিংদা কোন্না থম্বিগদবনী। মাগী লিংজেন ফারবা মতমদা হায়যু ঐগী করিসু অকায়বা লৈতে।

মাগী ৱাদুদা সরম্পতি ঙকখিদবা ঙমখিদে। অদুবু বাফম খরদী ঙাক্ক চৎপা তাব। সরম্পতিনা হায়------ য়েংঙু ইতা হয়েং করিগুম্বা খুল্লক্কী মীনা খংখ্রবদী ঐবুসু খুল্লকসিদগী তাম্থোকপিরক্নীদো অদুনা হয়েংদগী মৈতৈ হায়বা জাতিগী মীং অসি লোৎতুনা চৎপা তাব। ঙসিদগী ইতাগী মীং গায়ত্রী মীংথোন্লবনী। অদুগা ঐগী ইন্দোনগী মচানী হায়না শক্তাক তাব ।মতম খরনিগী ওইনা ঐগী থবক মতেং পীবা লাকইমী হায়বা তাব।

ঙসিদগী সনাখোম্বি হায়বা মীং মুৎখ্রবনী। হয়েংদগী মীয়াম্ন খংবীখ্রনী গায়ত্রী হায়না। সরম্পতিগীসু মচা নুপি অমত্তনি। মমিংনা গীতা কৌই, মমানা অসিমত্তনি নিংদুনা তৌনিংবতা তৌহল্লিবনী। নোংমদী অয়ুক য়েন্দা মাংদা তোম্বাগা গীতানা সানারুশি হায়না থোক্খিবদু ময়ুমদা ইহন্ হন্লক্তে। নুমিৎ য়ুংলক্লে। গায়ত্রী লাকপগা করি খুম্গনী সরম্পতি তৌফম লাকফম খংখিদ্রে। কৈথেলদগী হল্লক্পা মতম য়ৌরক্লে, মদুগী মরক্তুদা সরম্পতি মখোয় অীনদুবু থিরুগনী থোক্খি। মমাং লৈকাইগী খোংনাং মখোং মখাদুদা মী শঙ্গু ময়াম তীন্বা উরে, মদু উবদুদা সরম্পতি চংশিল্লি। অরাপ্পদগী ঈ-রা তারিবদু উবা ফংলে। তোম্ববু মীয়াম চংনা লায়কন্ননা লৈরমলে। মমানবা ময়াম ফিবুল লংবি সানারম্বদগী শম্বল্দা ৱাইশিন্থীবনী। সরম্পতিনা পম্নদুনা ময়ুম তান্না সান্লক্লে। মশা মউ তৈথোক্পিদুনা হৈদোক লাম্থক থাবিরে। সরম্পতিনা মচা গীতাদা ৱারক্লে , চৈশাংমা পুরক্নুনা ফুবিরে। তোম্বনা হায়রকই ----- ইমা ঐ মদোমকরক



CS CamScanner

তৌজবনী গীতাগী অরান্বা লৈতে। ঐনা সানারুসি হায়না হৌবনী মহাকপু ফুবিগনু। গায়ত্রী কৈথেলদগী থুংলরে। ইন সাজরগা কৈথেলদা য়োল্লুবনী। সরম্পতিনা মচাদা ফুবাদু উবা ফংলে গায়ত্রীনা। ফমুংদা য়াহিপলিবা তোম্ববু ফিজি মচেৎনা য়েৎলীবা মখোংদু উবদা গায়ত্রী চংশিল্লি। মচাবু কোন্দুনা কপ্লি, মদুদৈ হিক্রা হিক্রা হাররকই --- ঐগী ইচাসিবু করি লাল্লুদুনা মশাদা দাগ্ফম থম্লিবা। ঐনা মীকৃপ মতং চথোক্পদা ইচাদা নৈবিরিসিবু করম্ব মরালননো। মমিৎ অনিমক পীরাংনা মীৎথুমদুনা থম্মোয় সোক্রা কপ্লে। সরম্পতিসু মতাগী মতৌদু উবদা সাওবা ঙমখিদরে, মবুকনিংদা মখঞ্জে খংদা উদনা ঙাংজবনী। লান্বদী ঐনী, ঐনা চেক্সিনহৌদবনা থৌদোক অসি থোক্পনী। মশাদা মদোম মরান শিন্থরে। তোম্বা না হায়রকই ইমা ঐ ইদোমতনা খুদিরুবনী। ঐনা গীতাবু সানারুশি হায়না হৌবনী। ইমানবী ময়াম ফিবুল লংবী সানারুবদগী ঐ শম্বলদা তুশল্লুরে মদুদগী সোকখিবনী। মখোয়গী করিসু অরাম্ব লৈতে। ইমানা নচাবু বারক বাতেমবিয়ূ মচাগী বাদুদা গায়ত্রী কপখিদবা ঙমখিদে। ঙহাক্কী মীকৃপ্তুদা মপুরোইববু নিংশংদ্রিনা হেন্নদুম কপ্লক্লে।

চহি কয়া সানখ্রে মখোয়না সরম্পতিগীদা লৈরক্লিবসি। তোম্বোসু নোংমা নোংমাগী মশা মপুং মরৈ থোয়না ইংখৎলক্লে। মমাগী মতেং পাংবগী শউম উরক্লে। খুঞ্জাগী থৌদোক ৱাথোক্ত মাহকুপ মাকোক চিংনা পুহল্লে মমানাশিংগী। তোম্বাগী শাজৎ লিচৎতা ৱাঙাং-শাঙাংদা খুল্লক্কী পুন্নমক্রা মাবু নুংশি লৈঙোম চান্না লুনা তৌবিরে। ঙরাং গীতাখোয় মমানবী শঙ্গু ময়াম বারেপ্পখি হয়েংদী কৃষ্ণজর্ম নুমিৎনী অদুনা নুমিৎ য়াঙ্গাইরকতিঙৈ ঐখোয় ময়াম লৈরাং চরোং হেক্লুসি। অমান অমদা ৱা পিনখ্রে। মমানবী'মনা গীতাদা হাররকই---- গীতা নখোয়দা লৈবা পাখংদুসু য়াওহল্লকউ। লৈশাঙক্তা চৎপদী পাবুং খোয়না মীংয়েং নাগনি। য়ানরেদনা, অদুদী কায়নারসি।

ঙাংঙ্গানবী চিনবান্না খোইরুম তৌনা নোক্চবা কয়াদসু পক্চরবা গীতাগী মায়থোংদা। ওই থংবা খাজাইদা পিক্রুক অমা শমক্রুদুনা মহেন্না নিথিহল্লে। পিক্তক্ তারবা ঙক্সমদা ঙৌথাংলবা মুক্তানা লৈতেংবা শক্কী মপাল লাংবনি। থেংলা অহিংদুদা লুরবা মীৎস্না অনিদুনা মীৎয়েং তান্না য়েংদুনা চঙকই তোম্বগী কাদা। নিংখা তানা তুম্লিবা পাখংদুগী নাপ্পদা কিথক কিরুম নৌরবী মাইথোংদুবু পুদুনা ফম্নই। মথোৎ কারবী মতাংনী মীৱা লাংবন্ তাখ্রদী পুঙ্গী মতোন হুখ্রনী। পোমশাৎনবী থাবলগুম হাকচাং কায়াৎ ইহুন ফাউরকই, তুহাউ মখোং শন্দোলকই। ফুলৈনবা মখুত্তুনা পাখংমাগী পাম্বোমদা থম্লুই অদুগা হৌদোকই। তোম্বা মঙলান কাদা মশাদা অলুম্ব পোৎমনা নম্থবগুম ইফা ফাজিল্লি। তঙাও তঙাও কনাগুম্ব'মগী খোঞ্জেল হিক্রা কৌরকপা তাখি। মীৎস্না অনি উইরপ উইরপ তফিংননা হৌগৎলকই। নাক্তা ফম্লিবা নীঙোল মাগী ঙকসমদা মুক্তা পরেংদু উবা ফংখি। মীৎস্না অনি নোইরা নোইরা মথক মখা হন্থা য়েংখি। মহৌশা খুৎশেম্না অকুৎ অতোং নাইহল্লবী নীঙোলগী হাকচাং। চরৈ ফিগী মরুমদা ফম্লিবা নিঙোল মাবু উরগা অরৈবা খোম্থোক লাউগে তৌখি। সরক য়েংদুনা গীতা না মচিন্বান ফাজিন্দুনা হায়রকই ----

---তা তোম্বা ঐ গীতানী, করিগীবু ফিংগৎলিবা।

---মীচিক মীখোন তাদবা মতমদা নঙনা ঐগী কাদা লাক্লিবা ? তোম্বনা হায়রকই।

-- হোয়! হয়েং ইমানবী শঙ্গু ময়াম লৈরাং চরোং হেক্লুসি হৌনৈ নুমিৎনা চিংশাং তম্নকত্রিঙৈ মতমদা। লৈশা ময়াম ওইবদুদা ইমানবীসিংগী মপারোয়শিংনা য়ারক্লোয় খন্নদুনা পাখং অমা য়াওহননিংঙি হায়না ইতাখোয়না তাতোম্বাবু য়াওহনসি হায়না ৱারেপ্পখি।

--- মরম লৈতনা লৈরাং চরোং হেকপা চৎপা ইমাদা করি খুমগনী। হু! ঐ ঙম্লোয়।

-- মদো ঐ হায়জগে। তা তোম্বানা ৱা ঙাক্লগা লোইরে।

-- ফরেনে মদু মঙায়। ইমানা য়ারদি ঐসু য়ারে নিংলো।

গীতা হঙ্গোয় লাক্লোয়ননা তোম্বাগী মমাদা হংলুরে। ৱা পীরক্লে। হয়েং লৈরাং চরোং হেক্পা চৎপদা তোম্বা য়াওরনী খংবদা পুক্লিং নুঙায় ফাদ ঙমদ্রে। মালেম লৈকোন হরাও তায়াম্লে, ঙমখৈ নাপোম শাৎলক্লে। অদুবু তোম্বদী খংদ্রি হয়েং কৃষ্ণজর্মনী হায়বসে। হৌবা লাক্কনি মতাগুম নুংসাদা হুমাং মরিক চিথাখিবদু বাখল তানা তুম্লিবদুদা হঞ্জনহল্লি। উরক বারক্তগী চেক্লা শঙ্গু'মা খোংলক্লে। মমানবী ময়াম গীতা খোয়গী শূমাং মতোন্দা পুল্লুরে। মহাক্পুসু হৌদোক্তুনা লৈরাং চরোং হেক্পা খোং-সান্লক্লে। তোম্বসু মমা'না হৌদোক্তুনা লৈরাং চরোং হেক্পদা লৈশা-সিংগি মরক্তা পুল্লুরে।

খুঙ্গং কোয়না লৈরাং চরোং থিনররে। মশা মশাগী য়েন্দাই থন্নবা অঙম অঙম হেক্লরী। থৱান থাগী মমৈনী, লাংবন থা না মতোন হন্লক্পগী লৈহৌ ফবি চীংথ্রাও লৈপাল লৈরাংগুহৌই। থাবলৈগী লৈনম্না মাইকৈ মরি শন্খ্রে। তোম্বদী কনা কনাগীবু হেক্পিগদৌরিবা লৈরাং মশা শোকত্রে মখূৎনা। অদুবু অসুক ফজবা মফমসিদা শিংঙেল লৈরাংনা শাৎপনে য়েংবগী পুক্লিং পেন্নাইদ্রে। তোম্বনা হায়রকই লৈরাং লৈশক খল্লু শিংঙেল চরোং হেকপিগে নবুং ঐনা। গীতা না হায়রকই লৈরাং চরোং হেকপা লোইরগা হৈকৎ লৈকৎ তমলুসি লাইশংদা ঙসিদি কৃষ্ণজর্মনী। তোম্বগী নাক্তা চংশিন্দুনা গীতানা হায় ইমাখোয়না সাওনিংখিনি ইদম তরক হন্লকই হায়না তারিৱা তা তোম্বা।

মচু কয়াগী লৈরাংনা য়েন্দাই লুকমাই থন্নরে। লৈশা শঙ্গু মরক্তা পাখং মদোম চরোং য়াল্লিবা ইপান্থাদা উ-থম্বাল শাৎপগুম। লৌবুক লৌশাং থন্না শাৎলিবা লৌ মরক্তা চাহৌ চরোং য়াম্বগুম কায়দা খুথিরবা। তোম্বনা শেৎলকইবা মুকা ফৈজোমদু উরুবদা গীতা না লোন্না য়েংজরকই। তোয়না তোয়না মচিন্দা মোংঙি তোম্বাবু তানবা। থী'না ফজখ্রে পাখং নংগী শদুম তাবদু, তাথরক্পা গুঞ্জানা খুদাপ লাকপা য়াগদৌগুম। তোম্বগী ঙৌরুনবা খুবোম অনিদু উবদা



CamScanner

গীতানা অরাপ্পদগী মীতারকই। পাখং নাক্তা লৈজবা ফংলদী কুমগী অয়া নংজরোই। ঙহাক্তুদা অবাবা কাওখ্রে, মীৎলু অনিমক নুঙায়বগী ইরাংনা পীরাংনা পুমথুম থুমহৎখ্রে। নীঙোলগী থৱায়দী পাখং মাগী থম্মোয়দা হোংখ্রে। ঙহাক লৈরদী সন্ধ্যা ওইখ্রনী। নুমিৎ মতোন হুইথখ্রনী। মমানবী ময়ামদগী কাইনরসি য়াথং লৌনদুনা গীতা মখোয় অনি য়ুমলোমদা মাইওল্লকই। কোম্ল্লোং ময়া য়ৌদ্রিঙৈ গীতানা তোম্বগী খুজেং পাইদুনা চপ লেপ্পি। মতৌদুদা তোম্বা নুংস্বা মপি হোন্থিদবা ঙমখিদে। গীতা থম্মোয় চারংনরকই মতৌ করম হায়সিগে খন্না। লৱায় লুতোন শন্না তরেৎ য়ুংখ্রে। হায়রকই---

--- তা তোম্বা। ঙসিদি অসেংবা অমা হায়রম্মু, পীক্লিঙৈদদী পুখম্মদা পুন্না চাক চামিন্নখিবনী। ইমাদগী নহাক্ত ঐগী পুকচেল্ খংলিবনী। ঙসিদী নহাক্কী তুংইঞ্জবা পাম্মী ঙমগদ্রা।

তোম্বা য়োৎনা সাবা মূর্তিগুম চপ লেপ্তুনা লৈ। পুকমেন্ তানা নিংলবসু জ্ঞান লাম্বা ফংদ্রে। ইন্দ্রাদা লৈতুম থাদগুম মপাউ করিমত্তা তাদ্রবদুদা গীতা খোংলৈ মকা লাম্মি। তোম্বা না গীতা গী খুজেং য়ান্দুনা হায়রকই ---

ঐসু মদু হংনিংদুনা লৈরম্মীবনি নহানমখৈ। নঙগী চম্নবা মমোন্দা ঐগী মচেৎ তারবা থম্মোয়সিনা ফোংদোক্পা ঙমদবনি। হায়য়ু নঙসু ঐবু থাদোক পিরোইদ্রা। নোংলৈ নোংকুপ খিক্তরক্রে। গীতানা ৱা পিরক্রে।

-- ঐদী নুমিৎ থা ঙাল্লি মখৈ নহাক্পু ঙাইদুনা লৈগনী। ঙমখৈ কোন্বি ইমানা সাক্ষিনী মচা অনিগী নুংশিনফম।

মখোয় অনিগী মমিৎ মরি চানরকই। ঙহাক্তুদা তাইবং অসি নুংশিনবনা পলোয়খ্রে। ৱাতোন কয়া মতোন লোমখিদবদু লোমখ্রে। পিক্লিঙৈদগী হৌমিন্নরকপা ঙসিদি থম্মোয় অনিগী কারক্ত কিসি লৈপুন্নখ্রে। মতন্না চৎলিঙৈ থম্মোয় অনিগী কারক্ত অয়েৎপা অমদি পোক্লরী। পাখংমাদী লমলান্ব ওইনা পিক্লিঙৈদা অতোপ্পা য়ুমদা লৈদুনা চাওরকপনী। সাগে নাতে তিনদে ফুরূপ তিনদে, মমা'না মৈতে হায়বা জাতকী হকশেন লোৎনা মচাবু চাওহনখিবনী।

নুমিৎনা চয়োল থারিঙৈ মখোয় অনিগী নুংশিৎ কায়াৎ হেন্লকই। অমগা অমগা খুথানদ্রে। লৈরাং লৈশক নহৌনা খংগলকপগুম তোয়না তোয়না খুদোন তমনৈ। মখোয় অনীগী নুংশি লৈপুন গীতাগী মতারোয় শিংনা হায়ফেৎ খংনখ্রে। থাজদগুম তৌনৈ। কৈগুমশং অমদা পুন্নলৈমিন্নদুনা চাওমিন্নখিবনী, করম খংনা থাজনী।

চিঙৈখ হুন্লক্পা মতমনি। কোরৌ মৈশা তন্নকপদা লিরি হুম্বা মালংবনা চিক্লা ইংনা খোংদাররে। তোম্বা পোমশাৎনবী লৈহাও অমা পাইদুনা পুখ্রিগী লুতোন্দা মহৌসাগী ফজবদু য়েংলম্মী। মীৎয়েং তান্না য়েংলক্পদা খা নোংপোক্তা লৈরিবা চিংথোংদা হৌরিবা হৈনৌ পাম্বি পরেংদুনা মীৎয়েং লমচৎ থৎখি। অঙাং ওইরিঙৈদগী সান্নমিন্নরকপা পুখ্রি মপানদা গীতাগা মহাক্কা, মখল্লুরগা তোম্বা মীকুপ মতং গীতাবু উনিংবনা পুক্লিংদা চারংনরকই। মদুগী মমিদী পাখং মাগী মখুত্তা পাইরিবা পোমশাৎ নবী লৈহাওসিনি। ঙাইহাক মতুংদা গীতা পুল অমা পাইদুনা ঙরাংতা য়ুমপাল্লকপগুম মৌগী ফিজেৎ লৈতেংদুনা পুখ্রিদা লাকই। কনা'মা উরোই মতাগুম ইরুজগে তৌখিবদা পুখ্রি লুতোন্দা ফম্লিবা নুপা'মগী মমি উখি। গীতা ইরুজা তোক্তুনা পাখংমাদা চৈবিখি। ---ও! কনাবু ওইবিরবনো, মীরুম লক্তা মীনা ইরুজ য়েংলিসিবু। য়াইফা মঙ্গল ওইজগে নিংলদী খরা থুনা চৎপিখ্রো, মীবা ৱারেম তাজনী খোংলৈ থুবিখ্রো। তোম্বাদী গীতাগী খোঞ্জেল্নী খংবা ঙমখ্রে। লোন্না থেৎনা হায়রকই--- হো কনাদবু নৱা অঙাংদা চৈবগুম থিনা চৈবিরিবা। অতোপ্পা খুঙ্গংগী লৈশা ওইরমগনিদকো । ইবেম্মা ঐদী নিঙোল পুক্লিংদা মীৎয়েং চংজদে ঐনা মফমসিদা লৈরিবা অসি ঐগী নুংশি চানরবী গীতাদা পোমশাৎনরবী লৈহাও অসিমা খুদোন তমগে ঙাইজবনী। ৱাহৈ অদুগা লোয়ননা তোম্বা গীতাগি মনাক্ত লাক্লরে। গীতা থাজবা পোকহম্বা ঙমখিদে। লোন্না থিনা চৈখিবদা তোম্বাদা ওইরমগনী মবুক্লিংদা থাজবা ওইরু হায়বা য়াখিদে। ইকাইনা হম্বনা তোম্বাদা অরাম্ব ঙাকপিয়ু নিখি গীতানা। তোম্বা মহাক্পু উনগে নিঙদুনা ঙসাই মখৈদগী ফমদুনা ঙাইরিবা, কমদৌনা মাঙোন্দা অরান শিন্থরুনী। মখুত্তা পাইরিবা পোমশাৎনরবী লৈহাও অদু গীতাগী মনাকোংদা চিনবিরে। অদুগা হায়খি ---- ঙসাই মখৈদগী পুক্লিং মওন কয়া ওন্দুনা নিংজ থুংনবা লৈজ মখৈ ঈশ্বরদা অলৈবা চীন্বানা নিংখ্রবনী। গীতা থাজবা ঙমখিদে, মহোয়না হেন্না নুংশি ৱারেপ লেপ্পনিংঙি। ঙহাক মতুংদা তোম্বগী মমা খৌদেমলক্কা চঙকই। মখোয় অনিগী থৌদোক পুম্বা চিংনা পোক্রে, করম খংনা হায়রুনী। মচাদা য়ুমদা খোংলৈ থুনা লাক্লো হায়রক্রে। অদুদগী গায়ত্রীসু ময়ুম পাংনা হনখ্রে। মখোয় অনিশু লৈতোন অনি ফাজিন্নদুনা চপ্ লেপ্তুনা লৈখি, অমগা অমগা খংনদগুম লৈমিন্নখ্রে।

গায়ত্রী মচাগী তুংগী নীংতম্বা খংগলক্রে। মরান লৈরবা পুক্লিংদা ফাদবা মঙমদ্রে। ঙসি হায়সিরা হয়েং হায়সিরা খঞ্জা মঞ্জানদুনা থম্মোয়দা অবাবা পোক্লক্রে। অহিং তাংখায় হায়দু ওইরক্রে। মচাদা মীৱা ৱারেমশু তাহননিংদগুম, অসুপ কুইবা থম্মোয় নুঙদা লকা অসাবা মৈহুন্না চুদুনা খাংদুনা লৈরক্লিবা হুজিক্তি হায়দবা য়াদবা মতাং য়ৌরক্রে। কয়ানিসু লৈথিনি মীগী ময়ুমদা মখোয়গীসু শিন্ফম তান্ফম লৈরিবনী। করিগুম্বা মৈতৈনী হায়না খুল্লক্কী কাংবুনা খংখ্রবদী সরম্পতিবুসু খুন্নাইদু'দগী ইম্থোরক্কনী। অদুনদী সরম্পতিদসু ৱাফম অসি খংহম্বা থোকই। গায়ত্রী মবুক্নিংদা মখঞ্জে। চীক্লবা অহিংনী মালেমগী মীওইপুম্বা শিম্থা লাংনা তুম্নরী। গায়ত্রী মচাদা অদুঙৈগী মতম কুইনা য়োক্লক্লবা ৱাফম অদু হায়দোক্তবা ঙমখিদে।

হায়ররই----

--- সনাতোম্বা। ঙসি ফাউবা ঐখায়না মফম অসিদা লৈরিবসি

মথং মথং

# "ঈ কাপ্পদগী ওইরকপা এইদস"

ডাঃ ব্ৰাইঃ নবকুমার সিংহ

ইউঃ এসঃ এঃ দা কারডিয়াক্ বাইপাস সরজরী তৌবদা ঈ কাপ্পদগী ঐচআই ভী ব্ৰায়-রক্তনা শুক ১৯৮৬ কী মে থাদা বোম্বেদা এইদস- না নারকখিবা অদুনাভারতকী ইহান হানবা এইদসকী অনাবনি। হৌজিক্তি ভারতকী এইদস- না নারবা অপুনবা মীশিংগী চাদা ১২ দি ঈ কাপ্পদগী ওইরি। অদুগা ঐচ আই ভী পক্পা মীশীংগী ওইনা পারগাদি চাদা ২.২ দি হোল ব্লদ নত্রগা ঈগী পোথোক্শিং কাপ্পদগী ওইরি।

মালেমগী ওইনা ঈ কাপ্পদগী ওইরকপা এইদস অসি কোএগুলেশন ফেক্তর-VIII কন্সেনত্রেট হায়বা ঈগী পোথোকশি কাপ্পদগী ১৯৮২ দা এইদসনা নারে হায়দুনা অতলান্তাদা লৈবা সেন্টার ফোর দিজিজ কন্ত্রোলনা ফোংলকখিবা অদুনা ইহান হানবনি। শক ১৯৮৩ দা পোকপদা ঙায়রিবা অঙাং অমদা হজ্ঞিন-হজ্ঞিন হোল ব্লদ্ কাপ্পদগী থা ১৮ শুরক্পদা অঙাং অদু এইদসনা নারক্খি। মসিনা হোল ব্লদ কাপ্পদগী থোকপা ইহান হানবা এইদসকী অনাবা ওইখি। ইউঃ এসঃ এঃ দা ১৯৯০ লোইবা ফাউবদা হোল ব্লদ নত্রগা ঈগী পোথোকশিং কাপ্পগা মরী লৈনবা এইদসনা অনাবা ৫৩৭১ ওইরম্বদগী ১৯৯১ লোই-রকপদি ৬৫৩২ দা হেঙ্গৎলকখি।

শক ১৯৬৮ অদুয়াইদগী থম্লকপা হীমোফি-লিয়াগী অনাবশিংশী ঈ য়েংবদগী ইউ ঃ এসঃ এঃ দা ১৯৭৮ অদুগা ইউঃ কেঃ দনা ১৯৮১ দগী ঐচঃ আইঃ ভীঃ পক্লম্বা থেংনরে। তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা হীমোফিলিয়াগী অনাব-শিংদা ঐচঃ আইঃ ভীঃ পকপগী চাং অসি চাদা ৪ দগী ৬০ ফাউবা লৈবগী,মনুংদা ইউঃ এসঃ এঃ দা শেম্বা ঈগী পোথোকশিং শিজিন্নবা লৈবাকশিংদা ঐচ আইভী মাঙহন্নবা পাম্বৈ শীজিন্নবা হৌদ্রিঙৈদা ইউঃএসঃএঃ দা হীমোফিলিয়া–এ গী অনাবসিংগী চাউরাক্লা চাদা ৭০ দা অদুগা হীমোফিলিয়া –বি গী চাদা ৩৫ দা ঐচ আই ভী পক্লকখি। ইউঃকেঃ দা ১৯৮০ দগী ১৯৮৪ ফাউবগী মনুংদা লায়েংখিবা হীমোফিলিয়া– এ গী চাদা ৪৪, হীমোফিলিয়া –বি গী চাদা ৬, ভোন-ব্লিব্রান্স ডিজিজ গী চাদা ৫ দা ঐচ আই ভী পক্লম্বা থেংনখি। ঐচ আই ভী পক্লবসু পক্রবসু ঈগী পোথোক্লা লায়েং লবা হীমোফিলিয়াগী অনাবশিংগী T4 অমদি T8 সেল রেসিওদা অহোংবা খরা লৈগল্লি। মসিনা ঐচ আই ভী পক্পা মীদা এইদস নাহল্লকপদ কয়াম্লা তেংবাংবগে হায়বদুদি খংবা ঙমদ্রি। অদুব হীয়মাফিলিয়াগী HLA-A1-B8-DR3 হে-প্লোতাউপ্ লৈবা অনাবশিংদা ঐচ আই ভী হেন্না পক্কল্লি হায়বাসিদি খঙলবনি।

ঈ কাপ্পদগী ওইরকপা এইদসকী ইনক্যুবেদন প্রেরিয়দ হায়বদি ঐচ আই ভী না মীওইবগী হকচাংদা চঙবদগী এইদসনা নারকপা ফাউবদা চঙবা মতম অসি পিটরমেন্গী মতুংইন্না, অহন্দা থা ৩৪ অদুগা অঙাংদনা থা ২২ রোমনি। অদুবু রোজরস অমদি স্কোসেতমেন্গী মতুংইন্নদি অহন্দা চহী ৭-৮ অদুগা অঙাংদনাচহী ৩-৫ ফাউবগী মনুংদা এইদস নারক্কনি হায়বসিনি। ঐচ আই ভী য়াউবা ঈ কাপখ্রবা তুংদা চাদা ৯৫ দা মহীক্ অসি য়াওরকই। মদুগী মনুংদ চাদা৫০ না চহী ৭ কী মনুংদা এইদস নারকপা য়াই। কনাগুম্বা অমা এইদস নারক্কানি নত্রগা নারক্লোই নত্রগা কয়াম কুইনা লৈরগা নারক্কদগে হায়বসি মাগী ক্লিনিকেল কোর্স নত্রগা মাঙোন্দা লৈরক্পা পে-থোলোজিকেল কন্দিসন্ অদুগী মখা পোল্লি। ঈ য়াম্না তোয়না কাপ্পানা হক্চাংগী মহীক মনায়দগী ঙাক থোক্লবগী শক্তি হস্থহনবতা নত্তনা অতৈ মহীকশিংসু কাপ্পদা য়াউখিবা য়াবগী খুদোংথিবা লৈ।

অঙাংদা ঈ কাপ্পদগী এইদস নারগদি লাই-ওংদা অহনগা খরা খেন্নবা য়াই, খুদম ওইনা ইন্টরষ্টিসিয়েল নিয়ুমোনাইটিস অসি অঙাংদা য়াম্না তোয়না তৌগল্লি অদুগা অয়াম্বদা ডিমেন্সিয়া লৈগন্দে। করিগুম্বা অঙাংনা মমাগী পুকনুংদা লৈরিঙৈদা নত্রগা পেরিনেটের পেরিয়দতা নত্রগা পোক্লবা মতুং চহী ফাদ্রিঙৈদা ঐচ আই ভী পক্ খ্রবদি  অঙাং অদুচহী অমগী মনুংদা শোয়দনা নারক্কনি। ঐচ আই ভী চঙখ্রগা অহন্গা চাংদম্নবদা অঙাংদা মহীক্-মনায়দগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈশিং মপূং মরৈ ফাদবা অমদি হকচাংগী কয়াথশিং পীক্পনিনা খিত্তাচঙখ্রবসু মহীক্কী চাংনা য়াম্না থোকলুবা অসিনি। অদুগীসু মথক্তা অঙাং দদি হাই রিকস বিহেবিয়র হায়বা লৈতবনিনা ঈ কাপ্পনা এইদস নারক্পগী য়াম্না মরুওইবা মরম্ অমা ওইরি। হীমোফিলিয়া, ঠলাসেমিয়া অমদি সিক্কল সেল এনেমিয়ানচিংবা হোল ব্লদ নত্রগা ঈগী পোথোক্শিং কাপ্তবা য়দ্রবা লায়-নাশিং অসি লৈরবা অঙাংশিংদা এইদসনা নারক-পা য়াবগী অচৌবা খুদোংথিবা লৈ। ইউঃ এসঃ এঃ দা এইদসনা নারবা অপুনবা অঙাংগী চাদা ১০ রোমদি ঈ কাপ্পদগীনি।

লাক্লিবা চহী খরসিদা ঈ কাপ্পনা থোকহন্বা এইদস না নাবা মী কয়াম লৈরক্কদগে হায়বসি মমাংগী চহী ৫–১০ সিদা ঈ কাপ্পদগী মী কয়াদা মহীক্ অসি পক্হনখ্রবগে নত্রগা ঐচ আই ভী পক্রবা মী অমনা কয়াম কুইনা লৈরগা এইদস না নারক্কদগে হায়বসি তাংদাংবা খঙদবা মরম্না পন্বদা লুনা থোকই। ইউঃএসঃএঃ দা চহী ১২ গী মখাগী অঙাশিং অমদি চহী ৫৯ গী মথক্কী অহন্দনা মরক্কী চহী কাংলুপ্তা লৈবা মীদগী হেম্না। ঈ কাপ্পগা মরী লৈনবা



CS CamScanner

এইদসনা নাবা থেংনৈ। মসিদগী ঐখোয়না খঙলিবদি চহী ৫৯ গী মথক্কী মীদা হেন্না তোয়না ঈ কাপ্পা দরকার ওইবা অমদি হীমোফিলিয়া নত্রগা ঠলাসেমিয়াগী অনা-বসিংনা এই সনা নাবা অঙাং মশীংগী অচৌবা শরুক অমা ওই হায়বসিনি।

ঈ কাপ্পদগী ওইরকপা এইদসকী ফিবমসি ট্রোপিকেল আফ্রিকাদনা অমুক্কা হেন্না লুনা লৈবা উই; খুদম ওইনা ঐচ আই ভী পক্ পা অপূনবা মীশিংগী চাদা ১০ দি ঈ কাপ্পদগী ওইবতা নত্তনা লৈবাক অসিগী দোনর পোপুলেসন্দ ঐচঃ আইঃ ভী পক্পগী চাং অসি চাদা ২০ য়ৌনা বাঙই; অদুগীসু মথক্তা ঈ দরকার ওইবগী চাং য়াম্না বাংবা আমদি লেবোরেটরী অয়াম্বদা রিসোর্শ বাৎপদগী ঐচ আই ভী এন্তিবোদিগী তেষ্ট অসি নিংথিনা পাঙ থোক্ পা ঙমদবা অসিনসু মহীক অসি শন্দোকপা থিংনবগী খুজিল থৌরাংদা অচৌবা চৈথেং অমা পী।

চাউখৎলবা লৈবাকশিংদা শক ১৯৮৫ দা ঈ কাপ্পদা ঐচ আই ভী শন্দেকপা য়াবগী খুদোংথিবা অসি ঈ য়ুনিট মিলিয়ন অমা কাপ্পদা ৩০২ ওইরম্বদগী ঙসিদি ঐচ আই ভী এন্তিবোদি য়াউদবা ঈতমক্ কাপ্লবা শীজিন্নরকপদগী হায়-রিবা খুদোংথিবা অসি শরুক ১০ দগী ১০০ য়ৌনা হম্বখ্রে।

ভারত্তা শুংবা ঈগী পোথোকশিংগী চাদা ১৭ রোমদা ঐচ আই ভী এন্তিবোদি য়াউরম্বা অসি খঙলক্তুনা শক ১৯৮৯ গী মার্চ তগী ঈগী পোথোকশিং শুংবা নত্রগা য়োনবা থিংখি। দিল্লি অমদি বোম্বেনচিংবা অচৌবা সহরসিংদা কাপকদ-বা ঈ য়ুনিট খুদিংমক ঐচ আই ভী এন্তিবোদি গী চাংয়েং অসি ১৯৮৯ গী মার্চ থাদগী হৌখি। ভারতকী অতে মফমশিংদদি মসি হৌনখিবা ইকুই কুইদ্রি হায়বা য়াই। মরম অদুনা ঈ কাপ্পদগী ওইরকপা এইদসকী অনাবসি ঐখোয়না থেংনবা হৌরকপদা ভায়রি হায়না লৌবা য়াই।

মহীক মনহায় য়াউদবা অফবা ঈ অনাব- শিংদা মতম চানা, মতীক চানা ফংহন্নবা হোৎনব-দা হোসপিতালগীতা নত্তনা সমাজ অমগী অচৌবা থৌদাং লৈ। ভোলন্তরী দোনর হায়বদি মবুকথোক্কী ঈ দান তৌবা মীদগী লৌবা ঈনা খ্বায়দগী ফবা ঈনি হায়বসি মালেম পুম্বনা য়ান-রবনি। ঈ য়োনবামীদগী লৌবা ঈদা ঐচ আই ভী, হেপাতাইটিস বি ভাইরস, অমদি সিফিলিস নচিংবা ঈ কাপ্পদা শন্দোকপা য়বা মহীকশিং হেন্না তোয়না য়াউই হায়বসিসু ঐখোয়না খঙনা তানরবা বাফমনি। রিপ্লেসমেন্ট দোনেসেন হায়বদি মরী মতা নত্রগা মরূপ মপাঙদগী লৌবা ঈদগীসু মপুকথোক্কী পীবা হায়বদি ভোলন্টরী দেনরসতগী লৌবনা ঈদা শন্দোকপা য়াবা মহীক-শিং য়াউবগী চাং হন্থৈ।

খবর অমদি তোঙান তোঙানবা সরকারগী লম্লাই লোইশঙ কয়াগী চেফোংশিং অমদি রেদিও নত্রগা টি ভী গী এইদসকা মরী লৈনবা প্রোগ্রাম কয়াদগী ঙসিদি ঐখোয় অয়াম্বনাএইদস নত্রগা ঐচ আই ভী গী হায় রিস্ক গ্রুপ্ হায়বদি করম মরম্বা মীওইদা ঐচ আই ভী পক্লম্বা য়াবগে হায়বসি খঙনরবনি। ড্রগ কাপ্পা, নুপা নত্রগা নুপী অমদগী হেনবগা হক্তিনবা নত্রগা হক্তিন্নবদা লৌনবা লায়না পকপা হায় রিসক গ্রুপক মী-ওইশিংনা মশা-মশানা খঙনা ঈ পীরোইদবনি। চিংলবা ঈ য়ুনিট খুদিংমক ঐচ আই ভী, ঐচবি এস এন্তিজেন, সিফিলিস অমদি মেলেরিয়ান- চিংবগী য়াউদে খঙনবা চাংয়েং তৌথোক্লদবনি। ঐচ আই ভী গী স্কিনিং টেষ্টতা ঐচ আই ভি এন্তিবোদি য়াউব্রা নত্রগা য়াউদব্রা হায়বসি য়েঙই ঐচ আই ভী না হকচাংদা চঙলবা মতুং চয়োল ৬ তগী থা ৩ ফাউবগী মনুংদা ঐচ আইভী এন্তিবোদি অসি স্কিনিং তেষ্টতা খঙবা য়াবা চাংদা শেমলকই। মরম অদুনা কনাগুম্বা অমগী ঈদা ঐচ আই ভী য়াউরবসু এন্তিবোদি য়াউদবনিনা (বিন্দো পেরিয়দ) থা অমা-মখায় ফাউবদি স্কিনিং তেষ্টতা নেগেতিভ্ ওইবায়াই। অসুম্না মহীক য়াউরবসু খঙবা ওমদনা কাপখিবদগী ঐচ আই ভী শন্দেকপা য়াবগী চাং অসি বিজ্ঞানিক অনিগী ইকুই-কুইদ্রিবা থিজিন্ হুমজিন্বগী ফল্গী মতুংইন্না ঈ য়ুনিট মিলিয়নঅমা কাপ্পদা ৩.৩ অমদি ২৬নি। ঈগী পোথোকশিং শেন্নবগীদমক্তা তিনশিন-গদবা প্লাজমা য়ুনিট খুদিংমক তোঙান তোঙান্না অমদি পুন্না ঐচ আই ভী এন্তিবোদিগী চাংয়েং তৌগদবনি। অদুগীসু মথক্তা মহীক য়াউম্লবসু মাঙহন্নবা ফিজিকেল নত্রগা কেমিকেল পাম্বৈশিং থিজিন্নরগা মহীক অমত্তা য়াউদ্রে খঙ্ লবতদা অনাবদা পীগদবনি। হৌজিক্তি ঈগী পোথোক্ শুংলিবা মফম অদুগী ঐচ আইভী এন্তিবোদি য়াউদে হায়বগী সার্টিফিকেট অমা অসিগুম্বা পোথোক্ খুদিদংদা হাপ্তবা য়াদে।

এইদস থোক্লকপদগী ঈ কাপ্পা দরকার ওইবা অনাবাশিং অমদি মখোয়গী মরী মতাংশিংদতা নত্তনা লায়েংলিবা ফিজিসিয়ান, নত্রগা সরজ্যন অমদি ব্লদ বেঙ্করশিংদা কাপ্কদবা ঈ য়ুনিট খুদিং স্কিন তৌরগসু হ্যুমেন এবর অমদি বিন্দো পেরি-য়দকী ফোলস নেগেটিভ নচিংবাখরা মখেদি লৈবা য়াবনিনা মীপাইনবা অসি কোক্লদ্রি। অদুবু কাপ্ কদবা ঈ য়ুনিট খুদিং শোয়দনা স্ক্রিন তৌর-গদি মথক্কী মওংশিং অসিদা ঐচ আই ভী শন্দোক্পা য়াবগী চাং গদি ডে ষ্টেসিও জি গী মতুংইন্না ঈ য়ুনিট লিশিং ৬০ কাপ্পদা মী অমদা মহীক অসি বায়রক্ পা য়াই হায়বসিনি। মী অমদগী ঈ অতোপ্পা মী অমদা কাপ্পদগী (হোমোলোগস এান্সফ্যুজন) ওইরক্লিবা খুদোংথিবা কয়া অসিনা মরম ওইদুনা কিদনী, গোল ব্লেদর, য়ুটেরস অমদি ফেকচরনচিংবগী "কোলদ ওপরেসন' দা হীমোগ্লোবিননা চাদা গ্রাম ১০ বু য়ৌববদি অনাবা মশাদগী ঈ হান্নানা চিংথোক্তুনা থমহৌরগা ওপরেশন মতমদা অমুক কাপশিনবা (ওতোলোগস ত্রান্সফ্যুজন) অসিনা হেন্না ফরে হায়না খন্নরে।

# জন্ডিস লৈনা মওং

## ডাঃ কায়েনপাইবম হীরেন সিং

হকচাং মচু নাপু ওইবা মওং অদুবু জন্ডিস কৌ-ই। জন্ডিস হায়বসি লৈনাগী মওং অমনি, মমিং নত্তে। জন্ডিস ওইরবদি ঈশিং মপান থোকপগী মচু নাপু ওইগনি, মীৎকী মচু নাপু কাগনি চিলনুঙগী ঙৌ, খৌ পুন্নমক নাপু কাগনি, হকচাং উনগী মচুসু নাপু কাগনি। হায়রিব নাপু মচু হায়বসি থাঙেসেংবা মচুদি নত্তে, অদুগা চুমনগি হাকাচাং মচুদ নাপু মচু য়াল্লগা ওইথোক্প মওংনি। হকচাং মচু নাপু কাবত্ত নত্তনাসু চানিংব থকনিংব কয়া লৈরোই, হকচাং ঈপাঙ্গল সোনগনি। মতম মতমদ হনদোকনিংবসু তৌনি।

### জন্ডিস লৈনা মওঙ অসি মখল অহুম থোকনৈ ঃ

১। লিভার শোক্পা লৈনা মখল
২। ঈ-গী হিমোগ্লোবিন কাইথবা লৈনা মখল অমসুং
৩। গোল ব্লাডার (মসিঙ্গা খাউ) মরিদ নুং লৈবা লৈনা মখল অসিগুম্বা।

মরু ওইনা লিভার সোকপা লৈনা মখলগী জন্ডিস অসিনি হৌজিক ঐখোয়না নৈনগদৌবা। মীওই হকচাংগী লিভার অসি ভাইরাস নত্রগা ব্যাক্টেরিয়া অমদি ফান্গাস্ মহিক ইনফেক্শন ওইবনা জন্ডিস ওই। অমরোমদনা হাক্চাংগা মৌনবা কেমিক্যাল অমদি হিদাক্ সিজন্নবন লিভার সোক্কুনসু জন্ডিস ওই। হায়রিব কেমিকেল অমদি হিদাক অসি এলোপ্যাথিক নত্রগা বোনাজি নত্রগা হোমিওপ্যাথিকসু ওইরমবা য়াই। লিভার সোক্হন্বা ভাইরাস অসি মওং মঙা থোকন খাইদোক্লি। অদুসিংদুদি (ক) হেপাটাইটিস-এ (খ) হেপাটাইটিস-বি (গ) হেপাটাইটিস -সি (ঘ) হেপাটাইটিস-ডি অমসুং (ঙ) হেপাটাইটিস-ই হায়বসি। হায়রিব মওঙসিংদা হেপাটাইটিস-বি অমসুং হেপাটাইটিস সি অনিমক লৈনা সাংদহন্ব মওংগী ভাইরাসনি হায়বাদ মওং অনিসিনা ইনফেকশন ওইরবদি তুঙদ লিভার সিরোসিস্ নত্রগা ক্যান্সার ওই অনমবদা। মরম অদুনা লিভার সোকপা লৈনা হেপাটাইটিস ওইদুন জন্ডিস ওইরবদি করন্বা মওংগী ভাইরাসন ওইহল্লিবনো হায়বসু ঈ-টেস্ট তৌদুনা খংদোকপা মথৌ তাবনি মতিক চাবা হকচাং সাজেন অমসুং লায়েংবা তৌজরমদা। হায়রিবা হেপাটাইটিস ভাইরাস অসি মী অমদগী অমদা সিনদোকলি। চাক-ইশিং তিন্নবা, ইনজেকশনগী সিরিঞ্জ তিন্নবা, মী অমদগী মী অমদা ঈ হাপ্পা, নুপী নুপা হকথেংনবা অসিগুম্বানা ভাইরাস অসি সিনদোকলি। মরম অদুনা জন্ডিস লৈনা পাইবা মীওই অমবু চাকচা ইথক্ তোঙালহম্বা, সিরিঞ্জ অতোপ্পা সিজিন্নবা, ঈ পিবা তৌদবা অমসুং হকথেংনবদা কোনডোম শিজিন্নবা মথৌ তাবনি। মপান হোটেল রেষ্টুরেন্টদ চাবা থকপা তৌবা, মশক খংদবা মীওইদগী ঈ-লৌবা, অসিগুম্বনসু ভাইরাস সিনদোক্লি। হেপাটাইটিস ভাইরাসন ইন্ফেকশন ওইন জন্ডিস ওইরবদি অনাবা মীওই অদুবু লায়েংবিবগা লোইনন গ্লুকোজ মহি য়াম্না পিথক্পা মথৌ তাবনি। লৈনা থুংবা মীওই মহাক্তি সপ্তাহ মরিরোম হাক্চাং পোথাদুন লৈজবা তাঙাইফদবনি। জন্ডিস ওইহল্লিব হেপাটাইটিস লৈনাসি লায়েংজবত্তা নত্তনসু লৈনা থুংদনব হায়দুনা হৌজিকক্তি হেপাটাইটিস ভ্যাক্সিন (টিকা) লৌদুনসু লৈনাসিদগী লন্নাই হকচাং ঙাকথোক্চবা য়াই। হায়বদি (১) হেপাটাইটিস-এ ভাইরাসদগী ঙাকথোকচবগী'দমক হেপাটাইটিস-এ ভ্যাকসিন, অমসুং (২) হেপাটাইটিস বি ভাইরাসদগী ঙাকথোকচবগী' দমক্ হেপাটাইটিস বি ভ্যাক্সিন লৌজবা য়াই। তৌববুদি হেপাটাইটিস সি অমসুং হেপাটাইটিস ই ভাইরাস'দগী হাকচাং ঙাকথোক্চবগী ঙসিফাউ ভ্যাকসিন থোরক্ত্রি।

*লিভার সোকপা লৈনা হেপাটাইটিস ওইদুন জন্ডিস ওইরবদি করন্বা মওংগী ভাইরাসন ওইহল্লিবনো হায়বসু ঈ-টেস্ট তৌদুনা খংদোকপা মথৌ তাবনি মতিক চাবা হকচাং সাজেন অমসুং লায়েংবা তৌজরমদা। হায়রিবা হেপাটাইটিস ভাইরাস অসি মী অমদগী অমদা সিনদোকলি। চাক-ইশিং তিন্নবা, ইনজেকশনগী সিরিঞ্জ তিন্নবা, মী অমদগী মী অমদা ঈ হাপ্পা, নুপী নুপা হকথেংনবা অসিগুম্বানা ভাইরাস অসি সিনদোকলি। মরম অদুনা জন্ডিস লৈনা পাইবা মীওই অমবু চাকচা ইথক্ তোঙালহম্বা, সিরিঞ্জ অতোপ্পা সিজিন্নবা, ঈ পিবা তৌদবা অমসুং হকথেংনবদা কোনডোম শিজিন্নবা মথৌ তাবনি।*



CS CamScanner

# মণিপুরীলোনগী বানানকাঙলোন

## (শ্রী দ্বিজমণি দেবশর্ম্মা, এম.এ. না ইবা মণিপুরী ব্যাকরণদগী লৌথকচবা)

১। অকার অমসুং আকার ঃ-মণিপুরীলোনগী অকার অমসুং আকারগী চৈতপ তপ্পা ব্বাহৈশিংগী খোম্বোক্কী অরূম-অয়াং অনীগী খেন্নবা ময়েক শেংনা উৎপা ঙম্মবা পাম্বৈ লৈতে। অদুবু অরূম্বা খোম্বোক্তা মখোয়দু শীজিন্নবা তারবদি, মখোয়গী খাদা লৈয়ি চিংবসি অভিধান (Dictionary) দদি তৌগদবনি। মাদুদিঃ-

(১) অকার

| অয়াংবা | অরূম্বা |
|---|---|
| কম্বা (মহাউ ব্বাৎপা) | কম্বা (ঙক্কুম্বা ককপা) |
| নম্বা (মনম লৌবা) | নম্বা (ছাপা নম্বা) |

(২) আকার

| | |
|---|---|
| তাবা (উগুম্বদগী তাবা) | তাবা (নাকোংনা তাবা) |
| পাবা (লাইরিক্লচিংবা পাবা) | পাবা (থাদবা) |

য়েংগদবাঃ- (ক) বিভক্তি, অব্যয়নচিংবগী মমৈগী আকারঃ- বিভক্তি, অব্যয়নচিংবগী মমৈগী আকার অসি কনাগুম্বনা তেন্ন, অদুগা কনাগুম্বনদি শাংনা হায়দোকই। তেন্না হায়বা কাঙবুনা আকারগী মহুৎ অসি অকারনা শিল্লি। কাঙবু খুদিংগী চপ মান্নবা ব্বাহৈগী তোঙান তোঙানবা বানান লৈবা য়াদবনা মমৈগী আকারবু লৌথোক্লবদি মফম মরাং খঙদবগী মতৌ কোক্লবা হসন্তগী খুদম তোয়না শীজিন্নবা তাবনা অমসুং মখাগী আকার অসি থায়নদগী থমলক্লবনা, মমৈগী আকার অসি লৌথোকলোইদবনি।

মদুদিঃ-

| | |
|---|---|
| কদ্রা-চৎকদ্রা | প্রা-চৎপ্রা |
| এ্রা -লাক্রা | রা-চৎশিরা |
| পা-চৎপা | কা-মহাক্কা |
| কুন্ন-মহাক্কুন্না | না-ঐনা |
| তা-লৈপাক্তা | ফাওবা -মদু ফাওবা |
| দা-মঙোন্দা | |

অসিগুম্বা আকারনা লোম্বা ব্বাহৈশিংগী তুংদা অতোপ্পা ব্বাহৈ নত্রগা বিভক্তি তপশিল্লবদি মমৈগী আকারবু অকারনা শিনগনি। মদুদিঃ- চৎকদ্রনে, লাক্রবরা মঙোন্দসু।

না, শা, থানচিংবা মশানা আকারনা লোম্বা ব্বাহৈশিংগী মতাং- দদি মথক্কী পথাপ অসি চৎনরোই। মদুদিঃ-

নাদা, শাদা, থাদা।

(খ) অরানবা মওঙদা আকারগী মহুৎপু বিসর্গ (ঃ) না শিনবাঃ- মথক্কী পথাপ অসি থুগায়রগা আকারগী মহুৎ অসি কনাগুম্বনা বিসর্গনা (ঃ) শিল্লি। মদুদিঃ-

| | |
|---|---|
| ওইবদঃ | নীংথিদঃ |
| খরতঃ | ফজৈদঃ |

বিসর্গ (ঃ) না আকারগী মহুৎ শিনবসি মণিপুরী লোনগী চৎনবী (Convention) অমুসুং খোম্বোকী পরম থুগায়বনি। বিসর্গ (ঃ) না 'সৃ' অমসুং "হ" গী খোম্বোক্কী মহুৎ শিনবদি বৈজ্ঞানিক ওই। মরম অসিনা বিসর্গ (ঃ) না আকারগী মহুৎ শিনবসি তৌরোইদবনি। মথক্কী খুদমশিং অসি-ওইবদা, খরতা, নীংথিদা, ফজৈদা হায়না ইগদবনি।

২। ই অমসুং ঈ- ব্যঞ্জন ময়েক্কা পুন্দবা মতাংদা, অয়াংবা খোম্বোক্তা ই অমসুং অরূম্বা খোম্বোক্তা ঈ শীজিন্নগনি। মদুদিঃ-

| অয়াংবা | অরূম্বা |
|---|---|
| ইনবা (হকচাংদা ফিগুম্বা ইনবা) | ঈনবা (শাফু পীদুনা তুহন্নবা হোৎনবা) |
| হোৎনবা | অরূম্বা |
| ইবা(লাইরিক্কুম্বা ইবা) | ঈবা(হকচাং ঙমদবা) |

য়েংগদবাঃ-(ক) আকার অমসুং ওকারগী তুংদা য়ঃ-অরূম্বা খোম্বোক ফোংদোকপা মতাংদা আকার অমসুং ওকারগী তুংদা য় থমগনি,ঈ থমলোই। মদুদিঃ-

(১) আকার

| আয়াংবা | অরূম্বা |
|---|---|
| কাইবা (খাইবা) | কায়বা (মচেৎ তাবা) |
| পাইবা (উচেক্কুম্বনা পাইবা) | পায়বা (খুৎকুম্বনা পায়বা) |

(২) ওকার

কোইবা (লম্বী শাংদোকপা ) কোয়বা (অয়ুক্কম্বদা কোয়বা)

তোইবা (মচেৎ তাবা) তোয়বা (ইতৎতত্তনা তৌবা)

(খ) উ অমসুং উকারগী তুংদা ইঃ- উ অমসুং উকারনা অরূম্বা খোম্বোক খঙহনবা মতাংদা মখোয়গী তুংদা ই থমগনি, ঈ থম্মোই।

মদুদিঃ-

| অয়াংবা | অরূম্বা |
|---|---|
| উইবা (তুমনীংবা) | উইবা (তেক্কন্দবা) |
| হুই (শীংচেপ) | হুই(শাউবা, শা মখল অমা) |

(গ) ঐ হায়বা সর্ব্বনামদগী থোকপা ইয়ুম, ইপোৎনচিংবা ব্বাহৈশিংগী ই অমসুং ধাতুগী মাঙ অমসুং তুংদা তপ্পা ইগী খোম্বোক অসি লূম্বসু 'ই' না শিনগনি। মদুদিঃ-

(১) ঐদগী থোকপা ই-ইপোৎ, ইয়ুম, ইরৈবাক।

(২) ধাতুগ মাঙগী ই-ইচপ চপ্প, ইপা পাবা।

(৩) ধাতুগী তুংগী ই-ককই, থকই।

৩। ইকার অমসুং ঈকার -অয়াংবা খোম্বোক্তা ইকারগী চৈতপ অমসুং অরূম্বা খোম্বোক্তা ঈকারগী চৈতপ শীজিন্নগনি। মদুদিঃ-

| অয়াংবা | অরূম্বা |
|---|---|
| থিবা(ফংনবা হোৎনবা) | থীবা (ফজদবা) |
| শিবা(থব্বায় থাবা) | শীবা (পাখোনগুম্বা শীবা) |

য়েংগদবাঃ- (ক) অসি অমসুং মসি হায়বা সর্ব্বনামগী মমৈগী ইকারগী খোঙ্হোক অসি খর লুপ্না উই। অদুবু চৎনরকপগী মতং ইন্না মখোয় অসি ইকারগী মতেংনা ইগনি। মদুদিঃ-অসি,মসি।

(খ) অব্যয়, ক্রিয়াবিভক্তি অমসুং প্রত্যয়শিংগী মমৈগী ইকারগী খোঙ্হোক্তি লুপ্নবসু ইকারনা শিনগনি। মদুদিঃ-

| | | |
|---|---|---|
| তি-মহাক্তি, | খি-চৎখি, | রম্মি-চারম্মি |
| চিন-হাপচিনবা, | থি-নমথি, | রি-চারি, |
| মিন্ন-চামিন্নবা, | পনি-চৎপনি, | শি-চাশি |
| কনি -চৎকনি, | পি-তাকপি। | |

(গ) সম্বন্ধবোধক অমসুং অপাদান কারক্কী বিভক্তি অমসুং স্ত্রীলিঙ্গগী খুদমগী মৈদা লাকপা স্বরগী খোঙ্হোক্তি চৎনবীগী মতুংইন্না ঈকারনা উৎকনি। মদুদিঃ-

কী, গী (সম্বন্ধকারক্কী বিভক্তি)-মহাক্কী, মাগী

দগী (অপাদানকারক্কী বিভক্তি)-মদুদগী, রামদগী

পী, বী (স্ত্রীলিঙ্গ খুদম)-

অঙাওবী, অশংবী, খোঙবী, খুৎপী, নাপী, পাম্বী, শেকপী, ঙারাকপী লম্বী, কম্বী।

৪। উ অমসুং উ-ব্যঞ্জন ময়েক্কা পূন্দবা মতাংদা অয়াংবা খোঙ্হোক্তা উ অমসুং অরূম্বা খোঙ্হোক্তা উ শীজিন্নগনি। মদুদিঃ-

| অয়াংবা | অরূম্বা |
|---|---|
| উন(ঈশিংগী ফমজিনবা শক্তম) | উন(হকচাংগী কুরাংপান) |
| উম্বা (য়া মনুংদা থম্বা) | উম্বা (ফন্দোক্তবা) |

য়েংগদবা-(ক) আকারগী তুংগী উ অমসুং ও-আকারগী তুংদা উ থমদুনা অয়াংবা , অদুগা া ও থমদুগা অরূম্বা খোঙ্হোক উৎকনি। অরূম্বা খোঙ্হোক উৎননবা উ থমলোই। মদুদিঃ-

| অয়াংবা | অরূম্বা |
|---|---|
| কাউবা (নীংশিংদবা) | কাওবা (খোঙপাকনা কাওবা) |
| লাউবা (ব্া কন্না ঙাঙবা) | লাওবা (খূদবা) |

(খ) উ অমসুং ক্রিয়াবিভক্তিঃ- ক্রিয়াবিভক্তিদা য়াওবা উগী খোঙ্হোক্তি উ না শিনগনি। মদুদিঃ- ককউ, থকউ।

**৫। উকার অমসুং ঊকার ঃ** অয়াংবা খোঙ্হোক্তা উকারগী চৈতপ অমসুং অরূম্বা খোঙ্হোক্তা ঊকারগী চৈতপ শীজিন্নগনি। মদুদিঃ-

| অয়াংবা | অরূম্বা |
|---|---|
| পুবা(মফম অমদগী অমদা য়ৌহনবা) | পূবা (শেল পূবা) |
| শুবা(মকুপ তাহনবা) | শূবা (থবক তৌবা) |

য়েংগদবা-(ক) ধাতুগী মাঙ অমসুং তুংদা অমদি অবৎয়গী তুংদা লাকপা উকারগী খোঙ্হোক্তি লুপ্নবসু উকারনা শিনগনি। মদুদি -কনু-চংকনু, পুম-পুমচা চাবা, শনু -চৎশনু, শুক-শুকচা চাদবা, সু-ঐসু।

(খ) অদু অমসুং মদু হায়বা সর্ব্বনাম অমসুং মখোয়দগী শেম্বা ক্রিয়াবিশেষণশিং অদুগা অসি অমসুং মসি হায়বা সর্ব্বনাম দগী শেম্বা ক্রিয়াবিশেষণগী উকারদি লুপ্নবসু উকারনা শিনগনি। মদুদিঃ- অদু, অদুক, অদুম, অসুক, অসুম, মদু, মদুক, মসুক, মসুম।

৬। একার, ঐকার, ওকার, ঔকারঃ- একার, ঐকার, ওকার অমসুং ঔকারগী চৈতপ তপ্পা ব্াহৈশিংগী খোঙ্হোক্কী অরূম অয়াং অনীগী খেন্নবা মওঙ অসি তাকপা য়াবা পাম্বৈ লৈতে।

অদুবু অরূম্বা খোঙ্হোক তাকপা মতাংদা মখোয়বু শীজিন্নবা তারবদি মখোয়গী মখাদা লৈয়ি চিংবসি অভিধান (Dictionary) দদি তৌগদবনি। মদুদিঃ-

(১) একার

| অয়াংবা | অরূম্বা |
|---|---|
| চেনবা (পাউনচিংবা চেনবা) | চেনবা (লমজেন চেনবা) |
| থেনবা (উৎননবা হোৎনবা) | থেনবা (লুদবা) |

(২) ঐকার

| অয়াংবা | অরূম্বা |
|---|---|
| পৈবা( খোমজিনবা) | পৈবা (ঙামথবা) |
| লৈবা (য়ুমগুম্বদা লৈবা) | লৈবা (মমল পীদুনা লৌবা) |

(৩) ওকার

| অয়াংবা | অরূম্বা |
|---|---|
| থোনবা (কোক্তা থাংগৎপা) | থোনবা (ফিনচিংবা শেৎপী) |
| লোনবা( চাগুম্বা লোনবা) | লোনবা (থিংজিনবা) |

(৪) ঔকার

| অয়াংবা | অরূম্বা |
|---|---|
| তৌবা (থবকনচিংবা তৌবা) | তৌবা (লৈপাক্কচিংবা তৌবা) |
| লৌবা (মৈদা ওমদুনা মুনহনবা) | লৌবা (খুৎ চনশিনবা) |

য়েংগদবাঃ- ঐকারগী অরূম্বা খোঙ্হোক ফোংদোক্লবা কনাগুম্বনা শেরান্নানা অয় শীজিন্নে। মদুদিঃ-

| | |
|---|---|
| কয়(কোৎ) | মহয় (পাম্বীগী মহৈ মরোং) |
| মরয়(য়োৎলীগুম্বা লৈশিনবগী মওং) | ব্াহয় (শব্দ) |

ঐকারগী অরূম্বা খোঙ্হোক্কী মহুৎপু অয়না শিনবা অসি মণিপুরীলোনগী খোঙ্হোক অমসুং চৎনবীগা চানদে, মসি তৌরোই-দবনি। মথক্কী খুদমশিং অসি-কৈ, মরৈ, মহৈ, ব্াহৈ হায়না ইগদবনি।

৭। অনুস্বার (ং) অমসুং ঙঃ- অয়াংবা খোঙ্হোক্তা অনু-স্বার (ং) অমসুং অরূম্বা খোঙ্হোক্তা ঙ শীজিন্নগনি। মদুদিঃ-

| অয়াংবা | অরূম্বা |
|---|---|
| কাংবা (লৎপা) | কাঙবা (হাংদোকপা) |
| থেংবা (য়ৈশিনবা) | থেঙবা (ঙন্দবা) |

য়েংগদবাঃ- (ক) অনুস্বার (ং) নএগা ঙ অনী থংননা লৈবা মতাংদা অহানবা অনুস্বার (ং) নএগা ঙ গী মহুৎপু কনাগুম্বনা চন্দ্রবিন্দু ( ँ ) না শিল্লি। মদুদিঃ- চীঁঙ্, নুঁঙাইবা, শীঁঙেন, লাঁঙোন।

চন্দ্রবিন্দ্র ( ँ ) না অনুস্বার নএগা ঙ গী মহুৎ শিনবসি চৎনবী, অমসুং খোঙ্হোক্কা চানদে, মসি তৌরোইদবনি। মথক্কী খুদমশিং অসি- চীংঙ্, নুংঙাইবা, শীংঙেন, লাংঙোন হায়না ইগদবনি।

(খ) ঈ, ঈকার, উ, উকারগী তুংদা অনুস্বার (ং) ঃ- ঈ, ঈকার, উ, উকারনা অরূম্বা খোঙ্হোক খঙহনবা মতাংদা মখোয়গী তুংদা অনুস্বার (ং) থমগনি, ঙ থমলোই। মদুদিঃ-

(১) ঈ

| অয়াংবা | অরূম্বা |
|---|---|
| ইংখোন (য়ুম শাদুনা লৈনবা মফম) | ঈংবা (শাদবা) |

(২) ঈকার

| | |
|---|---|
| চিংবা (থৌরীগুম্বা চিংবা) | চীংবা (উংপা) |
| তিংবা (খোয়দবা) | তীংবা (ঈশিংদা থম্বা) |

(৩) উ

| | |
|---|---|
| উংবা(তৌফম খঙদবা) | উংবা (খুংগুম্বা উংবা) |

(৪) উকার

| | |
|---|---|
| তুং (মাঙগা ওন্নতৈনবা নাকন) | তুংবা (পূনশিনবা) |
| নুং (মনুং) | নুং (থৌদু, নূং) |

৫। ব্যঞ্জন ময়েক (Consonant) অনী তপশিন্নবাঃ– থংননা লৈবা ব্যঞ্জন ময়েক (Consonant) অনীদি সন্ধি অমসুং খোন্থোক্কী পরম মতুং ইন্না তপশিন্নগনি। মদুদিঃ– ফম্বা (ফম্+বা); হিক্না (হিক্+না)। য়েংগদবাঃ– 'ন' গা মদুগী তুং থংবা 'ব' গা তপ্পরবদি 'ব' গী খোন্থোকঅদু 'র' গী খোন্থোক ওইনা পাবা যাবগী খুদং থীবা লৈ। ব্যঞ্জন ময়েক অমগী তুংদা ব/ওয়া তপশিন্নবা মতমদা 'র' গী মখাদা চিংলিবা চৈতেক অসি লৌথোকখি। মদুদিঃ–ক্কাক, ম্বাই, গ্না, শ্বা, শ্বায়। মরম অসিনা অনী অসি তপ্পরোইদৌবনি। কনবা, চনবা–অসুমনা ইগনি; কন্না হায়না ইরোইদবনি।

৯। মীরো নগী ৱাহৈ (loan words) শিংঃ– মশক, মওঙ, অমসুং খোন্থোক চপচানা লৈরিবা মীরোনগী ৱাহৈ (loan words) শিংদ মশা মশাগী বানান মওঙ লেঙদনা থমগনি। মদুদিঃ– পণ্ডিত, মন্ত্রী, মন্দির।

মণিপুরী খোন্থোক্কী ঈবায় ইনিন মতুং ইন্না মশক হোংলবা মীরোনগী ৱাহৈশিং অদুদি লোন অসিগী বানান কাঙলোন মতুং ইনগনি। মদুদিঃ–
তেরসিং (কেরোসিন); বামোন (ব্রাহ্মণ), অসিনচিংবা।

**NOTE**

বিভক্তিঃ– ৱাহৈগী মমৈদা অর্থ হোংননবা তপ্পা মতেক অমনি।
অব্যয়ঃ– বিভক্তি তপ্পগা মশক হোংদবা ৱাহৈবু অব্যয় কৌই।
সর্ব্বনামঃ– মিংগী (Noun) মহুত্তা শীজিন্নবা ৱাহৈবু সর্ব্বনাম কৌই।
ক্রিয়াবিভক্তিঃ– তৌবা, ওইবা, লৈবা, অসিনচিংবা খঙ–হনবা ৱাহৈবু ক্রিয়া কৌই। মদুগী মমৈদা তপ্পা ৱাতেক অদুবু ক্রিয়াবিভক্তি কৌই।
প্রত্যয়ঃ– বাহৈগী মমৈদা অর্থ হোংননবা তপ্পা অদুবু প্রত্যয় কৌই।
সম্বন্ধবোধকঃ– পোৎ অমগা পোৎ অমগগী মরক্তা লৈবা মরী খঙহনবা।
অপাদানঃ– পোৎ অনী কায়নবা মতমদা কায়রক্লিবা পোৎ অদুনা হান্না লৈরম্বা মকফম অদুবু অপাদান কৌই।
বিশেষ্য– পোৎকী মিংবু বিশেষ্য (Noun) কৌই।
বিশেষণঃ– বিশেষ্যগী গুণ ফোংদোকপা অদুবু বিশেষন কোই।
ক্রিয়াবিশেষণঃ– ক্রিয়াগী গুণ ফোংদোকপা অদুবু ক্রিয়া– বিশেষণ কৌই।

# আর্টিকল থাবিরকউ

ইথিল থা ৩/৩ গী চেফোংগীদমক খুন্নইসিগী অমদি জাতিগী ওইবা হীরমসিংদা শৈরেং ৱারেং, ৱারীমচা পুৱারী, সেনমিৎলোন লৈঙাকলোন্ন চিংবদা নৈনবা আর্টিকলশিং চেমায় অমদা খুৎই শেংনা ইবিরগা অদোমগী কোপী থম্লগা থাবিরকউ। থাবিরকখিবা আর্টিকলগী কোপী অমুক হন্না পিথোকচদবগীদমক্তদি ঙাকপিগনি।

**ইডিটর**

ইথিল

৪, কাঠালবাগান, ধানমন্ডি, ঢাকা-১২০৫

# একজন বীর মুক্তিযোদ্ধার কথা

**সাজ্জাদুল হক স্বপন**

"অবাক পৃথিবী! অবাক করলে তুমি
জন্মেই দেখি ক্ষুদ্ধ স্বদেশ ভূমি
এ দেশে জন্মে পদাঘাতই শুধু পেলাম
অবাক পৃথিবী! সেলাম, তোমাকে সেলাম।"

বাংলাদেশ স্বাধীনতা লাভ করে ১৯৭১ সালের ১৬ই ডিসেম্বর সুদীর্ঘ নয় মাস রক্তক্ষয়ী সংঘর্ষের পর। সেই ইতিহাসকে বুকে নিয়েই বাঙালী ঝাঁপিয়ে পড়েছিল মুক্তিসংগ্রামে মুক্তিযুদ্ধে। যার ফলশ্রুতিতে আজ স্বাধীনভাবে কথা বলার অধিকার অর্জিত হয়েছে, ফসলের মাঠে কৃষকের মুখে অনাবিল হাসি শোভা পাচ্ছে, মধ্য পুকুরে গ্রাম্য মেয়ে অবাধে সাতার কাটছে। রবিঠাকুর কিংবা নজরুলের বাণী আজও আমাদের উদ্দীপ্ত করছে, একুশে ফেব্রুয়ারিতে বাঙালি শহীদ মিনারে পুষ্পস্তবক অর্পন করছে- এ সবই সম্ভব হয়েছে নয়'মাস স্থায়ী যুদ্ধের মাধ্যমে সে মুক্তি সংগ্রামের মাধ্যমে। নৃতাত্বিক পরিচয়ে না হোক জন্মসূত্রে অর্জিত বাঙালি জাতীয়তাবোধে উজ্জীবিত ও বিশ্বাসী বাংলাদেশের এক ক্ষুদ্র জনগোষ্ঠী মনিপুরী মুসলিম সম্প্রদায় ও মহান মুক্তিযুদ্ধে অংশগ্রহন করেছিল। তদুপুরি এ অংশগ্রহন তেমন ব্যপক ছিল না। পরিপূর্ন তথ্য ও তালিকার অভাবে শুধুমাত্র একজন মুক্তিযোদ্ধা ও সাহসী সন্তানকে নিয়ে আমার এ নিবন্ধের অবতারনা।

মোঃ আবদুল হামিদ, পিতা-মৃত: সামশের আলী, মাতাঃ মৃত: আঙাউবি বিবি; ১৯৫৩ সালের ১৩ই সেপ্টেম্বর ত্রিপুরা জেলার হালহালি নামক গ্রামে এক কৃষক পরিবারে জন্মগ্রহন করেন। লেখাপড়ার হাতেখড়ি হয় হালাহালী প্রাইমারী স্কুলে এবং জুনিয়র হাইস্কুলে ৮ম শ্রেনী পর্যন্ত লেখাপড়া করে তৎকালীন পূর্ব পাকিস্তানে চলে আসেন। আর্থিক দৈন্যতারকারনে পার্বত্য রাঙ্গামাটি জেলার চন্দ্রঘোনা কর্ণফুলী রেয়ন এন্ড কেমিক্যাল কোম্পানি (K.R.C) তে চাকুরী নেন এবং পরবর্তীতে নারাংগিরি পাইলট হাইস্কুলে ভর্তি হন। এমতাবস্থায় বাংলাদেশ ছাত্র ইউনিয়নে যোগ দেন। ১৯৭১ সালের ২৬ শে মার্চ বাংলাদেশের বর্তমান রাজধানী ঢাকাতে ছাত্র, পুলিশ ও জনতার উপর পাকহানাদার বাহিনী যখন আক্রমন করে তখন তাঁর চন্দ্রঘোনায় ছাত্র শ্রমিক সম্মিলিতভাবে প্রতিরোধ কমিটি গঠন করে স্বা ধীনতার জন্য যুদ্ধরত সৈনিকদের খাদ্য পাঠান। পরবর্তীতে প্রাতিরোধ কমিটি নুরুবসাদা নামক একজন শ্রমিককে কমান্ডার এবং জনাব মো: আবদুল হামিদকে সহকারী কমান্ডার করে ১০০ জনের একটি দলকে ট্রেনিং এর জন্য ভারতে পাঠানো হয়। ট্রেনিং শেষে দক্ষ, যোগ্য ও দৃঢ় প্রত্যয়ী জনাব হামিদসহ ক'জন কে বেছে রেখে দেন এবং ভারীঅস্ত্রের ট্রেনিং দিয়ে ৮নং বেঙ্গল রেজিম্যান্টে যোগ দিতে পাঠানো হয়। মেজর জেনারেল জিয়াউর রহমানের পরিচালনায় ১ম, ৩য় ও ৮ম বেঙ্গল নিয়ে বাংলাদেশের প্রথম ব্রিগেড গঠন করা হয় এবং নাম দেয় হয় "জেড ফোর্স"। ৮ম বেঙ্গল রেজিমেন্টের কমান্ডার মেজর আনিসুলহক এর নেতৃত্বে আসাম রাজ্যর ম্যাংকাচর নামক স্থানে এক ক্যাম্প করেন। ঐ ক্যাম্পে থেকে পাকহানাদার বাহিনীর সাথে নকসী নামক স্থানে এক সন্মুখ যুদ্ধ হয়, সেখানে নিহত হন ১১জন মুক্তিযোদ্ধা এবং কোম্পানী কমান্ডার লে. আমিন মারাত্নকভাবে আহত হন আর জনাব হামিদসহ বাকী যোদ্ধারা প্রানে বেঁচে যান। পরবর্তী সময়ে রংপুরের বৌমারি, সিলেটের ঘামিয়া পাহাড় ও চা বাগানে সম্মুখ যুদ্ধ হয়। যখন ভারত স্বীকৃতি দেয় তখন তাঁরা ধর্মনগর হতে কৈলাশহর হয়ে বর্তমান মৌলভীবাজার জেলার কমলগনজ থানায় প্রবেশ করেন। আবার কমলগন্জ থেকে শ্রীমঙ্গল মৌলভীবাজার হয়ে শত্রুর মোকাবেলা করতে করতে সিলেটের ঢাকা দক্ষিণে (গোলাপগঞ্জ) পৌছান। সেখানে অবস্থানকালীন সময়ে অবশেষে ১৬ ই ডিসেম্বর সকালবেলা সিলেট টাউন থেকে দেশ স্বাধীন হয়েছে এ মর্মে বার্তা বেঙ্গল রেজিম্যান্টর কমান্ডার মেজর অনিসুল হক পান এবং সাথে সাথে ক্লোজ করে সিলেট রেল ষ্টেশন অভিমুখে যাত্রা শুরু করেন। জেনারেল ওসমানি সাহেব রেল ষ্টেশনে ৮ম বেঙ্গল রেজিমেন্টের সদস্যদের সাথে সাক্ষাৎ করেন এবং মূল্যবান ভাষণ দেন। বীরবেশে চট্টগ্রাম ক্যান্টনম্যান্টে ফেরার পথে শ্রীমঙ্গলও য়াপদা হলুদ বিল্ডিং এ অবস্থান কালে যাঁরা সৈনিক হিসাবে থাকতে চান না তাঁদেরকে বিদায় জানানো হয়। সে সময় জনাব হামিদ ও বিদায় নিয়ে পুনরায় নিজ কর্মস্থলে যোগদান করেন। পরবর্তীতে পুরনরায় পড়াশুনায় মনোনিবেশকরে ১৯৭৩ সালে নারাংসিরি পাইলট হাই স্কুল থেকে ২য় বিভাগে এস.এস.সি. এবং ১৯৭৫ সালে রাঙ্গানিয়া সরঃ কলেজ থেকে ২য় বিভাগে এইচ.এস. সি.পাস করেন। ১৯৭৫ সালের ১৪ ই জুন বিবাহ বন্ধনে আবদ্ধ হন। তিনি ২৫শে জলাই ২০০২ইং পরিদর্শক পদে থেকে দীর্ঘ চাকুরী জীবনের সামাপ্ত টানেন এবং বর্তমানে এক মেয়ে ও দুই ছেলেসহ সংসারে মুক্তিযুদ্ধের গৌরবময় স্মৃতি বুকে নিয়ে গ্রামের বাড়ীতে অবসর জীবন অতিবাহিত করছেন।



CS CamScanner

# The National Monument sign of our sensibility

**M. Suman**

Everyone ardently desires for independency. Blood shedding is an essential part of a liberation war of a country. A lot of people dedicate their lives; become martyrs. In the whole country unlisted dedicators embrace death in various conditions that even their names are not known separately. For the unknown martyrs, every country of the world establishes a monumental pillar after gaining independence. The 'Statue of Liberty' in U.S.A is a shining example of typical monumental pillar. Likewise U.S.A. we possess a monumental pillar which is well-known as 'The National Monument'. It is situated at Nabinagar in savar and only 35kms away from the capital city Dhaka.

In near past our country was known as East Pakistan. The western tyrannic ruler ruled the country in a brutal manner. People were oppressed by them. As a result a revolution was broken out by the common people. They strongly desired to liberate themselves from the worst ruling of the Army Giant. Lastly, on 26th March of 1971 our countrymen declared independence and through this declaration our liberation war against Pakistan began. Students, teachers, artists, journalists, farmers, labours, doctors, literary individuals along with other class of people took part in the war. They stood against a trained enemy by heart and soul. The whole country became a battle field. The blood shedding war had been lasted for nine months and lastly on 16th December of the same year, we got victory and became independent. Near about thirty lacs of soul were sacrificed for achieving the goal.

We are proud of the martyrs. They gifted us a national flag, a national anthem and above all a map. Can we forget them for a moment? Can we insult their memories? They never decay even after their death.

The National Monument was built up to the reminiseence of those brave martyrs who had dedicated their valuable lives encountering the one eyed ruler from the begining of the struggle till to the end. More over, there are also some numbers of Monumental pillars scattered all over the country for preserving memories of the liberation war. Such as : 'Mirpur Intellectual Monument', 'Mujibnagar Monument'. But artistically 'The National Monument' is the best one among the monuments.

The National Monument was founded on four acres land. It also occupied more fourty two (42) acres land to preserve it's surrounding atmosphere natural. On the victory day of 1972, the foundation stone of the monument was laid by former President Bangobondhu Sheik Mujibur Rahman. It was accomplished in 1982. Architect Moinul Hussain had designed the figure of the monument.

The monument was moulded with seven pairs of wall. These walls raised towards sky gradually shaping like a traingle and the thickness of the wall increases to the upper than the bottom side. The highest peak of the monument is 150 fits high from ground level. It is obviously a distinctive art with a very simple decoration and made of solid concrete.

The history of our liberation agitation is shown by the walls which are gradually rising to the top. We didn't get independency as a sudden incident in 1971. We had struggled for a long time to achieve independency. Thoese walls successively show the seven stages of our liberation turmoil. These stages are :

1952, 1954, 1956, 1962, 1966, 1969 and 1971. Actually, our independency was the ultimate out come of these movements. Incidents that had happened during these times caused our independency. Libration that took place in 1952 can be considered as the first step of liberation war. The Bengali didn't able to rule East Pakistan even after getting the power through 1954's election. In 1956, an unscientific ruling system known as 'Islamic Shashontontro' was imputed upon the multitude of the country. On 27th October of 1958, army chief of staff General Ayub Khan captured supreme power of the country destroying democracy. In 1962, an educational movement was broken out while he was ruling the country tyrannically. Historic 'Choi Dhofa (six division agitation) Andulon' was moved on in 1966. Following the incidents, a revolution was broken out due to the impossibility of keeping parallism to the West Pakistanies in 1969. In 1971, final show-down was staged as a result of that events and we got victory over them.

Our "National Monument' reminds us the historycal years along with a large number of martyrs who had died in that years showing their bravery. It's surrounding nature is very charming. There is a reception and rest centre inside the yards of the monument. There is also a preservation office near by this centre. These centres are located on the rightside of the entering path. From the main gate, yard of the monument is decorated with steps built of red bricks. In the yard, our national flag flys relentlessly from the top of a stainless steel pillar. The total yard is divided into three portion. In the first portion, there are a open stage, a Museum and a library. In the second portion, there is a stage of flower placing. And then comes the main yard of the monument.

Foreign leaders use to go to 'the National Monument' when they visit our country in order to show their respect to the martyrs. On 26th March of 1997, South African President, the famous democratic leader Nelson Mendella visited our National Monument. He was totally charmed with its attractive pillars, artistic work and natural secenery. Therefore, he commented, "The monument is a great place of Bangladesh."

We are proud of our 'National Monument'. We can see the monument in two times


## মীৎয়েং চিংশিনজবা

'মনিপুরী ডেভেলাপমেন্ট ট্রাস্টকী অফিস চেরোল অমগী মখা পোন্না "ইথিল থা' অহুম অহুমগী ওইবা চেফোং অসিগী নিবার্হী সম্পাদক অমা অথুবা মতমদা খনগনি/হাপ্পনি। মহৈ-মশিংগী থাক্লা HSC নৎএগা BA পাশ তৌরবা মহৈরৌশিংনা Candidate ওইনা Aplication তৌবিরক্লবা নিংশিংজরি। অফিস চেরোল অসিনা মখা চখানা হাইরি চেফোং অসিদা মরুওইবা থৌদাং লৌবিরগদবা/লৌবিরগদবী মহৈরোইশিংনা ইংরেজী, মনিপুরীলোন অমসুং মনিপুরী ইতিহাস খরা কুপ্পা লৈনরবা, জার্নালিজমদা প্রাইমারী নোলেজ লৈরবা মহৈরোই ওইহননিংই। জাতিগী শক্তম ঙাক্লবা নুংশিরবা চেফোং অসিবু মরাতনা হিংহন্নবা পাম্বৈ ওইনা ইমালোন, ইজাতিবু সেবা তৌনিংবগী ব্যাখল চেনবা, অব্যাবা থাংবা ঙম্বা ১মসুং থম্মোয়শেংনা কৎথোকপা ঙম্বগী থৌনা লিংজেল চেনবা লোয়ননাশেলারিগী মতাংদা চেফোং পুথোপদা অব্যাব শরুক য়াবিনবা ঙম্বা Candidate শিংবু মনিপুরী ডেভেলাপমেন্ট ট্রাস্টকী মাইকৈদগী ইকাই খুম্নবা উৎচগনি ১মদি হিংমিন্নবা অঙম্বা মতেং পাংজগনি। পাসর্পোট সাইজগী ফটো অনি যাওনা মরুওইবা চে-চাং (Acadamic) ১মসুং BIODATA মরি লৈনবা অথিরিটিদা য়ৌহনবিরক্লবা নিংশিংজরি।

[Candidate শিং বাংলাদেশী নগরিক ওইগদবনি]

চেয়ারম্যান
মনিপুরী ডেভেলাপমেন্ট ট্রাষ্ট
৪,কাঠাল বাগান
ধানমণ্ডি, ঢাকা।

**মীতৈ জাতিগী পাক-চাউরবা অমদি মালেমদা শিংথানিঙাই ওইরবা ঈনাৎ-ফিদম্ অমদি মীতৈ জাতিগী শক্তম ঙাক্ননবগী মতাংদা বাংলাদশেকী মীতৈ অহল-লমন অমসুং-য়ুমবুরেন ওইবীরিবা ইমা-ইন্দোন-ইচিন্নাও শিংগী মফমদা মসকপ-সিলেটকী মাইকৈদগী থম্জনিংবা ওয়াফম খরদং-**

## হয়েংগী নহারোল ........................... অঙাং ঐখোয়নী।

মালেমগী পাকশল্লবা তম্পাক্তা মহৌশা লাইরেম্বীনা নাউকোনবিদুনা চাক্তাজরিবা মীওই ফুরূপ কয়াদংগী মনুঙদা মশীং য়ামজদ্রবা তুশোল্লবা মীওই কাঙলূপ'মা ওইজরবসু মীতৈ জাতিদি মশাগী মপুঙ ফারবা পুওয়ারী নাৎ ফিদম অমগী চাউথোকচরিবা মপূ'মা ওইরিবনী মশীং লিকচরবসু-শেল থুমগী ফিবম্দা শোথ্থজবরসু মীতৈদি চংখোল্লবা নাৎকী মঙালনা মালেম্ শিন্থুংনা ঙাম্থোইজরিবনী। মীতৈবু ময়ান্না ইকাউখুন্নরিবনী অদুবু লাইবক থীবদি-নুংঙাইতবা থৌদোক-ওয়াথোক খরদগী মীতৈ জাতিগী মায়থোংদা হামুক তৈবা হায়বদো থোক্লে। অসিগুম্বা থৌদোক্ ওয়াথোকশিং তোইশিল্লকপনা ঙসি মীতৈ জাতি ময়েং তারে-ময়ান্না ইকাইখুন্নরম্বদু মাঙথরক্লে। হায়রিবা থৌদোক-ওয়াথোক-শিংসি করিনো হায়বদো ময়াম্সু লোয়না খঙনবিরিবনী। মতমগী য়াওল্গা লোয়ননা মীতৈ মচাশিং-নিঙোল অমসুং পাখংশিং-লাইরিক লাইশু তন্নরকলে; মপাল থোক্লা অতোপ্পা মীওই ফুরূপকী ইচিন্নাত্তশিংগা তিন্নবা হৌরকলে; মীয়ামগা খোংমান্ননা থবক তৌনরক্লে অমসুং চাউখৎপগী লমজেলদা চেনমিন্নবা হৌরকলে। মসি হরাওনিঙাইনি-চাউথোকচনিঙাইনি। অদুবু লাইবকথীবদি অতোপ্পা মীওই ফুরুপ শিংগা তিন্নরক্পদগী মপালগী অরংবা মৈঙাল্দা থক্কৎতুনা ঐখোয়গী ইচিনাওশিং কনা কনাগুম্বা খুদি থীনরক্পসু যাওরক্লে। ঐখোয়গী ইচল ইচেশিং কনা কনাগুম্বা মীতৈ ফুরূপকী ওয়াংমদা থোকখিদুনা অতোপ্পা ফুরূপকী মনুঙচনখ্রে। ইয়াম্বা ইনাও কনা কনাগুম্বসু অতোপ্পা মীওই ফুরুপকী নিঙোলশিং লৌদুনা মীতৈগী শাগে ময়েং তাহন্বা য়াওনরে। মসি য়ান্না লাইবক্থীবনি। মীতৈগী শাথীনা ময়েং তাবা থবক্লি। পাখৎনিঙায়দি মসিগুম্বা থৌদোক্- ওয়াথোকশিংসি তোয়না তোয়না থোকশিল্লকলে। মসিনা মীতৈগী নাইতোম ওইবা নিংথিজবা শক্তম অদো মাঙহল্লক্লে। মরমসি হৌজিক মুন্না খন্থদবা য়াদ্রবা মরম'মা ওইরবনী। মীতৈ ঐখোয়গী নাৎ-ফিদমবু নিংথিজনা য়োকখৎপা ঙমদবা অমসুং হৌরক্লিবা ঐখোয়গী চারোল শুরোলবু মীতৈগী ওইবা নাৎ ফিদমগা শঙখং মাইখংনহনবা অমসুং চানা-চূনহনবা ঙমদবগীদমক-মসিগুম্বা থৌদকশিং থোক্লকপনি হায়নাঐখোয়না খল্লি। মসিগুম্বা থৌদোক্শিং অতৈ মতুঙমনাও থোক্তনবা মীতৈ জাতিগী লুচিংবশিং অহল-লমন অসমুং মমা-মপা ওইবশিং পুন্নমকপু খরা চেক্শিনবীনবা হায়দুনা মণিপুরী সম্প্রদায় কল্যান পরিষদ (মসকপ), সিলেটকী মাইকৈদগী নোল্লূক্লনা নিংশিংজরি।

নোল্লকচরিবা–

এম.উত্তম সিংহ রতন
নির্বাহী পরিচালক
মসকপ, সিলেট।
রেজিঃ নং-সিল-৫৪৯/৯৮
রিয়াজ ম্যানশন (৩য় তলা), সুবিদবাজার, সিলেট।

## ক্বাদায়দা লেপ্‌ক কবাবিগী পুন্সি

এন. অতুল

ক্বাদায়দা লেপ্‌কদবা কবিগী পুন্সি?
ওয়াং চৎলুই-
থোইবী লৈরম্মী।
খা চৎলুই
বনলতা লৈরম্মী।
নোংপোক চৎলুই
কবিতা লৈরম্মী
নোংচুপ চৎলুই
প্রীতিলতা লৈরম্মী।
ঙমখিদে, ঙমখিদে ঐদী ঙমখিদে
থোৎলবা চিন্নানসিনা নুংশিদে হায়রা অমত্তা ঙমখিদে
নুংশিবা মখল য়ান্না উৎলম্মে
মতম মতমগী ওইনা পিরাং চিন্থারম্লে
কবিগী থম্মোয়দী অরেপ্পা নাইদে
মখল য়াম্মী, লম্বী য়াম্মী
সাধনা- তৌরবদী উপমাগীসু অরোইবা লৈতে
মালেমসিদা- লৈরিবা জীব পুন্নমকসে
কবিগী ডায়েরীদা হিংনা লৈনরিবনী।

## ঐখোয়গী থৌদাং

কৈশাম বিশ্বজিৎ মীতৈ

ওইসিগে করিনা ঐখোয়গী থৌদাং!
তৌসিগে করি ইরৈপাক্কীদমক ?
লাকপনি ঐখোয় অসে তাইবং লীলা হাকসিদা
মপুগী ঝুলি পাইদুনা, অচৌবা ললোম্বা অমগুম্না।
মহৈ ফংনা হুমখিবনা লাকপনি ঐখোয়গী
মহুৎ মাংনা হল্লবদি মাঙজরবনিপুন্সি;
লৈত্রবনি মহৈ তাইবংসিদা লাকলমবগী।
হোৎনসি পুন্সি মহৈ য়ান্নাবা,
খরগিনী লাকপা পুন্সিদা মাংহনগনি করিগী অরেম্বদা মতম ?
হোৎনরমসি খরনিগী তাইবং লীলা খোংচৎ সিদা খজিকতং ওইরবসু
ইরৈপাক, ইজাতিগী দমক্তা, থরাই খুবাক্তা হাপ্পুনা চাওখৎনবা
ইরৈপাক্তা চাইবিসি ইশিং তওনা,
কবি কয়াশিংনা থারম্বা চারশিংদা। নিংথিনা সেমবিসি চারাসি,
নিংথিনা মকা লাম্নবা, হেনসনু মালেমগী অতোপপা কয়াদগী ----।
নিনিগী চেঙজেল পুদুনা লাকপা তাইবংসিদা,
মৈফদে নিংজেল মান্নদবগী অক্নবা লংলা।
কাওফদে ঐখোয় পুন্নমক মপু মাগী মচা ঙাক্তনি হায়বসি।
তমবিসি, তাকপিসি অহৈবানা হৈতবদা,
পিবিশি শিক্ষা অহন ওইবনা নহাশিংদা।
পুন্‌শনসি ঐখোয় পুন্নমক অমত্তা ওইনা,
করিগী ঙমদনি হোৎনরগা? হোৎনরগা ঙমদবা লৈবরা মপুগী
তাইবংসিদা, অক্নবনা তুহৎপিবা অনঙবদা-
-ঐখোয় পুম্বা অমওনি, কননা হেল্লি ?
মপুগী তাইবং সিদা পুন্নমক অমত্তনি।
লাকালো লাকলো ইচিন ইনাওশা, ঙসিদি Science যুগনি,
ঙসিগী চাওখৎলবা যুগসিদা-
কদায় ঐখোগিদী শোথবগী ঙক্তা।
লীংজেল মান্নদবগী অকনবা লংলা
অদুবু মাংহনলসি পুন্নমক মরু ফংনা,
লৌরসি থৌদাং অমমমতং ওইন ......
লাকলমবগী মহৈ অমমমতং ফংননবা।

## নুংশিবগী পাউজেল

কৈশাম বিমল

নুংশিরবা শৈহৌনা
থমোয় মুহনবীদুনা থৌজালবীরে।
খোরিরোলগী নিংথিবা খুদোলনা
খুৎলাই থৌর্জেবু থৌহনবীরে।
মীয়ামগী তমক পুন্সি কথোকলীব।
হে নুংশিরবা ওজা
শরৎচান্দ, ভুবনম্না, বীমাবতী, নিরজিৎ
কৎচরি নখোয়বু তোল্লবা ঐগী ভক্তি !
নখোয়গী নুংশিরবা পাউজেলনা
থমোয় কেমহল্লাবা কুমজাসিদ
থবায়বু থৌনা-ফহনবীরে
মৈচাকপা মতমগী লানথেংসিদ
চেৎলকপা খুদোমবু অতৈসু চেৎহনবীরে
কয়াতা কু...ই..না নিঙজরম্বা-
ঙাইজরম্বা + মঙজরম্বা ..
নুংশিবগী মপাও, নুংশিবগী পাউজেল
মঙফাউরে হৌজিকতী তরং, তরং
হে নুংশিরবা ওজা
নোলুকচরিনে তওনা বাংলাগী খোইদৌদগী
তম্বিরুচনে ঈরমদমগি ময়ামবু.
ঐখোয়গীসু নুংশিবগী মপাও,
নুংশিবগী পাউজেল!



CamScanner

# ৭ সুবা নিংতম কাং টুর্ণামেন্ট ২০০৪

বাংলাদেশ মনিপুরী কাং ফেডারেশন্না শিনলাংদুনা ৭ সুবা কাং টুর্ণামেন্ট ২০০৪ পাংথোকখ্রে। হৌখিবা ২৮/০১/২০০৪ ইং য়ুমশাকৈশা নুমিৎছোটধামাই খুঙ্গঙী শ্রী গৌড়চন্দ্র শর্মাগী মাঙপ্তা টুর্ণামেন্টকি অহানবা শান্নবা হৌদোকখি। শান্নবা হৌবা নুমিৎকি থৌরমদা প্রধান অতিথিগী ফমদা লৈতেংদুনা য়ুন্নাম ইবোহলনা শান্নবা হৌদোকপিরম্মি। বিশেষ অতিথিগি ফমদা লেংবিরকখি নিঙোম্বম যোগেশ্বর অমসুং সভাপতিগি ফমদা ঙানথোয়বিখি ক্ষেত্রিময়ুম হরিপদ।

টুর্ণামেন্টদা শরুক য়াখিবা টিম (কাংখুৎ)

নুপা কাংখুৎ : ১২ (তরানিথোয়)

জোন-বি
১. গৌরাঙ্গ মহাপ্রভু কাংখুৎ, ছোটধামাই
২. মহাদেব কাংখুৎ, ছোটধামাই
৩. পাঠারি জগন্নাথ কাংখুৎ
৪. পুথাধর ত্রিণপ্রভু কাংখুৎ

জোন-সি
১. আমসৃফা কাংখুৎ, আম্বরখানা
২. হক্তিয়ার খোলা গৌরনিত্যাই কাংখুৎ
৩. নলডরী মহাদেব কাংখুৎ-বি
৪. নয়াপত্তন ইয়ুথ ক্লাব

জোন-ডি
১. নলডরী মহাদেব কাংখুৎ-এ
২. হামোমখুল মহাদেব কাংখুৎ
৩. লাইনিংথৌ কাংখুৎ গঙ্গানগর
৪. নিত্যানন্দ কাংখুৎ মঙ্গলপুর

নুপী কাংখুৎ ৮ (নিপাল)
১. হামোমখুল মহাদেব কাংখুৎ
২. কম্হৌলৈমা কাংখুৎ নয়াপত্তন
৩. ভানুবিল ভানুমতি কাংখুৎ
৪. মঙ্গলপুর রাধাগোবিন্দ কাংখুৎ
৫. পাম্হৌইবী কাংখুৎ আম্বরখানা
৬. লাইরেম্বী কাংখুৎ ছোটধামাই
৭. মীতৈ লৈমা কাংখুৎ রামনগর
৮. শানালৈমা কাংখুৎ রামনগর

ফাইনেল শান্নখিবা কাংখুৎ (নুপা)

হামোমখুল মহাদেব কাংখুৎনা পাঞ্জল ১১>৬দা নয়াপত্তন ইয়ুথ ক্লাবতগি ঙমদুনা চ্যাম্পিয়ন ওইখি।

হামোমখুল মহাদেব কাংখুৎ (নুপী) না পাঞ্জল ১৩>৭দা মঙ্গলপুর রাধাগোবীন্দ কাংখুৎতগি ঙমদুনা চ্যাম্পিয়ন ওইখি।

অতৈ কাংখুৎ মনা ফংখিবশিং

নুপা-
৩ সুবা মনা ফংখিবা
পাথারী জগন্নাথ কাংখুৎ
৪ সুবা মনা ফংখিবা
ছোট ধামাই মহাদেব কাংখুৎ

নুপী-
৩ সুবা মনা ফংখিবা-
পাম্হৌইবী কাংখুৎ আম্বরখানা
৪ সুবা মনা ফংখিবা
মীতৈলৈমা কাংখুৎ রামনগর

MISS 2004 ওইখিবা-
হামোম চনু বিচিত্রা, আপোকপা-হামোম ইবুঙতম্বি আপোকপী-হামোম ওংবী ঙাম্বী হামোমখুল, আদমপুর বাজার, কমলগঞ্জ, মৌলভীবাজার।

লোইশন্না (ফাইনাল) নুমিৎকি অতিথিশিং

সভাপতি – ক্ষেত্রিময়ুম হরিপদ সিংহ

প্রধান অতিথি – এস. এম জাহাঙ্গীর হোসেইন চৌধুরী সচিব, জেলা পরিষদ, মৌলভীবাজার। বিশেষ অতিথি, মো: মোস্তফা কামাল উপজেলা নির্বাহী কর্মকর্তা, বড়লেখা, মৌলভীবাজার, মো: মিজানুর রহমান চেয়ারম্যান, ৭ নং আদমপুর ইউ. পি. কমলগঞ্জ, মো: আনোয়ার হোসেন সদস্য আদমপুর ইউ,পি. কমলগঞ্জ, মিফমদা বা ঙাংবিখিবাশিং মথংশিংনা- এল শ্যামল, ওজা রণজিৎ, অ বিজন, এম উত্তম সিংহ রতন অমসুং থৌরম'দুগি লাওথোকপনা টি এইচ প্রহলাদ।

টুর্ণামেন্টদা ম্যান অব দ্যা ম্যাচ ওইখিবাশিং

নুপী: নীরলিকা শর্মা হামোমখুল মহাদেব কাংখুৎ, চেকফৈ-০৪, লমথা-১০,

নুপা: হামোম অরুন হামোমখুল মহাদেব কাংখুৎ, চেকফৈ-০৬, লমথা-০৫.

ম্যান অব দ্যা সিরিজ:

নুপী: নীরলিকা শর্মা হামোমখুল মহাদেব কাংখুৎ, চেকফৈ-১০, লমথা-১৬.

নুপা: নোংমাইথেম রনেক্স নয়াপত্তন ইয়ুথ ক্লাব, চেকফৈ- ১৪,

লমথা-৩১.
বেষ্ট অব চেকফৈ:
নুপী: সজ্ঞিতা -১৪
নুপা: রকেন মীতৈ -২৫
বেষ্ট অব লমথা:
নুপী: নীরলিকা শর্মা - ১৬
নুপা: নোংমাইথেম রনেক্স - ৩১

## নূপীলান নিংশিং কুমওন ২০০৩ পাংথোকখ্রে

হৌথিবা ১২ ডিসেম্বর ২০০৩ ' রামনগর মনিপুরী চাওখৎ



খোঙথাং নূপী লুপ্পা শিনলাংদুনা নূপীলান নিংশিং কুমওন রামনগরগি হরিমন্দিরদা পাংথোকখি। নুমিৎচুপ্পাগি থৌরম'দুবু শরুক অনি থোক্লা পাংথোকখি। অহানবা শরুক্তা হে-লৈ কৎপা অমসুং নৈনবা মিফম, অনিসুবা শরুক্তা অহিংচুপ্পা ইশৈ-নোংমাই, লীলা। নৈনবা মিফমদা প্রধান অতিথিগি ফমদা লৈতেংবিখি বাংলাদেশ নৃত্য সংস্থাগি সভাপতি থোকচম অনিল কিষান, বিশেষ অতিথিগি ফমদা লেংবিরকখিবাশিং মথংশিংনা শ্রী কৈশাম বিরেন, সহ সভাপতি ইমা বাংলাদেশ, প্রফেসর এম ডি নূরুল ইসলাম কমলগঞ্জ কলেজ, মোইরাংথেম ক্ষীর সহ সভাপতি মসকপ, সিলেট। নৈনবা মিফমদা ৱা ঙাংবিখিবাশিং - এ কে শেরাম সভাপতি ইমা, বাংলাদেশ, মো: আলমগীর সহকারী অধ্যাপক শা.বি. সিলেট, ওইনাম রমেন্দ্র সেক্রেটারী জেনারেল, ইমা বাংলাদেশ, খোইরম ইন্দ্রজিৎ সভাপতি বামসাস, কমলগঞ্জ মশা ফুরুপ, উত্তম কুমার সিংহ রতন সেক্রেটারী জেনারেল, মসকপ, সিলেট, প্রহলাদ সিংহ সহ সভাপতি মনিপুরী সাংস্কৃতিক পরিষদ, কে মনীন্দ্র সিংহ সেক্রেটারী জেনারেল, বাংলাদেশ মনিপুরী কাং ফেডারেশন, অয়েকপম বিজন সিংহ সেক্রেটারী জেনারেল বামছাস, কেন্দ্রীয় কমিটি সিলেট, নিঙোম্বম কাজলী ও ক্ষেত্রিময়ুম হরিপদ সিংহ। থৌরমদুগী ময়াইতাংবলগী ফমদা লৈতেংবিখি সংস্থাগী সভানেত্রী মাইবম সবি দেবী না; অমসুং থৌরম'দুগী শিনলাংবা অমদি লাওথোকপনা থোঙাম ধীরেন সিংহ। অনিশুবা থৌরমদা মনিপুরী খুন্নাইগী ফজরবা ইনাৎকী ওইরবা লীলামচা, ইশৈ, জগোয় পুংচলম, মার্শাল আর্ট অমসুং ম্যাজিকনা চিংবা কয়া উৎতুনা ফজনা পাংথোকখি।

## মনিপুরী সাংস্কৃতিক একাডেমী ভাডারী গাঁও (নলডরী) গী ৫শুবা মপোক কুমওন পাংথোকখ্রে

হৌথিবা ১৩ অমসুং ১৪ ফেব্রুয়ারি ২০০৪ ইং মনিপুরী সাংস্কৃতিক একাডেমী নলডরী ৫শুবা মপোক কুমওন নুমিৎ নিনিচুপ্পা শিন্‌লাংবা থৌরম চিংলেন্না পাংথোকখ্রে।

অহানবা নুমিৎ ১৩.২.০৪ নুমিদাং-পুঙ মঙা:

থৌরমগী অহানবা নুমিৎকি থৌরমদা বাংলাদেশকী শিংথানিঙায় ওইরবা মিংচৎলবা আর্টিষ্ট লাকী ইনাম না প্রধান অতিথিগী ফমদা লেংবিরক্লুনা মৈরা চুখৎতুনা থৌরম হৌদোকপিখি। বিশেষ অতিথিগী ফমদা লেংবিরকখিবশিং মথংশিংনা, মাহমুদুজ্জামান সেলিম, সিরাজউদ্দিন আহমেদ সোহাগ, অধ্যক্ষ আব্দুর রউফ, অমসুং অয়েকপম বিজন। প্রধান অতিথি লাকী ইনাম না মনিপুরী খুন্নাইগী ফজরবা ইনাৎপু য়োকখৎপদা সংস্থা



কয়াগী মথৌ তায় অমসুং সাংস্কৃতিক একাডেমী লিংখৎতুনা ইশৈ নোংমাই তম্নবা হোৎনবদা তেংবাংবগী বা ফোংদোক্লমি।

অহানবা নুমিৎকী অরোয়বা থৌরমদা ঈশৈ-নোংমাই, থাংটা জগোই, ম্যাজিক অমসুং লীলানা চিংবা মিয়ামদা খুদোল তম্খি।

অনি শুবা নুমিৎকী থৌরম নুমিদাং পুঙ ৪.৩০ মিঃ

থৌরমগী অরোয়বা নুমিৎকি থৌরমদা প্রধান অতিথি ওইনা লেংবিরকখি এম. এ. শাহীন এম পি, বিশেষ অতিথিশিং মথং শিংনা আব্দুস শহীদ বাবুল চেয়ারম্যান ১৩ নং কর্মধা ইউ,পি মুক্তিযোদ্ধা অমসুং ওজা খোংদ্রাম প্রতাপ অমসুং সমাজসেবক মছলু আমিন অমসুং লমদম'দুগি সমাজসেবকশিং। প্রধান অতিথি এম.এ, শাহীন এম.পি মহাক্কী মমল লৈরবা ওয়াহৈদা মনিপুরী খুন্নাইগী ইনাৎতি সুপ্নগী মনিপুরিগীতা নত্তনা মালেমগী ওইনা মিং চৎলবা ইনাৎনি হায়না ফোংদোকপিরম্মি।

উপজাতিগী মতাংদা জাতীয় পাঠ্য পুস্তক বোর্ড দা মনিপুরীবু উপজাতিগী তপশীলদা হাপ্পিদনবা হায়জগনি তাক্পিরম্মি। থৌরমগী অরোয়বদা ইশৈ - নোংমাই অমসুং লাকী কুপন ড্র পাংথোকখি। হৌবদগী অরোয়বগী থৌরমফাওবা মিঃ আব্দুস সহিদ (বাবুল) চেয়ারম্যান, ১৩নং কর্মধা ইউ,পি-না সভাপতি ওইবিখি।

## শহিদ দিবস অমসুং আন্তজার্তিক মাতৃভাষা দিবস ২০০৪ দা ঢাকাবাসী মনিপুরী

হৌখিবা ২১ ফেব্রুয়ারি ২০০৪ইং নোংমাইজিং নুমিৎ মহান শহীদ দিবস অমসুং আন্তর্জাতিক মাতৃভাষা দিবস দা ঢাকাদা লৈবা মনিপুরী ইচিন-ইনাওশিংনা শিল্লাংদুনা 'ঢাকাবাসী মনিপুরী' হায়বা ব্যানারগী মখাদা প্রভাতফেরী চৎতুনা ১৯৫২ সালগী লোনগী ইহৌদা থওয়াইনা পোস্থা ওইখ্রবা অথৌবাশিংগী নিংশিং খুবমদা হৈ-লৈ কথখি। লৈ কৎপা লোয়রবা মতুংদা ঢাঃ বিঃ টি.এস.সি চত্বরদা নুঙায়তবা ফোংদোকপগী মিফম অমা পাংথোক্খি। লোনগী ইহৌদা থওয়াইনা পোস্থা ওইখ্রবা অথৌবাশিংগী যাইফা থৌজাল নিজবগা লোয়ননা মিনিট অমা লেপখৎতুনা নুঙায়তবা ফোঙদোকখি। মিফমদুনা ব্রা ঙাংবিখি ডা. কায়েনপাইবম হিরেন সিংহ। মহাক্কী মমল লৈরবা ব্রাহৈদা বাংলা ইমালোন অমসুং বাংলালোনগী অথৌবাশিংবু ইকায়খুম্নখি।

থৌরমগা মরি লৈনবা লিফলেট অমসু মিয়ামদায়েস্থোকখি। লিফলেটকী চেরোলদী বাংলা ইমালোনগী ইহৌদা থওয়াইনা পোস্থা ওইখ্রবাশিং অমদি মলেমগী লোন খুদিংমকপু



ইকায়খুম্নবা উৎলি। লোয়ননা মনিপুরী লোন অমসুং ময়েপমপী-গি শক্তাক খুদমসু ফোঙদোকখি।

ইথিল, লৈবিয়ু, পাবিয়ু, নৈনরিয়ু, নুংশিবিয়ু

অদোমগী কোপীগিদমক মরি লৈনবিয়ু।

মণিপুরী ডেভেলাপমেন্ট ট্রাষ্ট



**Arrival of Bride (Meitei Community)**
tesy : RKCS Art Gallery, Imphal, Manipur

CamScanner